হে. চৈতেন্দ্রোল অধিকারী

# অশ্বমেধ পূয়া

( অনিশুবা শরুক )



ও, তোপেশ্বর

মৈতৈরোল অনিবগী

# অশ্বমেধ পুয়া

(অনিশুবা শরুক)


( অধ্যায় ৪ দগী ৬ ফাওবা )

ভ. ভোগেশ্বর
চিংঙাংমথা লিরা মাইবম লৈকাই।

মমল লুপা ৩/৫০

অফোৎয়া —

অনৈবা মশামক।



১৯৭৬ ইং

মমল — .০০

হকপুম্বা কল্লবা

ছাপা নম্মম—মণিপুর গীতা প্রেস, শিংজমৈ, ইম্ফাল।

# অশ্বমেধ পুয়া

( অনিশুবা শরুক )



## মরিশুবা অধ্যায়

য়াৱম অসি মতুংগীবু জয় য়াইফথোইবা মাধব শ্রীকৃষ্ণ অথোইববু থাংজা লুপ-থোংনা পুরক্লবগা য়ারী পবেং খিজিক হৌনা য়াহল্লকে।

ঈশ্বর মপুরেন্দি ইমুং কৌবা চাংশুং শোয়রবগী য়োইময়াই তাউদনবনা সুমিৎ মঙাল চাওনা খিং খং খেনগারক্রবদা কমজাউ হ ফাকমনী চৌগংলক্লবগা কোরৌ নোংজা খুদিংগী লমচৎ মকৌশাবু লেংইরবগা মান ইক শান্দেলে। কর লুক্রং হানা থোরম মজোল লোমবনা ভীমসেন অকনবদা যজ্ঞ মঙমশাবু লৌক-ও হায়না পাউ-খংবগী চৌংজ্ন ময়াথংবু নাতারবদা বৃকদর অকনবনা মশাবী ধর্ম্ম নিংথৌরেন্দা লাঙ্গোই শগোল লৌক ও হায়না পাউমেনববু য়ারম পাউরে শুহল্লবদা ধর্ম্মরাজ নিংথৌবেন্না পাউমেল্লকয়ে।

কার্ত্তবীর্য্যা, মঘবর্ন, বৃষসেন নঙখোয় মরিমানা উনবি পুকনিং চংনা যজ্ঞ মঙমশাবু য়াউদ্রে লৌরকলু ও! থোজমী লাম্মী পুন্নমাক্তুং কৌবা খুদাশু তেন্দোং নমদা পোনা লেম নচেমও! যৌবনাশ নিংথৌরেলগা মপারী সুবেগ মথোক্লকপগা অনিমাক্তুং য়াউহল ও হায়না পাউমেন-বাবু নাতারবদা লাম্মী অখৌ লিচা হেল্ল পুন্নমাদি লানফম পোইনা। ঙন্না চংখিগে তৌবা মরম্মু পোৎলোই মঙাল্লাইনা চঙখিরে।

কোরৌ নোংশাকোন যজ্ঞ মঙম-শা অদুবু শঙম কৌন-ফমদগী লৌথোক্লুরে। ডুলাই লেংদম তোংবা লাঙ্গোই-শা তোংববু মশীঙ থিঙমদনা শগোল কোয়না চৎয়ে। লাঙ্গোই কোয়না চৎপা অদুশিংনা পানগল মঙান চাউবা কনাবু চঙলগনে হায়বগী মাইকৈ চিথেক

মরিবাদা চেংলৌ মমিং থক্লা য়েংএ। মতৌ অসুম ওইনা কোরৌ নোংশাবোন অচুবু চৌংড়, মাঙদা থানা পুশিল্লরবদা শ্রীদেবকী যশোদা অনিমানচিংলিবা মুক্তা মণিপ পুন্নমাসুং খুৎপাক লাইখনশা মংডাই নরাং কায়না য়েংনরে। অসুম য়েংনরিঙৈদা অংশুমান হায়না কোবা রাক্ষস কিংচাবা অতুগী শাগৈ মচেং পাচ'মা অনুশান হিংচাবনা ধর্ম্ম লিংথোরেনগী লাঙ্গোই মঙমশাবু চিংথোক্লক্লে হায়না নাভারবগী চেংলৌ মিৎকূপ মরুমদা মঙ্গ মচমথৌ অসিবু য়াংনা খুগাইগে হায়না পায়মা মপুক্রংদা নিঙলুবে। র'রম মতৌ অমসুং বৃষ লাইমক হৎপ চয়েল লানশোরগে হায়না মতম কয়া মরম পুইনা নিঙঙম্বু থোক্লরে। ভীমসেন কোবা অসিনসুং মশাবী লাংওন মথক্কাবু য়াংবী থরাক হাৎখিয়ে। মরম অসি দৈবকী কঞ্চাউ লাকঙমদবলা লাঙ্গোই খুৎতম খিনা মু গে কিঙঙক্রে। মৈবী মংম মানবা কিংথৌ হিংচাবা অতু মহাযজ্ঞ অচৌববু খুগাইগে হায়না খাম্বী মৈরীতোনতুম চংলক্রে। রাক্ষস লমকেৎপা অতুগা লমু মায়'ম কোয়লা চেৎলা ভাগ্নি নোংরৌ লোংশাবোন অচুবু মখম পঙলৌ চমদনা চুথোকখিরে। ঈশ্বর মম চ শংশংবদা দৈবম যজ্ঞ মচংশ অতুবু অং। নোংলেংগুক্তা পুৎচিকরবগা য়ারা খোঙ্গেংগা চাউনা লাউনা পাউমেনখয়ে। রাক্ষস হিংচাবগী লিংথৌ অনুশান কোবা পাঙ্গল কনা চমথনবু থীনে। মচং মংমশাসুং শমু ইখুৎপাক্লো চনলে কোরৌ অসি নোংতমাদি বৃষ লাই মক নহাকপুসুং প্রাণ থরাই লৌগে। ভীম অর্জুন অনিমাবুসুং শমু ইখুৎপাক্লগী থরাই হিংখিনবু নৈতরে। তেঙ্গাল মীপুম খিঙমদবা অসিশিংবু লানকম চাপুক ওৎনা গাইদরিবমথৌদ ইরান লোনয়ুম য়ায়দা হনরাইরোই। যাদবি পাণ্ডব নঙখোয়গী জব তপস্যা ধ্যান পুন্নমাবু লাইনং মথোক কায়না নোইহৎলমগে। ধর্ম্মপুন্য পুন্নমা মহাকপু নৈকন্দনা থুগাইরগে। শগোল শামু চুলাই ছত্র ছেকপিন অসিশিংগা নপারী ননোংয়াই পুন্নমাবুসুং পাঙ্গল খুৎতম-দিনা হাৎ-লমগে। পানশোক ইমাঙ লেপকে হায়না ভাইখল্লিবু কলানো শমু

ইশৃংপাক্কী কোন্নৌ নোংশাকোনঃ হায়বমবগ যজ্ঞ মঙমশাবু পুনা চংখিরে। য়াথং মপাউমেন হায়রম্বা অডবু নাত্তারবগা লান্মী লেংনা তিনবা খৈবিঙ্ডি উনবি পুকনিং ঙক্না লৈরৌরে। অস্নম পুকনিং অঙক চঙ্না লৈরিবৈদা শ্রীদামুদর অথোইবনা পাউমেল্লকয়ে।

লম্মা। পুয়া তিনবা নংশোয়বু কবিগী উনবি অঙক-চঙলিবনো? নিংথৌ লিংচাবা মগুৎপাক্কী কোন্নৌ নোংশাকোন্দি ঐ লোকপে। কক সাংথোবত্রম কদায়নো? য়াঙ্বা পাউকৌরক্‌-ও হায়না পাউমেনাবু লাংঙবদা লান্মী পুয়া তিনবা খৈবিরা পাউখুমজেয়ে।

হে ইবুংঙো তাইবং অপকমাগী থৱাই মমিরেনতা-ও। চৌংঙু নংবি কবিগী লেয়েল নানশোকঅমদা চংলুগে হায়রিবনো? নরুপ ননাই অমস অপী পুন্নমাবু নশাঙ লিংমননা চাইখনালয়ে। নদাইরেম ক [illegible] সাংকি অর্জুন নকুল সহদেব ভীমসেন বৃষকেতু মেঘবর্ন যৌবনাশ সবেন [illegible] খৈবিরপু মহাক মদোম মদোম্মানা তাইবংমবোল অহুম্মাবু শমু খুংথুম চংগে লৌগুম্ব মশারে। অনুশান লিংচবা [illegible] নমু মীয়াম লিন্না কোয়থংলবগা কোন্নৌ নোংশাকোনবু মলুইরে। রবম অস্নম চৈরিবৈদা চাং [illegible] শ্রীকৃষ্ণ থোইথে কবগী মপারী কামদেব মথে কপনা কোংয়োয় নাপল রাংনা পাংমেল্লকয়ে।

রাবন কারগীদমকপু পুকনিং ইবৈচন্ন হায়রিবনো? কৌজিক চেলো লিংকুপমবমদা কোন্নৌ নোংশাকোনবু মুৎবগা অনুশান লিংচাবা মহাকপনং পৈরে মানগা শানা পুথোক্লকে। রাক্ষস লিংচাবা মহাকসুং লান্মী [illegible] পুন্না [illegible] নাগি মঙম মানগুম্ব। মশেম্মে হায়না কামদেব ময়াথংগী অস্নম নাত্তারবদা ঈশ্বর মপুরেন্নচিংনা নমু মায়াম তিনবা খৈবি [illegible] উনবি পুকনিং ভপ্না হৱাইরে তৌয়িগুম নমু মীপুন অনিদদি হৈন [illegible] চৎকল্লো। অনুশান লিংচাবা অঙবু হকশাং মঙান চাউ [illegible] পঙনা ঙমকদে। লানশোক মাবু ঙম্ববা পুরিং লাইরেক চনম [illegible] থৌরম নংথোয়বু চেং [illegible] কৌঙেনে কায়না পামমেনরা কৃষ্ণ [illegible] য়োয় ময়াথংবু নাত্তারবা [illegible] অথৌবন পাবমা মাগী

উনকোইশুংদা হুয়েল লানশোক্লনিঙববু চাউনা লৈঙম্বগী চীংঙু সনা মখোঙ-খা সভা মীয়াম মাঙদা ৱাশক অরুববু হায়না পাউখুমখিয়ে। বৃষকেতু ঐনা হন্দক কামদেব মখোৱকপগা ঙাইৱোইনবা অসিদা অনুশান হিংচাববু লানশোক ঐনা ঙম্লবগা কোরৌ নোংশাকোন মহাকপু লৌঙমদনা হলরাইরক্লবদি কোরৌ অ'স নোংজামাগীমখৈবু নরক ফম্বিরেনগী কোমজাউ পুথকমদা মতম নোংশাং কুইনা ইরান ফম্বিরেনবু লেপ্পা ওইকগে। পাপচু অসি মথক্তা পম্মৌ ইপা শাৎমাব শুদ্র শাগৈ অত্তোনবনা ব্রোক্ষনী চমুরাদা পুকনিং ঙমচিন তাল্লুবা ঋতু কিশেং লোইরবদা মথং লাইওইনবনা গ- মহয় পীদবা ব্রাহ্মন পা এ মকম'লন্দা শুদ্র শাগৈ অতোনবশি'না পুকনি' হেনজিল তাম্না তরা খুৎপূন হুক্লুবা মরম অসি খৈবিক্টী পাপ মরোল য়াম্বা অসিবু পুনা চৌরাশ নরক পুথকম অড্রবু বৃষকেতু কোবা ঐগী মওইজরগে। হে দেবহরি অথোইব ও! চীংঙু কোশোয় নয়াথংবু থীনবিদনা য়াঙনা থাথোকপিরো হায়না অসুম ৱাশকপবু দেব দামুদর অথো'বনা নাতারবগী অনৌবা পূক্লিং হরাউ থোইনা শুমু কর্পূর য়াউনা তিল্লবা পাম্না তপ্তাইমাবু শ্রীহস্ত খুৎতোন নিঙথিবা মহাক্না থৌজাল মাই-য়োক্লনা পিজরবগী—

হে বৃষকেতু অথৌবা! নঙদি নিপা মীওই চংখোনবা নহাক্লে। কোলোয় নয়াথ'বু কায়হনগুনো। ইপারী কামদেব অকনবগা নবিঙ দমস্নুং লানশোক খুৎথুম চন্না মঙম্নু-ও হায়না থৌজাল য়াথং পিরবদা কামদেব বৃষকেতু অনিমাদি দেব গদাধর অথোইববু তিনবার অহুম্লকপু কোয়না পুকুম্লবগা চীংঙু সনা মখোঙ খাগী যাত্রা খে'ঙশানখিরে।

শঙ্খ মোইবুং মনিম্নাই য়াইক খোঞ্জেল থোক্না অনুশান হিংচাবগী লানফম ফম্বিরেন্দা পূক্লিং চৈরৎ লৈতনা চঙখিরে। তেন্দোং নমদা-ছন লীরুং খুত্তা শূনা লীরী খেনচোং তিংখৎলবগা য়ারা মখোঞ্জেনবু কোরৌ নোংখাকখোনগুম পাউকৌক্লরে। তাউ-ও! হে অনুশান হিংচাব-ও! লানফম হন্দকনোং অসিদা পাঙ্গল কনাগুম্বনা থরাই

নমিরেনবু কনবিগবনো ? কৃষ্ণ লাইমরুগী মপারী কামদেব হায়না কৌবা রায়রা লীশূ হৈয়ে হায়না তাইবং নোংশাপালদা কাউরিবা অদুবু ঐনে। কোলোয় ইমিংথোংবু তাবদা পুক্রিং অকি চঙ্‌ববু লৈতবরা। খাম্বী মৈচাক উৎকুম্বা য়াথং নচিন থিবনা পাঙ্গল নতিক নত্তবা দেবহরি লাইমরুবু ফস্ত য়াথং থোক্লা হায়রময়ে। কামদেব ঐগা ঙাইরোইনরকপা অসিগুং চেংলো নমিৎ থিৎনা য়েংজৌও। কর্ণ পাঙ্গনবগী মপারী বৃষকেতু কৌবা অদুনে। নমাঙ শংশংবদা লানফম মাইয়োক য়ানা করম খাঙগে নিঙলিবনো ? পাঙ্গল মঙাল চাউবা ইবিংঙাগী শমু ইথুৎপাক্লা থরাই নমিরেনবু শিনিংদরবদি লাঙ্গোই নঙনা হৃগিবা সজ্জ মঙমশা অদুবু য়াঙ্‌না পুরকও লাঙ্গোই পুরক্তুবদি থরাই নমিরেনবু হিংঙম্লরোই। তৌয়িগুম পাঙ্গল নথোরাং নহাকপু তাঙ্‌না খঙলসে। অসুশান হিংচাবা নঙগী রায়রা মতিক লেবা তেংবি নথুৎশূ মহাকপু লিরী থমোই তিং লকা তেনমৈ-চপ্ লীচীং নাকোং সংনা শমু ঐগী ইহকশাংদা পাংসহল্লরো হায়না পাউমেনববু নাত্তারবদা পুক্রিং কন্ত চেনবা রাক্ষস নিংথৌ হিংচাবা অঙনা পাউখুম্লকয়ে।

লানফম ইমাঙ থানা চঙলকপা নখোংচুম যম মথুৎপাঙ্গা চৎনিংবগী লাকলবরা ? লানফম মওং খঙদরিবা নবিঙাবুদি রায়রা ইথুৎশূদা নোংমহনগে। লাম্মী নখোয়না ঙাইরোইনরকপা খৈবিক্রি পায়মা ইপুক থম্না চাহৎকে। রারম অস্তম লৈববু খঙজদনা ইমাঙ শংশংবদা বরিগী চঙলকপনো ? তৌমিগুম নিংথৌ ইতিক খঙদনা য়াথং নাপল রাংজরিবা নবিঙাদ্ লাউ-ও ! লানশোক নবিঙাগী নথোরাংবু য়েংলসে। থায়না লহাম্নোং চীংঙু মহাদেব থোইখোইবগী লৈগী লীরুং মথুৎশূ মহাকপু রয়রা ইথুৎশূনা নোংলোন অতিংঙাদা ককথোক্লবগী শঙ্কর নোংপোক মহাদেবদো নিঙ্‌তে হনরাই য়েংলমদনা চেনখিবনে। পাঙ্গল নবিঙাগী নথোরাং অসিনদি নিংথৌ ইংনবুবু নত্তে। পন্থৌ নঙবু পোকপা কৃষ্ণ লাইমরু মহাক্রম লাকগুনো। হুয়েল লানশোকফম অসিদা রায়রা ঐগী ইত্তেনচানা নোংমনহনগে।

নায়রা নথোক্লকপা নবিধাবুদি তরু চখোম মনমস্তং য়োৎশিংলোই হায়না পাউমেনববু নাত্তারবদ। প্রদ্যুম্ন অকনবনা যাইবি কন্দহৌ নীংবগী লৈকং মখূংস্যবু লৈবা থেনচোং কিংনা রায়রা তেনবুম মঙা-মঙ দংবু সন্ধানপান্দম য়েংনা কাপ্লবগী মাইকৈ চিখেক মারমা মহাকপু নোংলেন মখোঙ ফুইনা চুবদুগমলে। রায়রা নোংজুনবা অদুবু অনুশান হিংচাবনা পুরিং শোপিং লকদে কামদেব মথোক্লকপদো পাঙ্গল মাখ নৈনে। রায়রা থোকন লৈশং তৈগে হায়না ভাংবং নোংশাপালদা মাইদৈ মথোং শেন্দনা হায়ংদিবা অদুনে। পাঙ্গল অদুম ওইবা বামদেব মথে ব্রহ্মা মহাবপু অনুশান হিংচাবন পুরিং থোওই লৈতনা পাউমেনখিয়ে।

হে কামদেব! অহোং মনম ওইবিবা! নঙবু পাঙ্গল লৈক নঙনা হমাঙ শংশংবদ নত্র শরণ থোৎগুম, নাপি মতম মানগুম্বা লাঙনা করিনী থোয়মা মাইয়েক য়ান। লৈরিবনো? নংগু য়াহাব থবাক মাপুক্তংলংগুং পস্তো নাগু পোকং। দেবতার অথেৎবনা পঙ্গল এবু নদো ভুগ্নরোইহয়ে হায়ন, পামমেনবগা রয়না মকেনাই মঙ্গুবু লৈরা ধনোই হিংনা কান্দখিরবদা বামদেব মথোক্লকপগী থংমাই অথাবদা থকরে। রায়র হেংবানশান হনাব চাংলো মালেম নৈদা তুং। চাইথিয় মতে, অত্র লেংগা প্রসন অকনবন য়া বি কললৌক বগাউ মৈথ লৈতনা রায়রা তেনাব মঙুং মশেনগু অনুশান থক্তা উনা। তেনবি নোংজুনরে। মফিক পান্দম লতবা অনিমাদো পাঙ্গল মথে ফং শোররা। শয়েং পানগু হাইনা য়ান্নরে। তেনবি মশেন কাপথেক্লনা নোংলেন মখেঙ ফুংগুম শোম্নরিবা আনমদো খুংশু মই য়া গা চংবা লাকোনলক্ত। নোংজু ফুংনা তাবা খোনগুময়ে। নমু পোংওইবা পুষ্পমানা মাইকৈ মথোঙ থঙদ চেংলৌ মিৎথোং খিং উনবি পুক্লিং ঙক্লা য়েংনরে। রায়রা তেন্কাপ নোংজুনবগী মাইকৈ মথোং মম্না অস্পূম হুয়েল লানশোয়রবদা অনুশান হিংচাবগী রায়রা মতেনচা অথোবা অমনা বৃষমেং মহাকশাংবু তম্না কাপক্লবগী হকশাং

অথীকমদা পাল্লুবনা মালেম নৈদা তুখিরে। মালং নোংশিৎ তেন অমনা অসাইডৈগী মালেম নৈদা তাদুনা ব্রাহ্মবিবা কামদেব পাঙ্গনবা অদুসু রায়গা তেনজিল থোংনা খোইমোম সনা মখোঙ থাদা তাকল্লরবগী দেব জগৎনাথ অরোইবদি পুক্লিং কপ্পাউ থোইনা পাউমেল্লকয়ে।

হে কামদেব। অতোনব ও নঙবু চাংঙ্, ইপারীনে হায়বদি [illegible] ইকাইরুইয়ে রুক্মিনী অহেনবিগী গভ পিবুকপুংদা চঙ্না বরম পোরবনো? কামদেব! নঙবু চাংঙ্ এগী ইপারীনে হায়না [illegible] নোংশাপান্দা হায়নবদি মরম নন্তবা থোরম ওইদ রাবু থোক্লে। [illegible] ংশংবদা নৈরগনে! হে মুগ অপঙ্বা-ও! ত্রিপুরারী [illegible] দেব অ[illegible]বগী মীচৈ অকাম্বদা থাম্বী মৈচাক উৎপু ওইনা নদোম মা[illegible]রে। চেংলো নঙী শকপাঙ্গোং অত্তবু থোইনা মিৎয়েং [illegible] পাউ্মনববু ভীমসেন অকনবনা চাংঙ্ মপাঙ-[illegible] উমদরবগী হে হবু ঙো শ্রীগদাধর অখোইববু মরম [illegible] কনহৌ-নীক্ল শাডারবনো? লানফম য়াইথি [illegible] আ[illegible]মাদি খোইমোম লাকগী নোংদয়ে। প্রদ্যুম্ন অকনবগা [illegible] ডাহ্রাহনলা অ[illegible]শান [illegible] চাবা মপুংপাকা কোরৌ লোং-[illegible]শোক [illegible] পান মুগুগে কায়না পাউমেল্লবদা ঈশ্বর [illegible] মপু [illegible] হে ভীমসেন অকনব-ও! য়াথং নপাউমেন আসবু [illegible] পুক্লং [illegible] হরাডরে। পাঙল নপা তাম্বা নবিংঙ না [illegible] অঙন [illegible] চাংঙ্ এগী উনবি পুক্লিং পেলহলো। থোরম অ[illegible] ও নরবদি পুক্লং [illegible]ইতববু হেনহোরবঙেনে হায়না অস্তম পাউমেল্লারবঙেদা উত্তেল লানশোকফমদা তুনা লৌরিবা বৃষকেতু অকনবনা পায়মা পুক্লিং [illegible]বগী উনবি পুক্লিং তপ্পা মদোম নিঙথল্লকলে। বৃষকেতু এদি চাংঙ্ সনা মখোঙ-থাদা কোলোয় য়াথং চাউনা রাশক্লকয়ে। রারম মতৌ অদম্ব, পন্থৌ ইপা কর্ণ পাঙ্গনবগী মপারীবু ওইবা এনাদ লানফম ইমায় ওল্লিবা অসিবু মরম করিগীদমকনো? ইপল কর্ণ পোকমাবদি য়োইময়াই তাউদনবা মপারী এবু অমুশান

হিংচাবা ঙসিনা হুয়েল লাংশোক ঙম্লবদি পঙ্গৌ কোলোয় মমিংথোংবু মাঙহনবা মিংচৎ ময়েং তাহনববু লেপ্পা ওইরে অসুম নিঙখল্লিঙৈদা ভীম কামদেব অনিমাদি ঈশ্বর মপুরেনবু মালেম লৈদা শক্লা পুকম্নয়্নবগা অকি পুক্লিং লৈত লানফম কঞ্জাউ-থোই উনবি চৈরৎ লৈতনা ক্রুং লমঙম তেনগুম লানফম চবুক ওৎ লানশোক মনিঙ ফাউনা চাইখাইরে। চেংলৌ মিৎকুপ মরমদা থেঙ্গ মখুৎশূনা লানমী চৈরক খায়না হাইচিনখিববু তেঙ্গোল চবুক্লদা লৈঙম্বা খোঙমী লাম্না পুম্নমাদো কোটি মশীঙ লাবঙমদনা হাইথুরে। লাঙ্গোই মোইশা-য়া, কোরৌ নোংশাকোন, ডুলাই, ফিরাল, ছত্র, ছেকপিন মরম অসি খৈবিকপু শাম্মী মৈচাক উৎপু ওইহল্লে। রাক্ষস হিংচাবশিংগী লৈতেং ফিরোই পুম্নমাসুং প ঙ্গল খুৎঙম-থিনা মুল্লবগা চৈরৈ মথাক নাইদনা শেৎখাইরে। লানমী মীয়াম্লক্তগী পুন্নুং অচৌ মৈগুম লানশোক পঙনা ঙমফদে কায়না পাঙ্গল শীঙথানরিবা খৈবিকপুসুং থেঙ্গ হাইমরক্লা হুয়েল লানবুম চাম্মা চাম্মা শুনা হাইথুরে। তেঙ্গোল ফংনু দে ঈঙাং লৈতেংননা লান্দু মীয়াম শানা মালেম লৈহোম পাৎবুমলে। লানশোক মতৌ য়েংবদা উনবি পুক্লিং ঙক্লা শোঙকীনরে। কোরৌ অচু ন্:িৎমাদি অসুর হিংচাবা পুম্নমা মহাকপু ভীমসেন মখুৎপাক্লা নোংমল-ও হায়না চীংঙু নোংদম্বা মথোথাগুমলে। লাঙ্গোই মোই-শায়া মচুম ঃারক শিল্লা পাঙ্গল ময়াই কারিবা শামু য়াপানবশিংনা খম্বাল লাকোন চাইহুগুমলে। ভীম মতৌ ওঙ্খোকপা অসিবু লানশোক হায়হৌঙাইবু লৈতরে। রাংলেন পুংজা মথাইমাদা তেঙ্গোল লানবুম তরা তরাবু লানশোক মমাঙ খাঙদনা মাঙহল্লে। লাঙত্যা মীশা চাবা, লমহুই শা-পাম্বশিংনা ভীম মথোরাংদগী শারেন শামৌননা চাঙমদরে। মতৌ অসুম ওইববু বৃষকেতু অকনবনা চেংলো মিৎ থিৎলবগী য়ারা খোঞ্জেল রাংনা পাউমেল্লকয়ে।

হে পঙ্গৌ ইপাতোন ! ভীম অকনব-ও ! লানশোক খরা থোইনা তৌমল্লে। নিঙতে হলরাই য়েংমন্দে। বৃষকেতু ঐসুং চীংঙু মমাঙ

শংশংবদ কোনোয় নাপল-দাং লানফম য়াশক-চাউনা শকচরকয়ে। বৃষসেন লানফম-হৌরকপা। ঐগী দমকপু থাকপিদনা লানশোক অমূৎ তাল্লিবা অসিবু লমচৎ হৌশারা। ঙাসনা পাউমেনবু নাতাবনদা। বৃষদর অখোবনা পাউথম্লকয়ে

হে বৃষসেন অকনব ও! কামদেব মহিল্লকপগা নবিঙাদি সুংঙাই মরাঙ বাহনচুম ফমগম-ও! হায়েল লানশোরবগী কুম্মে সুংঙাইববু চেংলো নমিৎ পেয়া য়েংও! পথৌ নপাতোন ঐবু লৈরিঙদা অকশাং নথোক্লকপা নবিঙদি অয়া অবচোক লাংনা করিগী য়াউহৌরগে হায়বগে।? অসূম পাউমেল্লবগা ভীম অকনবদি রাহু শরাইনা থবি পুয়া য়েংলক তানশিনখিবদগুম্বদ অনৌবা লানফান চৈরৎ লৈতনা ইন্দ্রিনা রথ অমা চংচাবশিংদা মাইকৈ চিথেক মরিমাদা উনোন পুকনি চক্রা লানফম হুপলল্লখিয়ে। অসূম হায়েল লাঙ্গেনববু চেংলো মিংথিৎলব নিংথৌ হিংচাবদি বঞ্জাউ মৈরা চৌন কোরৌ নোশাঙজংঙুম্বা তেনবি মক্তব রায়র তেনবুম-মাবু লৌরী থমোই-তিং লৌচিং নাকোং-ফং বঞ্জাউ মতোপ্লোম্রা কাপখিববু ভীমসেন অক বগা খনোই অখিবদা থারুরবগা মিপাহ কোকয়ি-কা মালেম লৈদ-ওয়া তুখিয়ে ভাম অকনবন মালেম লৈনা ওয়া তুখিবা অতবু বৃষসেন অথৌবনা চেংলো মিৎখিৎলবগী বঞ্জাউ মথৈ লৈতনা অনুশান মহক-শাদা রায়রা তেনয়াম কাপ্পা শোরুয়ে। লানখোক মপাতাম্বা ফনিমানা হায়েল লানশোক্লবদা য়াইথি য়াহক নাহদরে। রায়রা তেনয়াম পাইরাংঙানা মাংকৈ মপোঙ উদরে। তেনবি কৌতাংকোব শাব শাজা মচেং মানবা রায়রা শমকোক-থাঙকুম্বা তেৎনৌ নাহুন-শাবা রায়রা তেনয়াম্লক অসিদা টাশোন খংনং টা থানৌ সুংথিৎ-টা অপাকপা লম্বু য়ুংশিং টা অথোবা খুংশূ মরম য়াম্বা অসি থৈবিকপু রায়র মশেন কাপথেক্লা টিনগেন মশেন হাইথেক্লবগী খুংশূ মবোল য়াম্বা অদুশিংনা অত্যা নোংলোম্বক্কা হুমিৎ থোঙসেন-লুম্বা অহিং থামম্বরগুমলে। লানশোক মতৌ য়াম্বা খুংশূ কেৎন-খোন অসিদি

নমু মীচিনমাবুনঙাইবা লৌশিং মরোন রামদবা কনানা লানশোক ঙৈথে ফংনা হায়ঙমশিবনো ?

অনুশান তিংচাবন' অংৌবা তেন[illegible] মঙ্কবনু র'যনা তেনরুমমা কাপাহবনা হ্নবঙু অকনবগী হকশাং ক'ম্ব অথুম্বদা রায়রা তেন্না থা[illegible] চংঙ্ [illegible] শ[illegible]দা মচিন [illegible] ওনা তুবরে। কামদেব মথোল্লকপ[illegible]স্নুং গুরেল লা[illegible] যাটক [illegible]বগী চঙ্ গোবিন্দ থোই-খোইবদি কঞ্জাউমথৈ[illegible] [illegible]নফম-থ মদা লা'না নোংশা মম্নাইকাবা [illegible] ম [illegible]ঙখিবে [illegible]ঙ্ মংৌ অশ উবন উনগা [illegible]ংৌ [illegible] চ'বনা পা[illegible]মেল্লক[illegible]য

[illegible]। হে দেবকবি ম[illegible] ও লা[illegible] [illegible] [illegible], ব্[illegible] কু, প্রদ্যুম্ন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অথোইবা নঙবুম্নং লানশো[illegible]ক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খৈ'বকপু পৌজ্জাল [illegible] লা[illegible]বিবা [illegible]নবা নিপাল্কুনী পুবথ [illegible] অবিব তাইবং নো সাপানবু শেম্বিরিবা নোংদম মপুরেন অরোইবা. তাইবং অপোক—অশি নাইদনা ত্রিভূবন মরোন অহম্মাদা নিপা লুচিংলেনবু চীঙ্ নদোম নঙাইনা তাইবং মীওইবেন চঙখোনববু ওইনা পোক্লবগী খোইমোম লাই, [illegible] পো' খৈবিক্কী অরা পোংল্লম পুব অকি পূক্কিং চঙবা পূন্নমাবু কোক্লা অফ মখোই তোংববু লংকু হৈবা শিশুপাল হিচবগা জরাসন্ধ নিংথৌবেনগা অনাদি শিংচাবম্নং বাবন নিংথৌ ফজবা কোকাবগুম্ব' কংশ হিংচাবগা মখোয় মঙামাবু হাংনা পূকনিং অকি চঙবা খৈবিকপু কোকহল্লবগা মুনি লেংনা তিনবশিংবু মুংঙাই মনিঙতম্না ধ্যান লাইবু নিঙহল্লে চৌংঙ্ নংগা মান্নবা খোইমোম কনা অমবু লৈরবনো ? মবম অম্নুম ওইরবা নঙবু প্রান থরাই হাংনা নোংমলহল্লগে তৌবদা পূক্কিং খিজিক্কংবু চিংনা-পোকয়ে। তৌয়িঙম রারম অম্নুম ওইরবম্নু হে কৃষ্ণ অথোইবা—ও ! হল্লক হুয়েল ঐগী লালহৌখোল অসিদদি উনবি প'ক্কিং চেংনা থাঙজঙম্ অম্নুম পাউমেল্লবগা কঞ্জাউ মথৈ কংনা রায়রা তেনবুম মঙাদ'বু

লৌচিং নাকোং ফংনা তেনরাইরবদা তেনবি অথোবা মরিদংনা তুলাই মথুনেৎপু পুরিবা কোরৌ নোংশাকোন ১৮মাদা পাল্লুরে। রায়রা তেনদুময়া শারথি শাথোবগী থংবাই শীবদা থারবগী অনুশান হিংচাবগী রায়রা তেনরাংখোন অতুবু চেংলৌ মিথিংলবগী দেব নরায়ণ অাহেনবদি লাশোক মতৌ ওন্থোকপগী তৌরগে শায়েন নমু কনা খঙলৌরা চেংলৌ মশক উহন্দনা লোৎখিরে। অনুশান হিংচাবনু লানশোক শুগো থেকুা শান্নগে কাংবগী লৌশিং মরম্ তৌনা উহন্দরে। কৃষ্ণ মতৌ শন্থোকপা অসিদে নমু কনাগুম্বা ১ খঙলোঙমদে। অনুশান হিংচাবদি উনবি অঙক চগা পৃক্লিং শুংবং থোইরে। চেংলৌ ঐগী ... অসিদা লৈরম্ব হরি লাই মবংদে চেংলৌ মশক লোৎনা ... তৌ করিগিন কনো? অদু ইরণচৎ পাপ অরাম্বা করম্ববু লেয়া তৌশকরিগবনে? চংঙ দামুদর অহেনবনা চেংলৌ মশক লোৎনা মুংঙ ইতাথিব অসিবু নিংথৌ ইরৈবাক লেপ্পু ফত্তরাবু উরবগী তৌশক্ল? থৌরম লৈবা খেবিকপু খঙহৈবা লমচৎ মতৌ নত্তবা পুন্নমাবু উহৈবা হরি মপুরেন অচনা শুক্ল শাগৈ তত্তোনবা করম্বনা ব্রাহ্মণী চমুরাশিংদা পুক্লিং তেনজিন তাল্লুবগী পাপ অরুম্বনা ওইরবরা? পায়মা পুক্লিং য়াংবশিংনা ঋতু ফিশেংদবরীশিংবু লমচৎ মতৌ লাল্লুবগী তৌশিক্লা? অকুমারী চৈরে খোয়দোম্নবিরীশিংদা লোয়না হোঙ্গল তিল্লুবগী ওইবরা? মুর্খ মী-মপঙ অতোনবশিংনা পনথৌ শাৎহনবা পলেম পোকমাবি অনিমদ ভক্ত থৌগল শোয়রবগী ওইশিক্ল? রারম মতৌ অমম্বু মনাউ মথা ওইবনা মশাবী লাংলেন কোংয়াং রাপংন্দা পুক্লিং হেনজিন লাল্লুবগী তৌশিকপরা? হরি কোলোই মমিংথোংবু শোনঙমদবগী ওইশিক্লা? অনুশান ঐবু চাংঙ মশক উহন্দনা লোৎখিবা অসিবু ফত্তরারম অসিশিংগী মওইরিহৈনে হায়না ভক্তি মপুক লৈশিল্লকপবু মাধব শ্রীকৃষ্ণ অংোইবনা উরগা চেংলৌ মিকুপ মরমদ খঙলোদনা কাচেং নোথাং কুপকুম মশক পুর্ণ চঙখোনবা মহাকপু শংশং চেংলৌ মিৎথিংহললে ভক্তি মরমচৎ অমেঙবা অতুনা

সুংশি থৌজাল থোইনা উনবি পুক্লিং পেলহল্লবনিগীনা অনুশান হিংচাবদি পুক্লিং হরাউখোইন' সুভাই মরান্ত কায়রে।

হে কৃষ্ণ! থৌজাল লাঙ্গোল হৈবও! অনুশান হিংচাব' ঐবু শেঙ'কবগী মকম কম্নিগুনদা চেংলৌ নশক উদনা শান্থ প্লন্নবনে'? দেবতম্নি অথোহবা নত্তবুদ্ধি নমু পো'ওহবা কনানা চেংলৌ নশক-তাআবু খিদ্ধিক্তা উফংজবর্দ অক মতয় ভন্ন য়াম্ল হায়ববু তাইবং নোংশ'পাল্ল' শ'শ' থত্তলিবা অড্ডনে। রারম অসিনীদমক্লা হ'র মপারেন ন-বর্দ অনুশান ঐন হাম্পিম্নরোই হাযনা অস্নুম পাও মনবন না ম নদা বৃষকেতু অকনবদো তেনবান অনা কোক্লবগী কোরৌ ( ' ' ও ... শৌগংলকলে।

হনুংঙো গদাধর লাইমরু ও। দাইরেম ঐবু পাঙ্গল ময়েং ও ... নৈ ভন্নিয়ে হি চা মী মতোন অতোনবা অনিবু হন্দক ছ য় লানশোক অ'সদা থয়ায় মরু ক'ন নোইহংলুগে হায়না পাউ. প্লন্নবগ অনুশান মহকশাংদা উপ্ল রায়রা নো জুননা কাপ্নুরে। ... শামু খোঙমী লাম্মী পূম্নমাব্ব হকশাং মতুপ-তুপ থ ক্লা কক দ কলে বৃষকেতু অকনবগী লানশোক মতৌ ভব্ধা অদুবু ... ন হিং'চাবন চেংলৌ মিংথিললবদা অনৈবা কপ্পাউ মখৈ লেভনা তে ব মক্তবা রায়রা তেনবুম তম্নাদংবু লীগি তে গ-পাং লৈচিং ম'গো' ফং মুথ মথা তিক শয়েং পানগা-তিংনা কাপথিবব্ব পোনবী চেক্ল পাইবগুম তেনজিল মৈরি থোকয়ে। রায়রা তেনচৎ শাহম থো দি শত্তাইশেন শাফুনৈয়ে। অমুঘ হায়না কৌবা রায়রা তেনবুম ভরামাদো তেনবি অম্নেম্বদা তারুদে। কোরৌ নোংশাকোন মরিমাস্নুং কাপথুরে। বায়রা তেনবুম মানা শারথি শাথোবস্নুং নোংমলহল্লে। তেনবি মপুম মত্তাদংনা বৃষ সন অবনবগী থমোই অথিবদা পানহল্লে। থাজা মচেৎ শাবা রায়রা তেনবুম মাবু কাপহিকপগী বৃষসেন লৌরুং মথুৎশূবু কাপথেকলে। তেনবি অহুমদংনা হুলাই মথুৎনেপু কাপথাইরে॥ বৃষকেতু মহাকর্ণাংস্নুং মালেম লৈপাইথক্তা রাস্থখিরে। লানশোক

মতৌ অগ্নিবু চেংলৌ মিংথিংলবগী নমু পোংওইবা পুন্নমাদো উনবি পুক্নিং ঙক্না শোঙকি মথৌ লৈতবা য়াংঙাবুনঙাইরে। য়ামম অশ্রম ওইরবা মহাক্তবু অনুশান হিংচাবদি পঙ্গল ময়েং তান্দ্রিয়ে। অনৌ-বদুম তুলাই মখুনেৎতা তোংখৎলবগা শাবেন নোংশা থাংনৌবনা খোয়মা ন পিবক্নৌ লাঙ্গোই মোইশায়া হকচাংউববু উরগা নোংশা মরাঙ হৌনা তানশিলখিবদুগুম্ববু লানফম-য়ায়দা চঙনা চেংশিনখিববু বৃষসেন অকুনবগী লাম্নী পুন্নমানা চেংলৌ মিংথিংলবদা তীর্থ ইরিক্লাইবু ফংলবগা পাপ অব্দাম্বনা মবোম মাঙখিবগুম মাইকৈ চিথেক সবিমদা। মদোম মদোম লানফম হুকচেন্নখিরে। চৈংঙ নারায়ণ থোইথোইব-মক্লসুং য়ায়য়া তেনবুম অহুন্দনা থারুবগা "হে নারায়ণ অথোইব-ও! অস্নবু হিংচাব ঐখোয়গী শাগৈ লেংনা তিনবা পুম্নমাবু মাঙহল্লিবা নঙব য়ায়য় ঐগী তেনয়াইখোনবু উনবী পুক্নিং চেংন খাঙক্তঙমঙ" হায়না পাউমেল্লবগা অনুশান মথুৎশু য়ায়য়া তেনবুম লিশিংদংনা চৌংঙ থম্মোই ময়াইরেন্দা। থারবগী তেনবাল অনাখোল সুংঙাইতবা অঙ্গবু দারুক শাথৌবনা চেংলৌ মিংথিংলবদা গদাধর মপুরেনবু সনা তুলাইথক্না। হান্ন রুক্মিণী অহেনবনচিংলিবী লৈমা লেংনা তিনু-বিরক্তবু তান্না পুশিনখিরে। অসুম পুশিনখিববু নমু পোংওইবা খৈবিক্না উনবি পুকনিং ঙক্না যেংনরে। মতৌ করিগীদমকনো? হায়না পুকনিং সুংবং চঙনা শোনমোইনৈয়ে। ধর্ম্মরাজ নিংথৌরেললনচংনা মশাগৈ ভীম অকনবা, অর্জ্জুন তেলহৈবা, সহদেব য়াইমবা, নকুল অতোম্বা শানৌ মচিন মনাউ মঙামাসুং পুকনিং সুংঙাইতববু অনৌ থোইহৌবে।

কুন্তি, দ্রৌপদী অনিমানচিংলিবী কৌরব থাংঙা নিংঙোংবি খৈবিক্নসুং সুংবং মথৌ লৈতনা থম্মরে। শ্রীরুক্মিণী অহেনবি সত্য-ভামা নিঙশিবী জম্বুবতি লৌশিংবীগা লৈমা লিশিং তরাতরুকমাসুং শ্রীদেবকী যশোদা অনিমাসুং-যাদব থাংঙা নিংঙোনবী পুন্নমাসুং য়ায়া খোঙজেল-য়াং মিপাই নোংদা কান্না মীকপ্নরে। লৈমা লেংনা তিনবীশিংদো থোগল মত্রিক ওকপবু তৌনা সেবা য়োইথোম্নরে।

লৈমা কনা অমনা কাওহাই মরেং হুময়ে। গোপী কনা অমনা লাইজা ইরিক্লাই অচৌকপবু থীক্লা হুৎমাং লৈরিক নপথোকয়ে। মাগী মাগী থোগল মতিক থোকপবু ত নকংলবদা দেব ভগবান অথোইবাদ লৌশিং ময়েক থোক্লো নিংশিং পুকনিং থেইরক্লে। চৌংঙ্ মতিক অক্সবা মায় মরমচং অসবু নমু কাগুম্বনা শানখঙ্ ঙমগবনো? নিংথৌ অনুশান কৌব অত্রু অসুর হিংচাববু ওটায়গুম পুকনিং ভাক্ত চেনবগী দমকপু ঈশ্বর মপুরেম্মা হুয়েল মাগা লানশোক্লবদা লিলা কুমৈ থোক্লা শাম্ববু মালয়ে হায়দবর?

স্বারম মতৌ অমসুং অগ্নশান হিংচাবগী মতৌ চম্থোকপবু হায়রুহিককে। চৌংঙ্, মপামচাসুং ভীম বৃষকেতু অনিম বুসুং হুয়েল লানশোক ঙম্লবনিগীনা লানশোক অরা পেংথারিবৈ কৃষ্ণ সনা মথোঙ খাদা সত্যভামা লৌশিংবীনা য়াথং পাউবৈ চেম্না হাকৎচৈয়ে।

হে ইবুংঙো! থরাই অপকৃমাগী শিরমণি লীকওনথোকপু ওইরিব-ও। প্রদ্যুম্ন অকনবদুদি হুয়েল লানশোক ঙমদে হায়বগী ইকাই মায়থিরাবু-পি পাঙ্গল মীথা-নদনা পাউমেনবা নত্তবরা? চৌংঙ্, নঙদি করিগী হুয়েল লানশোকফম্বু নমদা হুম্না চেল্লক্লবনো? হে প্রাননাথ অরোইবা নঙবু! ভাইবং নোংশাপাল পূর্ণমানা পাঙ্গল মপাভাম্বা খৈবিক্তগী পণ্ডিত মীওই চঙথোনবনে হায়না পাউমেম্নবদি নতিক অয়েম্বা পাঙ্গল অভিংঙাবু ওইহল্লে। সত্যভামা য়াথং মপাউযেন অসিবু নাতারবদা দেবহরি অথোইবদি ভাঙজা ইকাইরবগী অনুশান হিংচাববু প্রান থরাই হাংলুরগে হায়না কঞ্জাউ মথৈ লৈতনা হুয়েল লানশোকফম্ ভান্না চঙখিরবদা বৃষকেতু অকনবনা পাউমেনঙময়ে।

হে খোইরোম লাইমরু-ও! বৃষকেতু ঐবু পাঙ্গল ইয়েং তাদরিয়ে। চৌংঙ্, নঙদি লুংঙাই মরাং কায়না লানশোক ঐগী কুমৈ লুংঙাইবদুম য়েংবিও হায়না রাকৎচরবদা দেবহরি অথোইবনা পাউমেল্লকয়ে।

হে বৃষকেতু অকনব-ও! নঙগী পাঙ্গল নতিক থঙলে। পম্মো লপা কর্ণ লীশুংহৈবসুং লানকম মৈশা লাংগুম্বদা থৌহু-লেঙদবা নুংগুমমে।

পামেল মর। তত্তবা উগুম্ব: লানফম মমায় ওল্লমদব। অতুগী মপারিনিগীনা তেঙ্গোল শোক্লকমদা কম্না হম্না রাম্থরববু ল'মফম নমায় ওল্লক্তে। চৌংঙু, ঐনচিংনা ভীম, কামদেব ঐখোয় অলম্মাদি লানফম নমদা হুম্না রাষ্টেয়ে। তনব মীওই চঙখোনবা কৌবদি বৃষকেতু নদোম্মাবু নঙাইরে। হন্দক হুয়েল লানশোক নোং অসিদা অসুর হিংচাববু য়োম্দনা লানশোক নরাচাবু ওইনা ঙমজরক-ও! অসুম পাউমেল্লবদা বৃষসেন পাঙ্গনবদি অনৌবা শমু মহকশাংবু অনি শুবগুম পাঙ্গলু ময়াই কানা লহান ঐনা লানফম নাপল রাংনা শক্লকপম্বং কায়করোই কায়বগী কঞ্জাউ মথৈ ফং পূকচেল মতোম্লোম্না রায়র' তেনবুম তরেৎতংবু সন্ধান্ পান্দম য়েংনা কাপ্লুরে। অসুর হিংচাবশিংগী লুরাই কোইরেম্বক্তা নম্না নম্ন রায়রা নোংজুনহল্লে। মাঙগী পাঙ্গল মতিকপু শরুক তরা থোইনা রায়রা তেনরাষ্ট কুণ্ডলবগী হুলাই মথুনেৎসুং লৈচিল শীফারক্তা তোংচে' কায়নৌ থরানপিচাক পাইগুম্না চেংলৌ মিংথোঙ্ 'থংলে। হুয়েল লান্দান চৈরৎতা নোংশা লাপাউথোমগুম য়ারা খোঞ্জেল রাংনা রায়রা তেনয়াম কাপ্লবগী ইঙা নোংজু মানগুম্নে। লোইদাম থাজ-মচেৎ শাবা তেনবি অথৌবা মরিদংনা কোমৌ নোংশাকোন মরিমাবু তূপথৎলে। ঘরশান্ শেংখেং-শাবা অমনা লাঙ্গোই শাথৌবগী থম্মে ই অথিফমদা থারুরবগী নমু মীওইবা থৈবিঙ্কা বৃষকেতু কৌবা অসিদি পুন্নং অচৌ মৈগুময়ে। পাঙ্গল কনাগা মান্নদে হায়না পাঙ্গল মতিক থাগৎনরবদা নিংথৌ অনুশাম্ন কৌবা অচুদি রায়রা তেনবালখোন আনাবনা অরা মথৈ ফংলবদা ভগবন্ত ঈশ্বর মপুম্নেন অথোইবগী সনা মখোঙ-খা পাদ-পদ্ম লৈওনখোক মিঙথিবদু নক্লা তানফংলবগীদমক অশাউ পূক্লিং তেম্না লাইজ ইম্নিক্লাইগুম তকশীল্লরবদা হুলাই মথূনেত্তগী মালেম লম্‌দা কুম শমু মথুৎ লোমা চৌংঙু, সনা মখোঙ-খাদা য়াথং লৈশি থোইনা হায়জখিয়ে।

হে ইকুংঙো মাধব শ্রীকৃষ্ণ অথোইব-ও। অনুশান হিংচাম্না ঐনা থোইমোম সনা নখোঙ-খাদা থৌরম মরু কংনা লঙজখিবা অম্বিবু

মইপৈ, যাঁরীক য়ামখিরে। লঙজ মরোৌবিদন--ঙাকপি ও। চীংঙু নয়ৌখ্যাদি রমু মীমতোন মালেম লয়খ। তারব খৈবিকপু, লানবীবা ভক নদাইরেম মুংজানবশিঙ্গীদি, পুক্লিং থুদুম চল্লহনবা নতৌ ওই, থোকবা মশেন্না, নশক পূর্ণ চঙখোনবা লোইবায় থানি-থোগুম্বসুং কোওদোক্কনা শাম্নব্নিবা অত্নুনে। মারম অস্তুম ওইরবা নঙনা থরাই ইমিরেনবু, লান্নরি ও হায়না পুরুষশ্রেষ্ঠবগী দেব দামুদর অখোটবন, সুংশি পূক্লিং চঙবিরবগী নিংথৌ হিংচাববু শ্রীপকপা, মথুংফাং রায়বুং লৈহাউ মানবুনা কোনথংপিবে। অস্তুম থৌজাল ল্যাঙ্গোনবিরবদা নিংথৌ অনুশ্যান কৌবনা যজ্ঞ মণ্ডম-শা কোরো নোংশাকোনবু য়াঙনা লৌরুরবগা চীংঙু সনা মখোঙ-খাদা লাঙ্গোই মাঙদা থামা কৎলবে।

ঈশ্বর মপুরেন্ন 'হে অনুশান পাঙ্গনব ও! নঙদি পুক্লিং ধর্ম চেনবা ভক্তি লুমচংনবদ্রি নঙরে। হোৎজিক অদি মতুংদি চীংঙু ঐগা ধর্ম লাইরমশেনগী মণ্ডম-শ অসবু ঙাকপদা ঙাইরোইনসে হায়না থৌজাল-লাঙ্গোনবিরবদা বৃষসেন পাঙ্গনবদা পাউমেনখিয়ে।

হে বৃষকেতু অথোবা। নঙদি পাঙ্গল লিপা থোকপা খৈবিক্কগী লুচিংবা, থোইমোম ঐগী উনবি পুক্লিং থুংহনবদ্রি তয়ম নঙ মওইরে। মারম অস্তুম হায়রঙৈ অনুসান নিংথৌ পাঙ্গনবনসুং পাউমেল্লকয়ে।

হোই, হে বৃষকেতু অকনব-ও। অনুশান হিংচাবা ঐবু লানশোক নঙনা ঙমজরবনিগীনা অনুশান ঐবু থোইমোম সনা মখোঙবু ভানংকংজলিবা অসিদো বৃষকেতু নথৌজাদ্রংম থোক্লরে। অস্তুম পাউ-মেলবগী ঈশ্বর মপুরেনবু শমু মথুং ল্লোম মচিন ভক্তি তৌনা রাকৎচখিয়ে।

"হে দেব ভগবান অখোটব ও। মা'য়া নরমচং অতনা, পায়মা ঐগী উপকোইমুংবু শুমহৎলবগী হুয়েল লানশোক-কমদু। য়াম্না লঙজ মরোল য়ামখিরে। অদু মপোক থুদিংবু ঈশ্বর নখোঙ-খাদা পুক্লিং ভক্তি চেনবনু ওইজরগে। চীংঙু নঙদি হুকলাং সাপাঙববু লৈতবা অতুনে। চুপচু সম্মা-লায়া; খৈবিকসুং, চঙবিদবা থাজী মৈনা কংদবা লাইবা

ইরিক্লাইনস্থ· চোত্তবা মতম লৈবা খিবিক্তা মায়থি নয়েং তাবস্থং লৈতবা হে বিশ্বনাথ অ'ন্নাইবা পুন্নপূর্ণ চঙ্খোনব-ও। কোলোয় নামথোংবু মতম পুংজা নাইদনা শে'ঙ্গুরবশিংদি মান্না ইরেনপুং লান-ঙমদবা মহাকপু অরা ইশৌ লাংদনা “ল ন্নখিয়ে” হায়না পাউমেরা ভক্তি মরমচৎ অংবু চে'লৌ মিংথিৎলবগী খোইমোমসনা মহকশাং পানবোম মরি পানবনা শঙ্খ, চক্র, গদা, পদ্ম খুৎশূ মরিবু শ'না, মমাঙ্ শংশ'বদা উৎপিরবগী হরি মপুরেন অড়দা তুলশি মাগী উমং-লেন্দগী অমৃত অথুম্বনাচিংলিবা পোৎলম পুন্নমাবু শুনা চৌ'ঙ্ সনা মথোঙখাদা কৎচক্রবগা ধর্ম্ম নিংথৌরেন, ভীম, অর্জ্জুন, সহদেব, নকুল মাথোয় মণ্ডামানস্থ থৌজাল য়োইথোন্ননা কোন্নরে। রারম অসি মতুংদা অসুশান নিংথৌ পাঙ্গনবনা মদোম পাউমেল্লকয়ে।

নিংথৌ ঐদি অর্জ্জুন তেলহৈবগা ডাইয়োইননা মহাযজ্ঞ অথোইববু তৌননবা য়ারা লনয়াম লৌবদা চৎমন্নগে হায়না পাউমেন্নরিডৈদা য়োইময়াই লাইরেন ভাউদনবদি মুমিৎ থোঙলেন খমথিরে। পাণ্ডব মচিন মনও মণ্ডামাদো খুভম তমলিবা থৈবিক্ত' ঈশ্বর মথৌজানগী মাইক মাম্নপাক-রা মশেনবু মফংলুয়ে। দেব দামুদর থোইথোইবস্থং সনা য়োইকোনমুংদা য়াচংখিরে।

শ্রীদৈবকী, যশোদা, আক্তর, রুহিনী, সত্যভামা, সুলক্ষ্যনা, রুক্মিনী অসিশিংনচিংলিবী লৈমা লিশি' ভন্নাঙককমাস্থং মুনি লাইবু নিঙবদা য়োইনা থৌগল্লিবী ব্রাহ্মনী চনুরাদগী অনুশারা, অরুন্ধতি বামন চনুরা পুন্নমাস্থং কৃষ্ণ সনা মথোঙখাদা থৌজাল মাইয়োক্লনা য়োইনা থৌগল তোয়নরে। রারম অসি মতুংদা ধর্ম্ম যুধিষ্ঠির নিংথৌরেন্না পায়মা মপুক-সুংদা নিঙখনখিয়ে।

ব্যাস মহামুনিরেন্না হিমালয় উনগী চৌংদা মারা 'লনমরুবু' য়াঙনা লৌরুও হায়না পাউমেল্লস্বনে। লাঙ্গোই শগোল থানা যজ্ঞ মণ্ডম নোংদি কোয়ো মুমিৎ কুম্নিবু নঙাইশিল্লক্লে।

"হে অর্জ্জুন তেলহৈব-ও। কৃষ্ণকেতু, অনুশান অনিমাবু ঙাই-য়োইনবা লাম্মী লেংনা তিনবা খৈবিক্কা হিমালয় উনগী চীংবু য়াঙ্না তানখিরো" হায়না নিংথৌ কোলোয় ময়াথংবু নাত্তারবদা পাঙ্গল মপা-তাম্বা অহুম্মাদি শ্রীহরি মপুরেনগা ধর্ম্মরাজা নিংথৌরেনগা অনিমাবু য়োইনা পুরুম্ময়বগা খুংশূ মথৌ-হেন তেঙ্গোল মপৈ-যাম য়াংলেন পুংয়াম য়ৈ, পেরে মনিম্মাই ডুলাই রথ ত্তোংনা কোরৌ নোংলাউ-খোনগুম চৎখিরে। লাম্মী ময়াঙ হৌনা হিমালয় পনংলাবু য়োরবদা উনবি চৈরৎ পৈত্তনা চঙ্খিববু সনা খৈথাঙ্কোননী চীংক্রম মপৈ য়াম্মা লৈঙম্বু েংলো মিৎখিৎলুরবগী হয়াউ মখৈ কৈত্তনা শংগোল শামু শামী লাম্মী পুম্নমাগী সনা মপোৎ মপোংৎ শেমলে। লংগৈ লখা কোটি কোটি তিল্লবা কয়রেন মরিফু ত্তয়াগী লনয়াম মাত্তক ওইনা পুরক্লে। চোয়নৌ সনা চীংমাঙনবু য়োইনা পুরুম্মবগা অর্জ্জুন তেলহৈবস্তুং লাম্মী মঙাইরোইশিংগা সনা লনয়াম পুনা য়াইখ্রলরবগী জয় মহামুনিবেম্মা পাউমেনখিয়ে পঞ্চ পাণ্ডব মঙামা অসিগী চীংঙু লাইবক ফবা অসিগুম্ববু তাইবং নোংশাপান্দ: লৈখোক্কে। মত্তৌ করম্বনো ও:ন্থাকয়ে। ব্যাস মুনি মথৌজ্ঞানগী সনা লনমরু অথোইববু মুংঙাই ১নিঙ থুংনা তানফংলকয়ে। য়াংবা লনয়াম পুরকপা অদুবু ধর্ম্ম নিংথৌ-রেম্মা উরবগী পুক্নিং হয়াউথোইনা মুংহাইরে কায়দববা?

মহাভারত অথোইবা অসিগী য়ারম মুংঙাইবা ত সবু পাংমা পুক্নিং চেৎনা নাত্তারবগা পুন্থ মহয় অথোইববু তানফংয়ে। যদি ফংক্ক-ঙমদবা মহাকপু ফংজৈয়ে। শষ্ঠিবরসেন কৌবা মপারী গঙ্গাদাসসেন লৌশিংবনা লমু মীরোল ওইনা লেংথোক্লম্বা ভারত বারী মুংঙাইবা অসিবু থকশি মীতিনলেন ইরেং পুথাংশমগী চৎথরকপা খয়াং পাথাং-কোক খোইমোম লাইওইনবশিংগী হৈনা মতু ইঙ্গরৌবা শ্রীপ্রশুরাম লুরেং মালং অহোঙবচানা চীংঙু নোংদনখোনমু হেনফদবগী অপাম লমরাইতাম্বু চংফংদা খোইমোম লাইবু নিঙবা মপোক লাংওন

চাউবশিংগী থুয়া লৈথোংখাদা খণ্ফংদা, মহা সংকীর্ত্তন অথোইবগী কুমৈ সুংঙাইববু য়েংফংদা, ভাইবং নোংশাপানগী নিঙথি সুংঙাই পুম্নমাবু চেংলৌ মিৎ কায় থম্না উখঙদরবগী পায়মা মাগী উনকোইসুংদা নিঙজরকপা লৌশিং ইরিক্লাইগুম থঞ্জরকপগী শংলৌ মথোয়াংনা শৈ.শধা ভারত রারী সুংঙাইবা মহা পাপচু কোক্লশৈ অসিনা গুরু বৈষ্ণব মথোঙ-খাদা য়োইনা থোগৎকবনা ভক্তি ইথোগনবু ওইজগে। হযেং পোইরৈ চাদোম্না বাংঙম শূদাম্না সুংঙাই মাঙদা থানা শক্লগুনো হকশাং ৼাইওং চাদবা সুংঙাই ইনিদ্ংদনা পাপ অধম পল্লিবা অসিবু লাইরিক মাঙদা ফম্না নাশারিবা থৈবিক্কী দয়া মথোঙাম্না কোকাপগুনো হায়না সেবক মপাবী অভিমণ্যু চিরোংমচা, নবশ্যাম ভুইনামচা, গঙ্গাচরণ রইবোকপা মাখোয় অহুম্মাদ' লাইরিক পন্দোংন লোম্না অশৈ পঙ্গাংফপু য়ৌ-বা ভক্তি য়াথং মনেম্বনা শংলৌ থোরাং-ও হায়না পাউমেন্রা মহা পণ্ডিত অথোইবশিংগী পাউভাক, চীংশাং খেইরেন-হী অথুপ্পদা ভঙ্গ খোইমু লৈপাম্বৰু ওইরিবা ঘনশ্যাম থোকচোম চা লোশিং মংম্লকংশনা বাঙলা লোংনৈবদগী পোইরৈ মীরোল ওইনা হন্দোকপা মৈদিংঙ্, চীংখাং থৌদ ইরেম রাঙন কেংখাশঙদগী অভিরাম মাইবম চা হরিচরণ খাংয়েংবা, মদন সিদংমচা রারী পরেং হুক্লা শৈওং নাইতৈত রিবা অহুম্মানা তেংথা লিওং খণ শেমজরকপা চন্দ্রশ্যাম লুরোংজাম্বা দয়ারাম কোৎংবা মীংচুম লিহাগায় য়েক কোংশাম নরিনশে নবু তমজরকপা অনিমানা চপমেন না বুংং উনবি শেনলোং নীক্তনা য়েকৃষ্ণশৈ অশ্বমেধ রাবী সুংঙাইবা অসিদু প্রশুরাম লুরো জাম্বা মানবৈ চিন্ওল্লব্রা খোংমোম লাই রংরী অচেংশবু পাংয়দা পুরিং চোংশনা লাংপামজরকপা ময়াথংগী লৌশিং মচাক কৌবা (রৎপা) উনবি লৈখন্ লল্লিব ইখোংয়না শৈশেম ইতিক ওইদা তেংথা পরেং হুক্তন লে ভথিব অসিদো থাঙয়ি ফৌগাক-চাক অকনবনা চাক্লাম অদংইবদা মংইবি থরাই ঙাক্লা লাংকৈ কুমশিং হেম্নবগুম পামেন লেপকং-উ তলা উরাই শিরবশিংবু শীঙবী তংখাই-লোনা নমু মীয়াম চাবী তরা

চাথোং লেম্নবগুম খোইমোম সনা মথোঙ্ খাদা থান্লিবগী থাউয়েন কম্থন্বু মুশীক উচিম'না হূনকুকবদা উচি চিনকোইতোন্না দেহি ময়াঙ্ খৎপত্নম খোকলুরবগী থাউৈ মতান চাউনা খোইমোম সনা মথোঙ-খাদা নুংঙাই মহয়্ খোকলুবগুম থাঙয়ি ফোগাক-চাক পামেল লেপকং-উ উচি থাউহ্ শা অহুম্মাগী নৈরাং মতম মানগুম্বা ইখোয়বু য়ারী থোইজিন-য়াম য়াথং থোইম্না শম্বগী লঙ্জ মরোল য়াম্বু লৌ বিদনা ভারত য়ারীশৈ মহা পাপচ্ কোরয়ানে হায়না-তা সাধুজন চৌংদ্ লাইবকফবা মীওই লা'ওন চাউবশিং-ও! নখোয়না ক্ষমা-দয়া-তৌ নচিন হরি শোম্না নাতাবিয়ো ॥৩॥

---

## ৫ শুবা অধ্যায়

### (যজ্ঞ আরম্ভ)

য়ারম অসি মতুংগী য়ারম গুংঙাইবা অমবু ঈশ্বর মপুরেনবু ভাঙজ' লুদা থোংনা লেংজরকে।

অসাইনৈগী য়ারা লনয়াম সৌকরবা মতু'দা বসন্ত শিংলেন নৈপাম্বাগী ঋতু য়েম্নিং শুক্লকপা লোইদাম য়াকচিং-থাগী পুর্ণিমা য়ারা থানিন নোংদা ইষ্ট মিতে বন্ধুবর্গ লে'গ্ন্ চান্ন পুম্নমাবু লেংন-তিন চৌংত্ সনা মথাথ'বু লৌনা আশিপত্র চাকহেন অকববু হৌগৎলে। যজ্ঞ মণ্ডম শাস্ত্রং লৌকবগা বুমকুম চন্দন নৈনুংশিবু লাঙ্গোই মহক-শা'দা শাগোল পুম্না তয়্রে। নৈ চন্দন ধূপ থাউৈমে হয়্রুক পান্না চেঙ্ থোইদিং চুতি থোইহি পঞ্চামৃত পোৎলম পুম্নমাবু য়াউনা লাঙ্গোই ইড়াৎলবগা প্রতিজ্ঞা রাশক অরেপ্পগী অকর ময়েক অক্ষবসুং সনা মপাক নিঙথিবদা ইনা লাঙ্গোই মরাইবক্সা তোপশিন্নে। বাংলেন পুংমিং য়াম্বা থৈবিকপূ পুংলেন মনিম্নাইনা নূতক চুগোই শারে। কীর্ত্তন অশৈ মরাং-হৌ ব্রাহ্মণ লেংনা তিনবনা বেদ লাইরিক-থীনা জয় ধ্বনি মিংলেন শোম্না য়াইক থোঙ্গেল থোকলে। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুম্ন-তিন

ভাইবং নোংশাপানগী নিংথৌ লৈকোয়ফম্বা খৈবিকস্থুং য়াউনা কুমৈ মতৌ হৌগৎলে। ৱারম অস্থুম ওইরিবৈদা ধর্ম্ম নিংথৌরেম্মা মশানৌ ধনঞ্জয় পানগনববু মাঙদা থানা পান্দকোশিল্লবগা লৈহাউ পরেং লৈকপু থবাক লেংয়ান্লমদা শিবিরবগা আশীব্বাদ য়াথং অফববু পীনা "ইশানৌ হে অর্জ্জুন তেলহৈব ও! কোরৌ নোংশাকোনবু ঙাক্লুবদা থৌরম চেৎনা তৌগৈঙনে। লাঙৈ কুমশিংমা অসিদা পুক্নিং লাইরেক চনগুনে। থৌরম কায়্হল লৈতনা হলরাইরক ও! গাণ্ডিব লৈরুং নখুৎশৃবু পায়্না লান্মী লেংনাত্তিনবা খৈবিকপুস্থুং ঙাইরোইননা চংথি ও! পান্দম মপা-নববু লেতবা বৃষকেতু অকনবস্থুং লোয়নখিরো। চৌংঙু বাসুদেব মথৌজ'নগী অর্জ্জুন নঙনা তৌঙনদববু পুম্না শেতবা অতনে। অর্জ্জুন নহোশাগীস্থুং খুৎকন পাঞ্জল খৈবিকপু নাত্তক পান্দম লেতবা অতুনে। কেরৌ নোংশাকোনবু মৈথাই মতৌ লৈহন্দ য়াহক ৎরাং কায়না হলরাইরক-ও! হায়না পাউমেনববু নাত্তারবদা পার্থ অর্জ্জুন তেলহৈবাদ ঈশ্বর মপুরেনবু মালেম লয়দা পক্ল পুরুম্নরে। কুন্তি গন্ধারী আনমানাচংশিবী পলেম মমাতোন পুম্নমাবুস্থুং শ্রীদেবকী যশোদ রুণ্মিনী অহুম্মানাচিংলিবী যাদব চনুরা চেংলৌ শক্তোয় হেনবী খৈবিকপুস্থুং য়োইনা পুরুম্লুবদা কুন্তি পায়মা লৌশিং থোহবীনা পাউমেনঙমরে।

হে পার্থ অর্জ্জুন অকনব-ও! নঙ্না লাগোই শগোল ঙাক্লুগে হায়রিবা অসিবু থৌরম অকাম্বা মহাক্নে। পুক্নিং লাইরেক চনফরোই। লান্মী নঙাইরোই হৈনা নচুংথাংবু কনা কনানো? চুলাই লেংদম তোংবস্থুং করম্বনো? অসুম পাউমেনঙম্ববু নাত্তারবদা অর্জ্জুন তেলহৈবনা পাউখুমজখিরে।

হোই, হে পলেম ইমা পোকমাবী-ও! নপারী ঐগা হুয়েল লাল্লোইনরীবদি পাঙ্গল মপা লৈতবা মশেনবু মশীঙ লাকঙমদনা ঙাইরোইনরিরে। হরি মপুরেন্নস্থুং মপারী প্রদ্যুম্ন অকনবনচিংনা সাত্যকী কীর্ত্তব্রহ্মা অনিমাস্থুং যাদব লানজিংলেন খৈবিকা লান্মী অথোলিচা হেপ্পা পুম্নমাবু শমু ইখুৎপাক্কা শিম্নরে। ৱারম মতৌ অমস্থুং শ্রীকৃষ্ণ

লাইয়িংথৌনা থায়না লহানলোংগী য়াথং মপাউমেনবু পলেম নঙনা নাতাবা নত্তবরা? অর্জ্জুন তেলহৈববু হেন্না চীংঙ্, ঐগী লমলোই সুং-চান থোইববু অমা তৈনা লৈতরে। মফম লৈবা থৈবিক্তা থোইমোন ঐনা উনবি পুক্রিং চেৎনা মহোকহৈঙনে। তাইবং নমু পোংঙইবা পুন্নমান্সং চীংঙ্, ইককশাংগুম্বনে কায়না কৃষ্ণ কোলোয় ময়াথংবু মরৈ-রিবা অত্রবু পলেম নঙনা মথঙলিয়ে। বৃষকেতু অকনবা অনুশান আথৌবা যৌবনাশ নিংথৌরেন শুবেগ যুবরাজ মথোক্লকপ। মাখোয় অসি থৈবিকপু লোয়নরিবা অসিদা ঈশ্বর মপুরেন্না পাঙ্গল ককশাং তেংবাং মকৌশাবু কৈরিবা অসিদা পাঙ্গল কনাবু শোঙকিক্কিসিবনো? পলেম নঙবু নংঙাই মরাং কায়নড়ম চীংঙ্, সন মখোঙ খাদা য়োইনা থৌখন-ঙমও কায়না পাউমেনববু নাতারবদা কুন্তি অকেনবীনা অনৌবা পাউ-মেল্লকয়ে।

হে অর্জ্জুন অথৌবংও! পম্হৌ মপা শাৎমাবনা অঙাং নাবা ওইনা হুল্লাল্লম্বা বৃষকেতু অকনবা অসিবু লাম্মী পুন্নমারক্তগী পলেম নমা ঐনা পুক্রিং থাজ থোইনা নিঙখনয়ে। য়াংলৌ লমখাঙ-মাদা অরা ককচোক লাংবা সুংশি খুদোংথিবা থৈবিকপু লান্নংকনগুনো কায়না য়াথং য়াইফ-রাবু অসূম পাওমেল্লবদা "হোই হে পলেম ইমা অচুম্বি ও। য়াথং নরনকু অসিনা য়াইফ মহন্ন পানববু লেপ্পা ওইরগুনো হায়না পলেম মমাপোক-মাবীবু য়োইনা পুরম্লবগা মপান য়াথোক্লরবদা কৃষ্ণ লাইয়িংথৌনা ধর্ম্ম নিংথৌরেনগা অনিমাবু থুরুম য়োইথোক্লরবদা চেংলৌ মিকুপ-খন য়াইফ মতম য়েংনা যাত্রা থোঙশানখিরে। লাম্মী মরেংশা অথৌ লিচা হেপ্পা মশেনবু মশীঙ লাকঙমদনা ঙাইরোইনৈয়ে। ঢুলাই লেংদম তোংবা মশেন্নবু কোটি মপা য়াম্না সুশরি মুশরি কৌবা অনিমানচিংনা ঢুন্দভি-পুংয়াম-রৈ বেনু মনিম্নাই বিনা খুৎখৎ-তোয় বাশি থোজেল সুংনৌপোক মুরলি মাইফাংথোং মোইবুং থিনকাম্না লাংবন ভৌত্রি-খোং পেরে শিঙ্গা মনিম্নাই থোপধি রাকতোং মরাঙ-হৌ দগর নগর পুংয়াম-রৈ ধূলোক দলোক থোজেলচাউ শেনবুং মনিম্নাই কর্তাল তরেৎ শেনখিংথোই

মৃদঙ্গ থাংলেন পুংখৎ তোয়্না খোঙশাল্লে। কুমারী মথোক্লকপি শয়াং থমচেৎ শাবিরীশিংনা তাউজিং হৈনোনানা য়েংপবু পুলাং লুদা থোং দেঙতি মৈবুল খুয়া-পায় তরা চেঙ মচং জিল থোইদিং য়াউনা কবোক ক্যাম্লা চাইরবগা য়াইফা জুগার খোংলে। ভাস্ত অশৈ শকপনা অশৈ মুংওন শকলে। নোৎ খোঙথৈ নৌবশিংনা নৃত্তক চুগোই শারে। য়াইফ মপৌ চঙখোনবদা শিংঙ্ গদাধর মপুরেনস্তং বিজয় মতম ওইনরবা থৌজাল মিৎয়েং অগুম্না লান্মী মীয়াম থুংনা য়েংবি-রবগা শীপকপ মখুৎতোন চমপক লৈহাউ মানবা মহাক্লা যজ্ঞ মণ্ডপ-শা কোরৌ নোংশাকোনবু থাদোক্লে। থৌরম য়াইফা খোংশানথৌ অসিবু উরবগী কোরৌ নোংমদোন্দস্তং গন্ধর্ব্ব অশৈ শকপনা অশৈ মতা খিরে। বিদ্যাধরী চুগোই শাবীনা শমু খুৎথেক নৌরে। চীংঙ্ নোংথৌ সরারেম্-চিংনা, খোইমোম লাই পুম্নমানা লৈরিক নোংজুনগল্লে। থৌরম অস্তুম ওইনা কোরৌ নোংশাকোনস্তং মাইকৈ কাউরৈ খানা পাংবরম চৎখিরে। পার্থ অর্জ্জুন তেলকৈবনচিংনা লান্মী অথৌ-লিচা হেপ্পা পুম্নমাস্তং লাঙ্গোই মমৈ রায়না ইনখিরে। বৃষকেতু অথৌবদি মশানৌ ভদ্রাবতি চেংলৌ শককোয় হেনবীদা পাউমেল্লম্ ইয়ে।

হে প্রানপ্রিয়া চান্নবি-ও! নশাবী ঐদি পঙ্খৌ ইশাতোন অর্জ্জুন তেলকৈববু ঙাইয়োইননা লাঙ্গোই শগোল ঙাকময়-ও হায়রে। শানৌ নঙদি কুন্তি গন্ধারী স্তুভদ্রা দ্রৌপদি মরিমানচিংনা কুরু শাগৈরেনগী পলেম নমা নবেল-ঙাই পুম্নমাদা উনবি পুকানং চেৎনা য়োইন-থৌখল-ঙমএ হায়রবদা ভদ্রাবতি মশানৌনা "হে প্রাননাথ অয়োইব-ও! ইমান অর্জ্জুন তেলকৈবগা ঙাইয়োইনবদা পুক্লিং লাইরেক চনকয়োই। খোরমা নমায় ওল্লে হায়রবু নাত্তারবদি ইমান ইমু মাঙ্দা ইকাই কুমজিং মাইমু খোকপবু লাম্নংঙৈনে। রারম অসি মেল্লবদা বৃষসেন অকনবদি পুক্লিং হরাউথোইনা ইন্দানখিরে।

অর্জ্জুন লৌশিংবদি মাইকৈ খানা পাংবরমদা কোরৌ নোংশা-কোনগী লাঙ্গোই মতুং-ইন লান্মী মীয়াম পুনা চপ্খিয়ে। য়াবা খোজেলরাং

নোংশা লাপাউ-ডম পুং পেরে মনিম্নাইনা চৎখিরে। যজ্ঞ মণ্ডম শা অহুম্নুং শগোল লৌথারবনিগীনা লাঙ্গোই মনিঙ-ডম লৈরাই চাংজৌ ইম্না লমদম কয়া মরম্মু চৎখিরবদা মহেশ্বরপুর হায়না কৌবা খুঙ্গং মুঙাই থোইবা অমদা ফাউরুরে। গ্রাম খুঙ্গং মথাক্তা নম্মদা তুরেল লাইজা ইরিক্লাইগী লৈরাক চাংজোথক্তা মুংঙাই মনিম্নাইনা থুন্দাইয়ে। খুঙ্গং মনিঙ্থিম্নুং রাবম হায়হৌভাইবু লেতবে চৌংঙু নোংথো সম্নারেনগী অমরাপুর মুংঙাইবগী মুংঙাই মতম মানগুমরে। থায়না লহায়োংদি কাতিকাবিযাজূন পানবোম চাম্মা পানবনা নিংথৌ লেমাবুবু ওইরময়ে। হৌক্তিক মতম অসিদদি ধারা মাংঙান্দগী শমথরকপা কোলোয় মমিংথোংবু নিলধবজ হায়না কৌবা অমনা লৈবাক খুন নিংথৌবু ওইনা লৈঙময়ে। পাঙ্গল থোইনা মপা তমমরে। লাঙ্গোই মচুম তাবা শাগুম্নে। নিংথৌ মথোক্লকপা অড়ুনা নম্মদ লৈরাই চংজৌ মপান্দা শিংলেন ওইনম্বগী উদ্যান উমং মাবু শানশেমরে। শিংলেন লৈ উমং অহ্লাদ উন্থম অচৌকপা কানবি অশাউ থাবু নাইদনা বসন্ত শিংলেন লৈপান্থাগুম মশাংরে। লোইদাম থাবুম খুদিংবু রেনিং নংনৌ হুলয়ে। উমং মতিক মুংঙাইববু কনা হায়রম্মশবনো? নিলধবজ লৈমাবগী নিংথৌ মপারী যুবরাজ সনা রাপিহলদি প্রবীর হায়না কৌয়ে পাঙ্গল মপা লৈতে। লৈমা মশানৌ যুবতি মথোক্লকপী মথং লাইওইনবী মশেনবু লিশিং শুনা য়োইনা থোগলনৈয়ে। উনবি পুক্রিং হুইরে। মুজা লিশিংলক্তগী মগুরি লৈময়োনগুম্বী অহুমদংনা য়োইনা থোগল লুচিংরে। মরুম লিশিং শুবা মহাক্লা মপারী মুংচানবা মযোম মুংওনবী অমত্তবু পোক্তবগী চৈরে মকাফোং শিংলেন লৈয়াম-থেৎ চেংলৌ মশক শেম্না বন উমংলেন অড়ুদা কোবৌ নোংজা খুদিংবু মুংঙাই মথেই তোংনা শান্নেরে। যোমম্নু লেংনা তিনবী ঐখোয়দগী পারী চেংলৌ শক্লোই হেনবা অমত্তবু পোক্লরবদি মুংঙাই পুক্রিং পেন্দনা শান্নরিবা অসিদগী মতিক মতিক থোইনা হরাউবৈঙনে। অসূম নিঙখল্লিবৈঙদা কোগৌ নোংশাকোন যজ্ঞ মণ্ডমশানা চঙখিববু চেংলৌ মিৎথিৎলবদা

উনবি পূক্লিং ঙক্না য়েংনরে। কোরৌ নোংশাকোন্দো মনা মুনা লাংয়ে। লাঙ্গোই মচু তাম্নং কোরি চুদানৈয়ে। শগোল মথা ৱাংয়ে পঞ্চরত্তন ময়েক শুনা লাঙ্গোই মশা নোয়্নয়ে। ময়াঙ্ নোংশিং চৈরোয়নৈয়ে। কুমকুম চন্দন লৈম্নুংশিবু হকশাং পুন্না তৈয়ে। লাঙ্গোই মতৌ অসিনু প্রবীর অকনবনা উরবগী পায়মা মপুকন্নংদা ওন্না ওন্ন' নিংথনখিয়ে। শগোল চুদা-হেনবা অসিবু কোরৌ নোংমদেন্দা তাবকপরা মালেম লৈথারোন্দগী ফাওরকপরা? অত্যা লমখাঙ্-মগী থোক্লকপরা? লাঙ্গোই মতৌ অসিগুম্বদি চেংলৌ মিৎনম্নং তেরক্কে। নাকোং থোংঙক্কা ঊরেন্দম্নং তারক্কে হায়না উনবি পূক্লিং ঙক্না মিৎয়েং শংনা য়েংখিববু শগোল মরায়-বক্তগী সনা মপাক তোপ্পদা ৱাশক লাইরিক ইব অৎবউরবগী শগোল মশোঙ্ পায়না য়াঙ্না ফাকরবগা লাইরিক ময়েক পানা য়েংলবদা অহঙ্কার নাপল ৱাংববু লৈঙখদি কন্তিনা লৈপাক নুংঙাংবদা সনা লৈ-কোয়-কম্বা ধর্ম্ম যুধিষ্ঠির কৌববু লৈয়। নিংথৌ লৈকোয় কম্বা অতুনা বংশ শাগৈ হাৎপগী পাপ অকন্নবু শোঙবিবগী অশিপত্র চাবহেন অনববু হেন্না যজ্ঞ শগোল থাদোকখিবনে। লাঙ্গোই শগোল ঙাকশাদ ৱায়রা লৈশূ-হৈবা অর্জ্জুন পাঙ্গনবনচিংনা লাম্নী মপৈ য়াম্না চৎখিবনে। পাঙ্গল কনাগুম্বশিংনা গুণ নতিক লৈজরবদি শগোল থুন্তা থুম্বা ফাঙ্জ-ঙমগ। পাঙ্গল নতিক লৈতাক্লবদি লেংইহা পুকমপোংকা কোরৌ নোংশাকোন মহাক্কা য়াংলৌ লমখাঙ্-মাদা ঙাইখমক্রঙম-গ। চৌংঙ্ লাইরিকনুংগী ৱাহায় অকনববু নাতারবদা প্রবীর যুবরাজ মথোক্লকপদি কঞ্জাউ মখৈ লৈতনা পাঙ্গল মতিক ক্ষোং লাঙ্গোই অরাক তম শগোল মশোঙ্ পায়না ফারবগা লাঙ্গোই শগোলশঙ্দা কিনা থমহল্লবদা নুজা মরুপ য়াম্না লোয়নঙম্বা খৈবিকন্নং মরান লোনয়িময়ায়দা চৎহনখিরে। যুবরাজ অহনবা মহাক্তি কঞ্জাউ মৈরা হৌনা নিশধবজ লৈমাবদা কো-লোয় য়াথং নিগে হায়না নিংথৌ য়োইকোনুংদা চঙখিরে। মপা ৱাজা নিংথৌ পাঙ্গনবদা শগোল মনিঙথি লাঙ্গোই মরমচৎ পুন্নমান্নং ৱাশক লাইরিকনুংগী নাপল ৱাহায় খৈবিকপুন্নং ৱারম মতোল কোম্না

খঙহল্লুরবদা নিলধ্বজ লৈমাবনা হরাউ মথৈ লৈতনা "হে ইপারী ! হকশাং পাঙ্গল থোইব-ও ! কে'রৌ নোংশাকোন মহাকপু য়াঙ্না লৌথোক্লু-ও লাঙ্গোই মশক য়েংসে" হায়রবদা প্রবীর অকনবনা শগোল মশোঙ পায়না চিংলুরবদা নিংথৌ লৈমাবদি লাঙ্গোই মতৌ উবদা পুক্নিং কৈনা মুক্লবগী রাজ্য লৈবাক পুম্নমাদা হুয়েল লানশোক্লরসে হায়না য়াথং পাউপিথোক্লবদা ডুন্দভি পুংজাউ থান্না লৈবাক পুম্ন খোমথত্লে। ফিরোই মতিক মতিক ওকপবু শেত্না নিংথৌ সনা মথোঙজিন্দা চঙলক্লে। ডুলাই শগোল তেংবা হুয়েল লানশোক হৈবশিংস্থ লৈতে ফিরোই হোংলবগা খেনলেন মতম থন্না নিলধ্বজ নিংথোরেন্দি চায়নৌ সনা লুপা ডুলাই মখুৎনেত্তা তেজ মঙাল নাইনা যাত্রা খোঙশাল্লে। প্রবীর য়ুবরাজ মথোক্লকপনা লানফম মাঙওইনা চৎচেময়ে। মহারথি রথ ডুলাই শগোক তোংমাশেনস্থ কোটি লক্ষ লক্ষ শুনা নিংথৌ লৈকোয় ফম্বগা লোয়্নজেময়ে। চতুরঙ্গ পোংপোয় মঙান্নাই ডুমা তুমি কৌববু রাংলেন পুংয়াম-ইয়ে। খোংবু শিঙ্গা খে ং লাম্মী মরাঙ হৌনা হুয়েল লানশোকফম্ব য়োরবগা তেঙ্গোল চাউগোই শেম্না ঙাইখমলে। অর্জ্জুন তেলহৈবদি লাঙ্গোই খোঙ্গুল ভদরবগী লাম্মী মাগা লোয়নরকপা পাঙ্গল মপা তাম্বশিংবু পুম্না ভিম্না পাউমেন্নেয়ে। নীলধ্বজ অকনবনা কোরৌ নোংশাকোনবু পুখিরে। লানশোক মতৌ করম তৌনা শোক্লশিবনো পাউহংলবদা লাম্মী মীয়াম তিনবা কনান পাউথুম্নদরিঙেদা বৃষকেতু অথৌবনা হায়া পাউখময়ে। হে পঙ্খৌ ইপাতোন অর্জ্জুন তেলহৈব-ও ! হুয়েল লানশোক অসিগী মৈশা অরুম্বদি পাঙ্গল ইরাচাবু ওইজগে।

কোরৌ নোংশাকোনবু মুম্না নমাঙ শংশংবদা পুরকে। করিগী পুক্নিং সুংবু চঙলিবনো হায়না পাউমেল্লবগা বৃষসেন অকনবনি খাম্বী মৈরা হৌগুম কঙ্গাউ মথৈ লৈতনা লীরী খেনচোং-তিং লীরুং খোংজি খোংনা হুয়েল লানশোক হমদা চঙখিরবদা প্রবীর অকনবনা হায়া পাউহংঙময়ে !

হে গোষাই অথোইব-ও ! নঙবু পাঙ্গল নতিক লৈবা কনানো ? পঙ্খৌ নপা শাৎমাবস্থং করম্বনো ? কোলোয় নমিংথোংস্থং করি কৌবা ?

লৈবাক কদায়রাইগী লাকপনো? ইমাও শংশংবদা নাপল ময়ায় কানা চঙলকপা অসিবু থমমুং যম নিংথৌদা চৎনিঙবগী ভৌশাকলা হায়না পাউমেনঙম্বু নাতারবদা বৃষকেতু অ কনবনা পাউথুমখিরে।

রারম অমা অমা ওইরবস্পু য়াথং নপাউমেন অসিদি লৈখিগুনো। রায়রা ঐগী ভেন্‌র'ইখোন্দুম চেংলৌ নমিৎ থিৎনা য়েংও! নাপল ময়াই কাববু ভৌকিগুনো! অসুম পাউমেল্লবগা রায়রা ভেনবুম মরিদ'বু লৌনা কোয়ৌ নোংশাকোন মরিমাদা থাকরে। তেনবি অথৌবা অমনা লাঙ্গোই শাংথৌবী থলোই অথীবদা পালহল্লে! প্রবীর মহকশাংদম্পুং রায়রা তেনবুম মক্কবা অমনা থারবগী তেনবাল অনাখোম্না শা মহকশাংবু নীক্লা থাঙলে তেনবি চৈথাখোনবু ফংলবগী প্রবীর অকনবনা য়াইবি কলৌ নীক্লকপনি কোয়ৌ মুমিৎ য়ুংলিঙৈগী নোংশা মঙাল মৈগুম্না রয়রা মক্কবা তেনবি মপুম্মাবু রায়রা তেম্দোংমুংগী লৌনা বৃষসেন অথৌবগী উনবি চফম থিৎনা চৈপিরে। তেনবি অথৌবা মরিদংনা কোয়ৌ নোংশাকোন মরিমাবু ককথোকলে। লাঙ্গোই শাথৌবম্পুং রায়রা তেনবুম অমনা মাঙহল্লে। লানশোক অসুম ভৌনা বৃষসেন অথৌবস্পু ডুলাই লেংদমথক্কী মালেম লৈদা ভাত্রনা রাম্থখিরে। মতৌ অদুবু উরবগী অনুশান অথৌবনা চকমোম লমচৈ চাক্কুম ভানশিনখিরবগা রায়রা তেনয়াম কাপ তেনবি নোংজুননা কাপশিনখিরে। প্রবীর অকনবগী লুরাই কোইরেঙক্কা মুমিৎ মথোঙ উদনা খুমহৎপবু উরবগী নীলধ্বজ নিংথৌ অকনবদি কঙ্গাউ মৈরা-হৌ লানফম মৈশা লাংনা লাম্মী অকনবা পুম্নমাগা নোংশা লাল্লাউ চৈরৎতা নিংথৌ পাঙ্গল মত্তিক উৎ লানশোক মৈশা লাংনা শোক্লরবদা অনুশান পাঙ্গনবনচিংনা লানফম মীয়াম তুরবগী লানশোক লোংনা হন্না চৈরংলে। ঈঙাং তুরেল চেনগুমলে। মশা লৈথোম ওইনা লাংভ্যা মীশা চাবা লমহুই শাপাম্বনা শারেল শামৌনরে। কোয়ৌ নোংশাকোন লাঙ্গোই মোইশায়া পুম্নমাস্পুং মশীঙ খিঙমদনা নোংমলহল্লে। লানশোক মপানবু লৈহৌরবগী শৈব্যশাচী অর্জ্জুন তেলহৈবনা কঙ্গাউ মথেংফং চকমোম

মৈরাম্বুংদা লনী ঘী হৈজিনবত্নগুমলে। অর্জুন এবু লৈরিবৈদা লানশোক মতৌ থিনা থোক্লিবা অসিবু করিগীনো? কন্দক লানশোক অসিদি নিংথৌ লৈকোয় ফম্বা মহাকপু থল্লাই মক ফংনা নোংমলহল্লগে হায়না গাণ্ডিব লৌকং মখংশংবু রায়রা শেঙ্গম থোংনা সনা তেন্দোং ম্নুংগী কাপখিরিবৈদি তেনবি অমত্তনবু নডাইবা রায়রা লমখাং যৌরবগা তেনবি লিশিং থোকনা লানমী মীয়াম হিনবা পান্নুরবদি রায়রা লখা শুনা পান্নুবা তেনবু তেনবি চাম্মা চাম্মাদ বু মতম লিতং দনা কাপশিল্লরবগী মাইকৈ মরিনা মহাকপু অহিং থামম্বগুমলে। লৌলধবক লৈমাবগী ডুলাই শেনপিন চৈর ফিরাল শামী লাংমী শগোল শামু পুম্নমাবু শান্ধবী থামজো লৈপগুম কনথেল্লবগী লানশোক ওম্থোকপা অসিবু গঙ্গাদাস ইদেংম্মাগী ইচিল অমত্তনদি কনা হায়ডুমলোই।

মতৌ অসুম ওইববু চেংসৌ মিৎথৎলবা লৌধবজ নিংথৌ পাঙ্গনবদি অকন নোংয়েং-চেংবু শৌরবগী লাংগী মীয়াম, লানশোক হুকথেং কং মতৌ পান্দম লানডমদনা তেনবি লোংজুনকরে। অতৌব অগ্নিবান থাম্বী মৈগী তেনবু রায়রা তেন্দোংম্নুংগী শৎনা কাপখিনবু চারি চিথেক মরিমা মহাকপু থাম্বী সরীতোন রাংডাবু মওইরবগী অর্জুন পাঙ্গনবগী লেঙ্গোল মীয়াম হিংবা অডুশিঙ্গী পোংলোয় লৈতেংপোৎ পুম্নমাম্বং গুম্না চাৎরে। প্রলয় ম ডুলাইদমগী থাম্ডুম্দবা মৈগুমলে। থোরম অসুম তোনা লেঙ্গোল মীয়াম মুৎনা চাকশল্লক্রবগী অর্জুন লৌশং হৈবদি বঙ্গাউ মৈরা হৌনা সনা তেন্দোং ম্নুংগী বরুণ ঈশিং তেনবু খন্না গাণ্ডিব মখুৎশংদা থোংনা রায়র তেনরাই-খিববু লুয়েন লানশোকফমদে। জলাময় ঈরেনপুং লাকডমদবত্নগুমলে। অর্জুন রায়রা তেনলাইবগী মতৌ কবম্বনো ওম্থোকয়ে। সমুদ্র ঈরেনপুং কোঙ্গায়বু রায়রা তেনজিল থোংনা পুরিবত্নগুমলে। রারম অসুম ওইরিবা মহাকপু লাজা ঈশিং তেন মথক্তা মৈরা লামতম-লাম্ মাইকৈ মপোঙ-থন থাম্বী মৈৎমুং লৈতনা মচাকল্লিকয়ে। লাইজা ঈশিং তেনবু কংনা মৈচাক তেন্থিদবা অডুবু উরবগী পার্থ অর্জুন

তেলহৈবনা লানশোক- মতৌ করম্বনা থাম্মী মৈমুংহনশিবনো? থোইমোম নোংদম্বা মখোথাগী তৌশিকলা হায়না উনবি ফুংবং চঙনা পায়মা ইরৈ চললে। মায়থোং চাইফং কংনা লৈকং মখুংশুংবু চুলাই মখুংনেত্তা থম্লবগা শমু মপুং অনিমাবু শোম্না থাম্মী মেরেং অরাববু য়াথং লৈশ লৈগেংজখিয়ে। "কে থাম্মী মৈত্রেং অরাব-গ নঙবু থোইমোম লাই মহাকানে। থাম্মী মৈরেং অরাবা নঙনা অর্জুন ঐবু চাকপিগুনো। থাম্মী মেরেং কেন নঙবু শোঙকিবনা থরাই ইমিরেনবু শমু ইহকশাংদা পকপিরোইদোশিল্লকসে। লাম্মী এগা লোয়নাব্রবা অসি থৈবিকপুস্প চানপিদনা ঙাকপিয়ে। লানশোক মতম চাদরবা অসিদা কে আয়াদেব অথোইব নঙবু ঙাকপি থোঙ্গাল হৈয়ে হায়না বেদ লাইয়িয়েক্কী নাকাইয়ে। তাংজা নইরংতোনবু হয়েং পাললে। নমিং পিঙ্গলা গুইনা নগোম অহুম শুইয়ে হায়না পাউমেন্নবিবা অড়নে। রাম মতৌ অমম্বুং থায়না লহামোং শ্বেতশাব হায়না কোবা রাজা নিংথৌরেনন থাম্মী মেরেং অরাবা নঙবু ঈডাং পুক্মঙ্গবদা পুক্লিং করাউ থোইনা পেনবিখিরবগী মঙাল অশাবনু মাঙ্থবয়দা চেংলৌ নশক অঙ্গাংবা রাংস্তাদবু নঙাকরবা নত্তনরা? মতম অড় নোংদা শ্রীকৃষ্ণ ল ইয়ংথোগ অর্জুন ঐগা ঙাংরোইননা থাণ্ডবন উমংলেনবু থাম্মী মৈগা থানা চাকহল্লুহৈদা নঙাল মেশা মাঙ্লবা অগ্নবু অমরক হঞ্জিনহনবা কৃষ্ণ লোয়না মপান্তাউ অর্জুন হায়না কোবা অগ্নবু এনে। কারগী ঙনবি পুক্লিং নঙশিং লৈতনা থোকাউরিবনো? থাম্মী মৈরেং নঙগী ফুংঙাই পুক্লিং পোম্নবু অর্জুন ঐনা তৌজরকয়ে। কারগী থোঙ্গাল লম্মুক্লরিবনো? রাম মতৌ অমম্বুং বংশ শাগে হাংপগী পাপ অকন্থবু শোঙকিবগী সজ্ঞ মঙম তৌগে হায়না লাঙ্গোই শগোল থাক য়রকয়ে। কোরৌ নোংশাকোন অদুবু ঙাক্লনবা লাগ্নী পুষ্পমাবুদি থাম্মী মৈত্রেং নঙ্না চাকহংলে। পাঙ্গল করিগুম্বনা ঙাকশিবনো হায়না য়াথং মশীং য়াম্না পাউমেজ্ঞববু কোয়য়াদনা মচাক মতৌ অনৌ-অনৌ থোইনদ্রম মচাকশিল্লে হায়না পাউমেনববু নাত্তারবগী জন্মেজয়

নিংথৌরেন্দি ?নবি পূক্নিং ওল্লবগী শম্নু মথুং লোম্না মুনি লাইবু নিঙবদা পাউচংজখিরে।

হে মুনি অথোইবা-ও! থৌরম মতৌ অসিবু নিংথৌ ঐনা নাত্তাবগু উনবি থোইনা পূক্নিং ওকলে। খাঙ্নী মৈগী তেন্না মৈচাক চৈরং লৈতবা অসিন্ খারম মথং শীন্না বাতন্থি-ও নায়রবদা খান্বা মেতাল লাঃগুম্বা জয়মুনি অথোইবনা পাউমেনরে।

হে জন্মেজয় নিংথৌরেন ও! করিগী উনবি পূক্নিং ওকলিবনো? চকমোম মত্রেং অরাবনা মেচাক কনাংতাবদবা অসিবু নীল নক্ত নিংথৌ আসনী মমোম লৈমা নিংথিবী কো সায় মাম থোংবু স্বভাবতি তায়না কোবী অমা লৈরে। নীলনক্ত পান্নবগ লেখা মশাগী মালা পায়মা লিনচুক্কী স্বভাবতি কোবা অদুবু নিউথি মতে থোকনা উনবি পূক্নিং ওকলে। চেংলো শকপানথোংবু মমন মখিব ন কনা অওক থোকনা নিংচইরে। তাংসা মশা থেপনা কাউরক লাকশমরেনবু উমদেগে। লাংবক থেনলাঃলাংসু ন দম নানা পানবা থাগমরে। পিংশম পাগোঙবরেবু চাংউ, নোংগো কংরেনবী থাকং মথুংশ্যমন্নে। মিৎয়ে থানা য়েংলিবদা থোংনাম লাক ও কৈবং মী চাং উ লাক লিংচ পূম্নমক। থবায় মপাক লোয়না মিৎয়াং খুতম হোংলিংদে। মায়থোং মণ্ডাল নাইবন কোয়রো সুনিং তরামথানি পানবা থ গুমরে। চিনবাল মোচকাসয় পু খাবক কয়াল কেপ্তুমগে। ওকশম লোউনা হেনরে। খ্বাং পমাংচেংবু থোয়রাং খাংদাননা থবাক লোংকন রাংয়ে। ফুন তাপান হরাং চানবু সনা পুলাং থিন তনরে। চেংলো মখিৎ অনিমানা মাচানৌ কচি মিংহুমরে। পানবায থম্বো লৈরা য়োনজুম নিউথি মকো হেনগ কনাম পানবুম নাশ্নপুন্নং লেমপ্রাগুমরে। থোঙথাং কাংডা লমচংলৈরে। মচিল মাপোল নোকপদা পঞ্চপ্রাণ মতামাবু থোক্না চোং-থোকরে। পাখণ্ড লাংচং মথোল্লকপা থৈবিক্রা থরাই মপাল লোয়না থাদেরে। তাহবং লোশাপাল আমদা মোমন্নু লেংনতিন্বী থৈবিক্তগী মুজা নপোম নতাহবত্রুগুমরে। থোইমোম লাইনু নিঙবা মুনি অথোইবা

মহারবু নুজা মাবু য়েংবদা থ্যান পুক্লিং লেপঙমদে। মতৌ অসুম ওইবা নিংথৌনচা লিঙথিবা অজুনা চৈরৈ খোইদোম্নরিবৈভগী মথৈবু খাম্বী মৈত্রেং অরাবদবু স্বামী মপু অরোইববু ওইজগে হায়না ইরাৎ পুকনজৈয়ে।

খোরম অসি মতুংগী নুজা লাংজেং মথোল্লকপদা মপা রাজা নিং-থোরেন্না পাউহংখিয়ে।

হে হংমোম নিংথিব-ও! নঙবু পুক্লিংনা তা নবা করম্বু লৈবনো? হায়না পা ওহংজবদা স্বভাবত অংকনবানা পাউখুমখিয়ে।

নমে ন প্রজা পুক্লিং ইত্তা-নবদি চকমোম খাম্বী মৈত্রেং অরাববু হেন্না লন কনা লৈতরে। য়োক্সমম্বা হাডদনবা লোইদাম খাজ পা-খংবা লল্লা। মহেশ্বর চাংঙু লোংখো সরামেন খোইমোম অসি খৈবিক্লি লৈমা হংপা-নববু ওইদে। ব্রহ্মা লাংয়িংথোম্নং মচিন মার পানয়ে। লোংলোক মহাদেবস্নং মালেম বিভূৎ চৈতয়ে। চাংঙু সরামেনস্নং গুরু-পদি লোকফদবীবু পুক্লিং কারণ চল্লবগী মমিৎ লিপিং পানলে। খোই-মোম মখোয়মা লেমা মশানোন্নু ওইনা লৈনিংদে হায়না পাইখুমনবদা মপা রাজা নিংথোরেন্না পাউমেনাইকয়ে॥

খাম্বী মৈত্রেং অরাবস্নং মনাক লংলাবদা নক্লিচৈদি গ্রামদ মঙাল অরাববু থোহনা শাইদে। মঙাল মৈপা কনবা নাক্লা কয়ম্না য়োইনা থোগল চমগবনো হায়না পাউমেনববু নাতারবদা মমোম লৈমা নিঙ-থিবীনা নতৌ অচুম ওইরবা মহাকপু নমোম হৌদি চকমোম মৈপী নাক্লা য়োইনা থোগজগে মনিঙজরে হায়না পাউমেন্নরিবৈদা খাম্বী মৈত্রেং অরবনস্নং ব্রাহ্মণ লাইওইনববু শুইনা নিংথৌ মাঙদা থানা উৎলরে।

হে নিংথৌ লৈমাবা-ও! খাম্বী মৈত্রেং কোবা খোইমোম লাই অচবু এনে হায়না পাউমেন্নববু নীলধ্বজ নিংথোরেন্না ব্রাহ্মণ মশক ওইবা নঙনা চকমোম মৈথাংখোনে হায়না পাউমেলবা অসিবু নিংথৌ ঐনা পুক্লিং থাজ তমদরিয়ে। চেংলৌ নশক অবেপ্পা মহাকপু নিংথোন্নে। তাংজ সুরেনতানবু মকোক অনি পানয়ে; নাকোং মরি শুইয়ে তাংজা মরৈতানস্নং তরেং শুনা মখোঙ অহুম পানবগী

মঙাল থোইনা শাবনিগীনা তাইবং নমু পোংওইবা খৈবিক্লা চেংলৌ মিৎথিৎ ডমলুদে। মতৌ অদু উরবদা নীলধ্বজ অকনবদি আক পুকনিং চঙলবগী শমু মখুৎ লোন্না হে হবুঙো চকমোম মৈানংথো! শেংউ-মোম লাই ওইনবা-ও! নশক অরাবা নঙাল অশাবনু খঙজরে নতিক অরুববু হনজিনবিরো। ইমোম লৈমা নির্ভথবানুঙ্গং চকথেম নখোঙ খাদা কৎচরগে। নঙাল অশাববু ফংদনা নিংথৌ এদু য়োক-পিবঙুম লনকুবিয়ো হান্নবদা হে নিংথৌ লৈমাবা-ও। পায়মা নঙ ঊনকোয়নুংদা নিঙালবা খোবকপু মুংঙাইনা নিঙথু'না তানফংও হায়না য়াথং পাউপিনরবদা লাঙ্গা নিংথোরেননা মমোম স্বাহাবাহ অহেনবীনু খাম্বী মৈত্রেং অরাবদা পুহোং নডম লোবরে। জৈমুনি অংগোইবনা হে স্মসেঘায় নিংথোরেল ও। মরম আসিগীনমক্লা অর্জুন তেলহৈবগী ভক্তি মথাথংবু হোয়রাদনা অতুনে। মরম অদুম তৌনা চকমে ন মরাঙ হৌনা চাকাশল্লকপবু ভরবদা ধনঞ্জয় অকনবাদ নমু মী মংথ নত্তবনিগীনা কঞ্জাউমথৈ লেঙনা পাডমেনাখয়ে।

হে খাম্বী মৈত্রেং-ও! অর্জুন এনা লোংবরু হোয়য়াদ থবা অসিদা পাঙ্গল নংগী নথৌ লোয়বমথেবু মচাকাশল্লকলো। থুদেল লানশোক মতমদাদ শঙ্কর মহাদেব মহাকপুঙ্গং শোঙাক পুকান' লৈতবা অদুনে হায়না অর্জুন তেলহৈবনা পুকানিং কঞ্জাও থোইরবগী নারায়ণ হায়না কোবা শংগা অথোঙববু রায়রা তেনরাকরগে হায়বগা সনা তেন্দোংমুংগী শংথোকলে। নারায়ণ মখুৎশ অদু মতিক অথোঙ বাদ রায়রা মতিক ফংনা কনা হায়হৌরাশবনো? তেনবি নঙাল অরাবদি মায়কৈ মথোঙ তরামাদা ঙাল্লিবা মুমিৎ মঙাল অশাবনু ডমজৈয়ে। তেনথোক সনা য়োমমেয়ে। তেনশক মফম খুদংদা হীর মনিক মানিক থামমেয়ে। রায়রা তেন্দোংমুংদা লৈরিঙৈ মহাপ্রভু লাংতা লমহুই আনিমাবু লোইহা পুরমলৈয়ে। তাইবং নমু পোং-ওইবা খৈবিক্তি লৌথজুনো। খাম্বী মৈত্রেং মহানবু আক পুকনিং ফাজিল-লল্লবগী অর্জুন তেলহৈবদা য়াথং লৌশি নৌনা পাঙমেজ্ঞেয়ে।

হে পার্থ লৈশূ ৈহব-ও। কোরৌ অসি মুমিংথাবু ঙাকপি ও। থমজুং যম নিংথৌগী নমু মীহাৎ-চৈগুম্বা রায়রা নখুংশূবু কাপশিল্লক্লবদি খাম্বী মৈত্রেং অয়াবা ঐবু লায় লমথোঙ লৈতরে। অর্জ্জুন নঙোন্দা রারম লৈশি থোইনা পাউমেজরবনে। পাপ করি লৈবগী যজ্ঞ মণ্ডম অচৌববু তৌরকলিবনো? ননাক শংশংবদা লৈরিবা কৃষ্ণ লাই-মরুবুদি নমদা হুন্না করিগী যজ্ঞ মণ্ডমথৌবু তৌরিবনো? হরিনাম মন্ত্র অরুবা অসিদি লাইশোন ময়াই লৈবা খৈবিক্তগী মন্ত্র নিংথৌরেয়ে। থোইমোম লাই পুন্নমাগীসুং ভগবান লাইমরুনা নিংথৌ মরু ওইরিবা অদুনে। মতিক অসূম ওইবা মাধব অথোইবগী কোলোয় মমিংথোংবু না-তাজবা মহাক্তবু মহা পাপপু কৌক্লেয়ে। হে অর্জ্জুন লৌশিংব-ও রারম অসি খণ্ড্না চীংণ্ডু কোলোয় মমিংথোংডুম শোঙ্জৌও! পাপ অরুম্বা খৈবিকপু মদোম কোকখিঙৈনে। নারায়ন মখূৎশূদো রায়রা তেন্দোংসুংদা হঙ্গিনবিরো! যজ্ঞ মণ্ডম শাসূং পিরক্লগে। নীলধ্বজ অকনবসুং হুয়েল লানশোক্লহল্লয়োই হায়না পাউমেনববু নাতারবদা অর্জ্জুন অকনবদি নারায়ন রায়রা মথূৎশূবু কাপ্লমদনা সনা তেন্দোংসুংদা হঙ্গিলগে। খাম্বী মৈত্রেং অথৌবসুং মুর্ত্তি মশক থোক্লা নীলধ্বজ নিংথৌ অকনববু তানা চৎখিরে। মমান নিংথৌ লৈমাবদা "হে নিংথৌ অকনব-ও! নংগী লোয়্না চান্না নচা নশূ পুন্নমাগী থরাই মমিয়েনবু হিংহল্লগে হায়রবদি কোরৌ নোশাকোনবু পীনা য়োইন। থৌজাম্নরুরো রায়রা মাগী মতেন্চা অত্তদি কোরৌ নোংশিং মহাক্তা পান্দমনৈয়ে। তেনবি কনানা মাইয়োক য়াওমদে। রারম অসি খণ্ডন পায়মা নপূক শাউববু হনজিল-ও হায়না খাম্বী মৈত্রেংগী কোলোয় ময়াথংবু নাতারবদা নীলধ্বজ নিংথৌরেন্দি সনা য়োইকোম্ন্ংদা চণ্ডখি-রবগা পাতেশ্বরী মশ'নৌদা রারম-শুনা পাউদয়্ইয়ে। খাম্বী মৈন-চিংনা নিংথৌ ঐসুং ইপারী প্রবীর অকনবসুং চেংলৌ মাইখি নংনা-হুয়েল লাঞ্জেল্লকলে। অর্জ্জুন মাগী রায়রা তেন্বাইখোল অদুদি মালং নোংশিৎ অকনবা মহাক্লবু রায়রা তেনলক চঙ্না শিৎচিৎ ত্তমদে।

মরম অসিগীদমক্লা অর্জ্জুন তেলহৈবা অদুদা লাঙ্গোই শগোল-পি থোজাল য়োইথোম্না চাম্ররসে হায়বা মপাউমেনবু নাত্তারযদা রানীশ্বরি জ্বালা লৈমাবিনা পাউথুম্নকয়ে। হে নিংথৌ ইশাবী-ও। য়াথং নতিক নত্তববু করিগী পাউমেনবনো ? লৈমা ইমান্নবী পাটেশ্বরী ফম্বাল ফম্বিশিংবু তা'ঙ্গা ইকাইরুইয়ে। পাঙ্গল করি রাৎয়ে কায়বগী শকম কোন্দা কিনা থগ্রবা কোরো নোংশাকোনবু পিরুসিবনো ? ক্ষত্রি ধর্ম্ম অথোইববু ঙাকথিঙৈনে। শগোল শামু খোঙমী লানমী ইপারী প্রবীর পাঙ্গনবনচিংনা পাঙ্গল করি রাৎপা লৈতরিয়ে। হুয়েল লানশোকফমদা নোংমল্লবস্ত' কোরো নোংথৌ কাঙৈনে। লানফম ঙমজরবস্নং তাইব' নো'শাপান্দা কোলোয় মিংলেন চৎএ। অসূম পাউমেনববু নাত্তারবদা নিংথৌ ?পমাবদি তা জ ইক ইফরবগী লৈবাক পুম্না হূপ লাম্মী মীয়াম পুনা চৎখিরে।

অর্জ্জুন লীশূ হৈবনা চেংলো মিংথিৎঙয়বগী লানশোক মৈশা লাংগুম তেনবি নোংজুননা নীপববক লুরাই কোইরেম্বক্লা উপ্না কাপঙময়ে। লানশোক হকথেং-কং মতৌ পান্দম লৈত তেনবি চাম্বা চাম্বা শুনা লানফম চৈরক খায়না কাপশিনখিরবী লানমী মীয়াম? শগোল শামু মশীং য়াম্না কাপথুরে। নরাস্ত্র তেনবি কোদাংকোন শাবা অমনা নিংথৌ সনা মহকশাংদা পাপহল্লে। ভিদিবান নাহুনশাবা রায়রা তেনবুমমানা লাঙ্গোই শাথোববু ককথংলে রায়রা শেংকেং শাবা মরিদংনা কোরো নো'শাকোন মরিমাবু নোংমপহল্লে। নিংথৌ লৈমাবাদি অর্জ্জুন মাইয়োক য়াঙমদনা লানফম নমদা হুল্লমলে। তেনবাল থনুং থিংলবগী চিনবাল মোইকাই-কং হকচাং মচু ওন্না সনা য়োইকোননুংদা রায়থুংলুরবগা লৈমা মপানৌ পাটেশ্বরী অহেনবীবু য়াথং সিথি থোক্লা চৈহৎলুরে। হে পাপগী! সুজা মীমাতোন অত্তোনবী-ও! নঙনা থৌরম অওকপা পুম্নমমাবু মাঙহল্লে হায়না য়াথং অথা থোক্লা য়াকহৎলম্লবগা লোইহা পুরুমপোৎ অয়াম্বগা কোরো নোংশাকোন মহাকা অর্জ্জুন মথূৎপাক্লা কৎনা বাকৎচখিয়ে।

হে অর্জ্জুন তেলহৈব-ও! নিংথৌ ঐবু থৌয়ম করি ওইববু তৌসে হায়বনো হায়না পাউহংলবদা পার্থ তেলহৈবনা হে নিংথৌ লৈমাবা-ও। কোরৌ নোংশাকোনবু ভাকপদা ভাইরোইননা যজ্ঞ মণ্ডম অচৌববু পাণ্ডহল্লসে হায়রবগা নীলধ্বজ অকনবদি মপারী প্রবীর মথোক্লকপগা লানমী মীয়াম পুনা অর্জ্জুন তেলহৈবগী হৈনা মতুং ইনখিরে। অর্জ্জুন পাঙ্গনবদি য়াইক মথোই তোংনা কোরৌ নোংশা-কোনদো মমায় খানা পাংনা চৎখিরে।

জ্বালা লৈমা মশানৌদি পুক্লিং নুংঙাই কংদয়বগী পংদ্বী মপা দৈবক নিংথৌরেনবু ইন্দানখিরে। লৈবাক মমিংথোংদি ঝকদেশ হায়না কৌয়ে। ঝকদেশ লৈমাবা অদুদি পুকনিং ধর্ম্ম চেলয়ে। থরাই অপকমাবু থৌজাল লাঙ্গোন হৈয়ে। নিংথৌ অথোইবা অদুদা লৈমা শমু মথুৎ লোয় পাউমেজ্ঞরুইয়ে। "হে নিংথৌ লৈমাব-ও! নমোম নঙনা পোকপিনে" হায়না পুকনিং থৌজানবিরবদি নমোম ঐগী য়ায়ম অকববু ওইনবা তৌবিয়ো। অর্জ্জুন তেলহৈববু প্রাণ থবাই হাৎনা পুকনিং ঐগী অরাববু কোকহনবি-ও হায়না পাউ-মেনববু নাভারবদা দৈবক নিংথৌরেন্দি তাংজা মাগী লুয়েপ্তোন্দা কোরৌ নোংশীঙ্জংনা ভারকপদ্রগুমলে। য়ায়ম নত্তবা মতৌ থোক্ক-রাবু করিগী পাউমেল্লিবনো অর্জ্জুন পাঙ্গনবা অদুদি ভীষ্ম, দ্রোন, কর্ণ অহুম্মাবুম্নুং থোইমোম লেংনা ত্তিনবদগী চাংঙ্ মহাদেব ইন্দ্র সয়ারেন থোইমোম গন্ধর্ব্ব মথোয় অসি খৈবিকপু পাঙল মমাঙ্ খাঙদনা ভম-জরিবা অদুনে। য়ায়ম মতৌ অমম্নুং লৈমা নথংথনবু হেনথোক্লবী নঙবুদি চেংলৌ শকউনহৈদে। নিংথৌ ঐদি তাইবং নোংশাপান্দা পোক্লরোই হায়না য়াথং অথা থোক্লা চৈহৎলে। নিংথৌ ময়াথং অথাববু ফংলবগী মমোম লৈমা নিঙথিবীদি সনা য়োইকোম্নুংগী থোকখিরবগা মপান অশংবদা মদোম নিঙথজরুইয়ে। য়াথল মরু ওইববু তানফংলুরবগী য়াকটৈ হি-মা তোংনা গঙ্গা তীর্থ ইরিক্লাইদা য়াথং লৈথোজরুইয়ে।

হে সুরেশ্বরী গঙ্গা মিয়াশেং-ও! নঙদি নমু মীচনথি খৈবিকপু লানবি-হৈবী চাংঙ্ মহাদেব থোইথোইবগী শল্লাং জটাপুংদা নকম

মুংঙাইববু ওইনরিবী হে ইমা থৌবী ইয়াশেং-ও ! পলেম নঙবু শোক্লববু তানফংজরবদি মপোক লাংওন লথারকী পাপ অরুম্বা থৈবিকপু কোক-নরিবা অচুনে। অসুম রাকৎচববু নাতারবদা গঙ্গাদেবী হৈরেমনা পায়মা পুক্নিং পেনখিরবগী নমু মীয়াম উহন্দনা লৈমা মথমতা দেবী মশক অরেপ্পবু জ্বালা মমাঙ শংশংবদা উৎপিরবগা হে লৈমা নিঙথিবী ও। বর মরম করম্ববু নিনিঙবগী দেবী ইতিক অরুববু য়াথং ভক্তি তৌনা থাগৎ-লরিবনো? কায়না পাউহংলবদা জ্বালা লৈমা অহেনবীনা শমূ মখুৎ লোয়া রাকৎচখিয়ে। হে ইমা গঙ্গাদেবী লাটরৈমা নঙদি পুন্য অথোইবগী ভুখুন ইরিক্লাইবু ওইরিবা অচুনে। গঙ্গা নফমলেন অ০দি খাম্বী মৈত্রেং মালং নোংশিং অয়াঙ্‌বনচিংলিবা থৈবিকী নিঙলি মরম অয়াম্ববু মাঙ-হল্লিবী নঙগী নপারী ভীষ্ম পাঙ্গনববু অর্জুন তেলহৈবা অসিনা কুরু-ক্ষেত্র মফমলেন্দা নোংমহল্লে। নপারী অসিগুম্বনা অর্জুন মখুংপাক্লা নোংমনববু করিগী থৌকাউবনো? নপারী তরেৎ শুবরক্তগী ভীষ্ম পাঙ্গনবা অসিবু হস্তিনা লৈবাক চারবা শান্তনু মখূৎপাক্লা পীরম্ব নত্তু-বরা হায়রবদা গঙ্গাদেবী অহেনবীদি মপারী ভীষ্ম পাঙ্গনবগী মতৌ অয়াম্ব থৈবিকপু মুংওন নিঙ্‌শিংলুবদা রারম থঙলৌ ঙমদনা য়াথং অথা থোক্লা মীচৈথিয়ে।

হে অর্জ্জুন তেলহৈব ও! নঙনা ইপারী ভীষ্ম মুংজানববু প্রাণ থরাই লাৎয়ে হায়রবদি অর্জ্জুন লীশূ হৈবা নঙস্থং নচা নঙনা পোকপা বভ্রুবাহ মখূৎপাক্লা য়োন্দনা নোংমন-ও! অসুম মীচৈরম্লবগা গঙ্গা লাইরৈমাদি চেংলৌ মশক উদনা মাঙখিরে। জাহ্নবী গঙ্গা মীচৈথোন অসিদা থৌরম কোক্ল-রাবু পুম্না লৈতরবনিগীনা জ্বালা অহেনবীদি হরাউ মথৈ লৈতনা শমু মহক্কশাংবু নমদা হুম্না থবাই মমিরেম্নদি বভ্রুবাহ অকনবগী রায়রা তেন্দোংমুংদা থাজা মচেৎ শাবা তেনবু ওইনা লৈরুরে হায়দবরা ?

জৈ মহামুনিরেম্না "হে জন্মেজয় নিংথৌরেল-ও! মহাভারত অথোইবা অসিবু অমৃত লৈহি অথুম্বনা লৈরিক নোংজুনবচুগুম্বনে। উনবি পুক্নিং

পিনা নাতাঙ্গরবদি লাম খুভমলেন অথোইববু লেপ্পা ভানফংয়ে হায়না সাহ্বিবর সেন মপারী শ্রীগঙ্গাদাস লৌশিংবনা মুংঙাই মীয়োল ওইনা লেংথোক্লগা অসিবু হে নমু, মীওই চঙ্খোনবশিং-ও। নঙখোয়দি মচিল রাম রাম শোয়া নাতাবি-ও॥

---

## ৬ শুবা অধ্যায়

রায়ম মতৌ অমসুং মুংশি মথৈ লৈঙরবা থৈবিকপু মুংঙাই মরুপ ওইবিরিবা জয় যাইফরেন মাইফবা শ্রীকৃষ্ণ থোইখোইববু তাংজা লুদ-থোংনা হয়া হয়া খুরুমজরবগা থোরম অসি মতুংগী রায়ম মতৌ অমবু তেংথা পরেং শীয়া শৈথিরকে।

অর্জুন তেলহৈবদি যজ্ঞ মণ্ডম-শাবু থানা চৎখিরবগী হস্তিনা লৈবাক মুংঙাইবদা ধর্ম্মরাজা নিংথোয়েমা তৌরিবদি ব্যাস মুনি মপাউ-তাকপু কায়হন্দনা ব্রত তরা চাহেন হৌগংলে ব্রাহ্মন লেংন-তিনবা থৈবিকত কাউরেন মনবি লক্ষা লক্ষাসু শগোল শামু মথৈ-মাম চৈরৈ ফিরোই মশীংশু সনা খুজোক পীনা দান লনয়েন থোইরে। হস্তিনা পাত্র লেংনা তিনবনচিংলিবা মালেম লৈবাক পুম্নমাকসু নমু মীথায় নাইদা ফিরোই মপুম থিনা মুংঙাই পুকনিং পেলহল্লে। নাহা শুবী হমু-হনবা তনবা মীপারুপ মোমসু মুজা ওইবিবু উনবি মথাক নাইদনা কোরৌ নোংজা খুদিংবু লনয়েন চৈরেপ নাইদরে। ধর্ম্ম মরমচৎ অসি-শুগবু নিংথৌ মমায়বা কনানা তৌঙমদরিবা অত্রনে। কোরৌ মুমিৎ খুদিংবু চিঙ্গাক নিপাল চানা পুকনিং থোইনা শেংয়ে। নোংজা শিংওন-খিবা থৈবিক্তা আশীপত্র কোবা থাঙলেন মাইওইববু খমা মাতাইয়ে। পণ্ডিত সভা লেংনা তিয়া ভাগবদ বেদ পুরান আগম নিগম পুম্নমাবু কোরৌ নোংজা খুদিং নাতাইয়ে। মতৌ অসিগুম্বা অমত্তসুং নিংথৌ

লমচৎ মহৌশাবু হোংদোক্তে। ধর্ম্ম রাজা নিংথৌরেনগী থোইমোম লাইনিং মরমচৎতি অসুম লৈজহল্লমগে। ধনঞ্জয় পাঙ্গনবনা লীরুং খুত্ত-শূনা শগোল মতুং-ইন নমু মীয়াম পুনা চৎখিবদো কোরৌ নোং-শাকোনদি লাঙ্গোই মনিঙ-তম্না থাদোক্লবনিগীনা পামেল উমং অশোঙবা চীংলেন পলংলা রাংথোইবা খৈবিক্তা মকাখৎখিয়ে। যক্ষ গন্ধর্ব্ব কিন্নর খোইমোম লাই অসিশিংস্তুং লৈঙময়ে। উমং সুংঙাই পুংঙাইবা অদুবু চেংলৌ মিৎনা য়েংখিবদা থোইনা উনবি পুক নং হুইয়ে। নমু মীওই চঙখোনবা মুনি ঋষি অথোইবা হরি ভক্তি অচেৎপবু চৎচখা ব্রাহ্মন বৈষ্ণব পুম্নমাক্ক লৈঙময়ে। য়াউরৌ-শ। পোনবি উচেক পামেল উ উরি থাঙয়েৎলৈ অসিশিংনা মপাল মহৈ মঙাল নাই, শিংলেন লৈপান থাগুম য়েম্নিং মানৌ হুনঙময়ে। খোইমোম লাইগী নোংদম্ন কোরৌ নোংশাকোন অদুদি তীর্থ উমংসুং অদুদা চঙখিববু তম্না থৌদ্রু নৃঙগী মশক-ওই শগোল লেঙথোক্তনা লৈরুরে। যজ্ঞ মণ্ডমশানে হায়বগী খুদম মতৌ লৈতরে। লানফম মাঙওই চৎখিবা পাঙ্গল মঙাল চাউবশিংনা চেংলৌ মিৎখিৎলবগী পুকনিং ইরৈচম্না অর্জ্জুন তেলহৈবদা উমং মতিক তম শগোল মতৌ হায়না থঙহল্লুববু অর্জ্জুন পাঙ্গনবা মহাকস্তুং পায়মা সুংবং চঙলবগী প্রদ্যুম্ন অকনবনচিংলিব হকচাং পাঙ্গল মথোক্লকপা খৈবিক্লা লাঙ্গোই মতৌ য়েংলবগী শাজৈ খোমওন য়েরুবম্ব থৌদ্রু লেঙদ নূংবু ওইনা মরৈরবনিগীনা লাঙ্গোই মতৌ ওম্নোকয়ে। থৌরন করিগীদমকনো হায়না অর্জ্জুন তেলহৈবদি পুকনিং ইরৈ চলনা মুনি মফমলেনবু ইন্দানখিরবদা শৌভরি হায়না কোবা মৈরী মতম মানগুম্না তেজ মঙাল চাউবা মুনি, খোইমোম লাইবু নিঙবা অমা লৈঙময়ে। মুনি মরান য়োইকোম্নংস্তুং থোইনা নিংথি পুকনিং হুইয়ে। মকম সুংঙাইবা অদুদা দেবক মপারী লেংন তিনব-শিংগা শাস্ত্র লাইরিক অথোইবগী বারম অরুববু বিচার রাথিননা লৈঙমদা ধনঞ্জয় লৌশিংবনা শমু মখুৎ লোম্না পাউমেজরুইয়ে।

হে মুনি অথোইব-ও! নঙবু চেংলৌ মিৎকুপ মরমদবু উনবি পূকনিং ভগ্নিয়ো! হস্তিনা লৈবাক সুংঙাইবদা ধর্ম্ম যুধিষ্ঠির নিংথৌ-রেম্না লৈবাক মপুরেনবু ওইরিয়ে। মাগী মশানৌ অর্জ্জুন রায়রা তেনহৈব-ও হায়না কোলোয় থোইনা মিংচৎলিবা অদুবু ঐনে। শাগৈ থরাই হাৎলবগী মহা পাপ্পু কিবনা অশ্বমেধ যজ্ঞ মণ্ডম ভোগে হায়বগী লাঙ্গোই শগোল থাঙ্গরকপবু মকম করিগুম্বা অসিদা কোরৌ নোংশা-কোন অদুনা থৌত্র সুংমা-কন্ চেংজা লেপ্তববু ওইনা লৈঙম্নবা অসিবু মরম করিগীদমকনো হায়না পাউহংলুববু মুনি লাইবু নিঙবা অদুনা কোলোয় য়াথং নোক্কা পাউমেনঙাময়ে। কোরৌ নোংশাকোননা থৌত্র নূঙবু ওগ্নিবা অদুদি মুনি ঐনা মথঙলিয়ে। হে পার্থ অর্জ্জুন তেলহৈবা নঙবু হেম্না ভাইবং নোংশাপাল অসিদা পায়মা লৌভাম্বু অমা তৈনা লৈতরে। ননাক শংশংবদা লৈরিবা জগন্নাথ মপুরেনবুদি নমদা হুম্ন অর্জ্জুন নঙনা মহাপাপ্পু কিবগী যজ্ঞ শগোল থারকপা অসিদা কর্ণ ইনাকোংনা নাভাবদা পূকনিং থোইনা সুংবং চঙ্রে। হরি থোই-মোম লাইমরু নত্তনা মহাপাপচু কোরুববু অমা কনা লৈবনো? ভাইবং নোংশাপাল অসিবু শেম্বি মাঙহন লেপহল্লিবাসুং মানে। থরাই অপকমা মহাকপু হরি মপুরেনগী মাম্না ঙমকদবনা পুম্না থম্নিবা মশে-মনে। জগন্নাথ মপুরেনবু পূকনিং থোকাউ লৈতনা উনবি নিঙশিংজ-রিবশিংদো অশ্বমেধ যজ্ঞ মঙম চাম্মরকপু তৌজবগী পুন্য মপৈ অয়াম্বনা কদৌনকো! কৃষ্ণ লাইমরুবু চেংলৌ মিৎকুপ মরম নিঙশিংজবনা হেন-থোইরে। হে অর্জ্জুন! মূর্খ অপঙবা নঙদি ক্রমলতা উপাল অথোই-ববুদি নমদা হুম্না চংনিং মমল-অচম্বু পূকনিং থাজ চঙনা পাম্নরে। নশাবী ধর্ম্ম নিংথৌরেল অদুসুং নিংথৌ মমারবা থৈবিক্রুগী থোইনা উনবি পূকনিং পঙলবা অদুনে হায়না পায়মা নঙগী উনকোইসুংদা লেপ্পা থঙ-ও। অনূষ মুনি মম্নাথংবু নাভারবদা পার্থ অর্জ্জুন তেল-হৈবনা অনোবা সমু মথুৎ লোম্না পাউমেজখিয়ে। হে ঋষি অথোইব-ও! য়াথং নপাউমেন অসিবু য়াবা লনমরু অচেৎপা মহাক্নে হায়না

অর্জ্জুন ঐনা পংজরে। তৌরিগুম য়াথং নপাউহাক অসিবু চঞ্চলা পুকনিং অয়াংবনা য়ারম খাঙ্গৈশেংনা খঙজঙমদে। মাধব শ্রীকৃষ্ণ অথোইবগী কোলোয় মমিংথোংবু শোনবগা থৌরম লঙজ লৈরিবা মহা পাপ অরম্ববু কোয়া পবিত্র থোইনা শেংয়ে হায়ববু খঙজরবা মহাক্তা দেব নারায়ন অথোইবগী মায়া ইরৈ অকনবা মহাক্না খঙহন ঙমদে। হে মুনি অথোইব ও! থৌরম অমা অমা ওইরবস্তুং কোরৌ নোংশাকে'ম্না থৌদূ নুংগী মশকপু ওইখিরবা অসিদগুম য়াথং নপাউ-মেন্না হায়রবি-ও হায়না য়াহমঙববু হে পার্থ অর্জ্জুন তেলহৈব-ও! মুনি কোলোয় ইয়াথংবু উন্‌বি পুকনিং তপ্না নাত্তাউ ও!

থাইনা লহায়োংগী উত্ত্রান মুনি হায়না কৌবা ঋষি লাইবু নিঙবা অমা লৈয়ে। মুনি তালোয় মরম্বীবু চন্দি হায়না কৌয়ে। মথং লাই-ওইনবগী য়াথং মপাউমেন খৈবিকপু পুম্না য়াচানদে। থৌরম লৈবা খৈবিক্তা উনবি মনিঙ তম্না মতৌয়ে। মপাম মরালয়িমদা অঙাং লায়া ওইনা লৈরিবৈদস্তুং পঙ্গৌ কোলোয় ময়াথংবু ইন্দনা কম্বি মফম খুদিংদা থাক্তা চৌকন তোয়রবয়ে। পুকনিং মপাম খম্না উত্ত্রান মুনি মখোঙ থাদা য়াইথু'লৈয়ে। পঙ্গৌ-মপা শাৎমাবনা মরান লুবোং খোঙ-দোংপিরকপগী মুনি মখোঙ-থাদা অস্থম য়াজোইরবদা ইপারী পুংজানববু শাৎনবা থাঙ্গী মৈত্তারেং অয়াববু ইয়াৎ পুকমক্তসে হায়না পাউমেনববু য়াইবি মপুংহৌ তিলাং মখোয় শাউনা করিগী পারি ইমোম নাউনৌসে হায়রগবনো হায়না মুমি শমু মথূৎপাক্কী য়ুবি খুজাই মথূৎশূবু পাঙ্গল খুৎঙম থিনা মুম্লবগা মালেম লৈমায়থক্ত হুনখাইবব চেংলৌ মিৎথিৎ-লবস্তুং মুজা লৌশিং য়াখল য়াৎলবগী তৌশীকনে হায়না মুনি পুকনিং য়ায়ৌ লৈরুদে। থৌরম অসি মতুংদা অক মহয় ওইনবা পায়মা উন-কোইম্নুংদা ওম্না ওম্না নিঙখনখিয়ে। কোরৌ মুমিৎ কদৌনোংদা মুনি ঐগা থৌজাল লীতিয়ববু পুম্না লৈতরে হায়না মপাল য়াথোকফমদা মালং নোংশিৎ লাংনা অস্থম নিঙখল্লিভৈদা উত্ত্রান মুনি মহাক্কী গুরু

লাইওইনবা কৌটিল্য মহামুনিরেন্না তীর্থ যাত্রা তৌরকপগী মনি মরান-য়াইদা চঙ্লববু চেংসৌ মিংথিংলবগী ভগুপ তরাং আসন ফম্নফানবু থানা ফমহল্লবগা তবা চেঙ মচং তিল থোইদিং য়াউনা ইরাৎ পুকমজরবদা গুরু খোইমোম লাইলইবনা চংলৌ শকোক যেংনা পাউ-হংলকয়ে। হে উত্তান মুনি সেবক ইপাগী নঙবু মাইথোং ময়েং তানা উইয়ে। হকথাং নচু ওন্না লৈগঙম্বা অসিবু মরম করিগীনো? নপাগী লমোম স্পষ্টানবীবু নাউনোংদে হায়বগী পুবনিং অরা চঙ্না লৈগঙম্বা? অসুম পাউহংনবু নাত্তাবদা নদাইরেম ঐনা ইরান লোনয়িমনাহ তাংলাই নাক্তা থানা যাঙ্গোইগুম্বা অনিবু কোলোয় য়াথং ইন্দবী মুক্তা লসচৎ থংদবীবু থোররে। মরান ন্যংগাং খোঙদোংলকউগীমখৈবু তাইবং নোংমপানগী ধর্ম্ম লমচৎ লোনব পুম্নমাবু হনবিদে। লমচং মহৌশাব চাথং পাউজান্নবস্যং ভগ্না তন্ন কিন্নাং মখোয়-পাউ থোরম মতো অমসুং পাপ্তা ইপা ইপুসিংগী শাস্ত্র কর্ম্ম থৌরং হয়েং কেনো নোংমক্ত নচোক্তরে। রাগম মতৌ অসিনা নদাইরেম ঐবু পুবনিং অরা চঙ্ন লৈগঙমযেহ হয়না খুৎফাং চাংলৌ চেংগা লোম্নাং পুবমজরবদা কৌন্দিল্য মহামুনিরেন্দ্রা। মখোংক্লেনন্ থানা থারা নোক্লবগা কোলোই পাউমেংনবয়ে থৌরম অক শ্রাদ্ধাদি কোলোয় অথেম্বা য়াথং অমেঙ বনা পুবনিং খুদন ওন্না শংলৌ থৌরাংবনে হায়না কোলোয় য়াথং পুন্না পাউজান্নবগা তাথ হে হ নাম লাক্কমলেনবু য়াঙ্না ইন্দাল্লকলে। কোযৌ লোংজামদি মুনি পাংলোক্ত মকন্সীদা কোলোয় য়াথং মেঙনা য়াহমখিয়। হয়েং কোরৌ নোংবুম্মাদ শ্রাদ্ধ মতম-থৌনে। মঙন পোৎয়াউ পুত্রমাদি মফম করিগুম্বগী শংলৌ থৌরাংনুসিবা। ব্রাহ্মণ বেদ হৈবসুং কনা পাউকৌ-সিবনো হায়না য়াথং রাজানহীকপবু চান্দ তালোয় মকন্সীদি য়াইবি কলহো নীরচুম পাউশুম্লকয়ে। মঙম পোৎয়াউ অয়াম্বসুং বামন বেদহৈবসুং মোমনু ইদোম মপঙ্হৈহয়ে। কোলোয় নঙগী নয়াথংনা থৌরম মথোঙ-শীন্না করিগী য়াৎং পাউমেন ছাত লৈবনো হায়না পাউশুমবগী উত্তান মুনিরেন্না কে প্রিয়া চান্নবী ও!

কোলোয় নঙগী য়াথং ভাবদা ঐবু উন্‌বি পুক্লিং পেল্লে। তৌয়িগুম মঙম পোৎয়াউ মশাংবু উন্‌বি লৈনিং-শিংলসে। কা লোংজুম-হৈ য়ুবি হয়রাংচান থাঙদূপ লেংলোই-হয়্‌-চুক্কুকল হয়্‌ওন-থোক চিত্রফল পেরান-হয়্‌-রাংচান মালভিগা মালেম লৈবাক অহিংবা নিলবর্ন চৈরৈ শংনা হেনবা তিল থোইদিং অমুবা ছেকচুম থাউকী অহিংবগা পোৎয়াউ অসি খৈবিকপু লৌরকলুঙেনে হায়না পাউ-মেনববু নাভারবদা মুনি তালোয় মকস্নীনা করিগী পোৎলম মশাঙ লাক্লা রাহস্বনো? মোমশু ইদোম মখঙয়ে। শ্রাদ্ধ মঙম পোৎয়াউদি গোধুম্মে কাউরেন মগগী থিনে। তন্দুল তরা চেং মচং পিক্কা ঘি-তল হাউথোইবা শঙ্গোম অকম অনৌ কাউরেন যগগী ঘি চুহি হৈরাংচান গোইভি থুমখোইবগা থোইদিং থাউমৈ অরাবা হয়রাং মকীং নাইদবা সনা ফিরোই মক্তবগা তুলশি মঞ্জরী হাপদৈঙনে হায়না অসুম পাউ-মেন্নরবদা কোরৌ সুমিৎমাদি শ্রাদ্ধ কর্ম্ম তৌনা থৌরম মকোল লোয়্রবদা কে প্রিয়া চান্নবী ও! মঙম পোৎযাউ খৈবিকপু শিংলেন তুলশি মখোঙখাদা থমবগা গঙ্গা লাইঙা ইরিল্লাইদা হুন্থবয়ু-ও হায়না পাউমেনবব চন্দি তাগোয় মকস্নীন মুনি কোলায় ময়াথংবু ইনবিদনা লুকথাক চগুম কোমদা হুন্থকবগী দত্রন মুনিরেন্দি কজাউ নৈরা থোক্লা চৎথোকখিরবগা কে চন্দি লমচৎ মত্তো যৎংরবী গঙদি কোরৌ সুমিৎমাগীমথৈ থৌদ্র নুংগী মশকপু ওইনা মতম কয়ামরম কূইনা লৈকরো হায়না য়াথং মীচৈ থোক্লে চন্দি তালোয় মকস্নীনা পাউ মেনখিয়ে। মুনি কোলোয় নয়াথং য়াথং মীচৈ অকস্নদগী থৌত্র নুঙগী মশক ওইনা লৈকরো হায়রবদি মতম কয়ানিমরমদা নঙগী য়াথং মীচৈ কোক্কগবনো হায়না পাউহংলবদা হয়েং ধর্ম্ম যুধিষ্ঠির নিংথৌরেন্না শাগৈ থরাই হাৎপগী মহাপাপচু কোক্লবা অশ্বমেধ যজ্ঞ মঙম ভৌগে হায়ন লাঙ্গোই শগোল থারকঙেনে। অর্জ্জুন মশানৌনদি যজ্ঞ শগোল ঙাককে হায়রবগী লাঙ্গোই মতুংইন্না লাক্লঙেনে। অর্জ্জুন শমু মথুৎতোন্না শোকপিররবগা ঐগী য়াথং মীচৈ কোক্লা য়াইফ অরান ফংও!

উদ্যান উমং অসিবু ধনঞ্জয় পাঙ্গনবনা ইন্দাল্লক্তুরিবা মখৈদি থৌদ্র নুংগী মশকপু ওইকখো ও হায়না চৈরম্নগা মুনি খোইমোম লাইবু নিঙ-কমবু য়াঙনা ইন্দানখিরে। চন্দি তালোয় মরুম্বীম্নং তন্না থৌদ্র নুঙগী মশকপু পুনা লৈরোরে কায়নবরা ? খোইমোম লাইগী নোংদম রাম নারায়ণ নিংথিবনা খোয়মা নারক চৎলকচৈদম্নু চীংঙ শমু মখুৎ-তোম্না শোক্লুরবগী চন্দি শমু মহকচাং নিঙথি পুকনিং হুবীবু ওইনা হৌগৎলকপবু খোইমোম শ্রীরাম নামুংবনা চেংলৌ মিৎথিৎলবগী উনবী পুকনিং ঙক্না লৈরিঙৈ চন্দি মুনি তালোই মরুম্বীনা রাম সনা মখোঙ খাদা রাহমখিয়ে। উনবী পুকনিং য়াংনা মোমন্নু শমু ইহকশাংবু করি শোকপিরবনো কায়ববদা রাম নারায়ণ অহেনবনা থৌদ্র নুংবু ওই-ঙম্নগী নঙবু কনা খঙশিবনো। মুং খিনি রাখল মতৌ লৈতরবী-ও। থিংলৌ অমরক নিঙনা হেনা থৌদ্র নুঙগী মশকপু ওইরোরো হায়না থৌরম লৈবা খিবিকপু শুনা খঙবৈবা রঘুয়া রাম নামুংবা মগারুবু অম্নম লানবিরমন্দনা থম্ন্নে। হে পার্থ অজ্জুন তেলহৈবংও ! নঙোন্দা চন্দি দোয অয়োনববু থৌরম মখাক নাইদনা খঙক্লবনে। য়াঙনা মতৌ অয়োনববু পুন্নামাবু কোকপিরুরো কায়না শৌভরী মুনিরেম্না য়াথং পাউস্তাকপিঙম্নবগী অর্জ্জুন রায়রা তেলহৈবদি মুনি মখোঙখাদা থুৎফাং চাংজো চেপ্পা লোম্না পুকম্নয়-বগা চন্দি থৌদ্র নুংলেন ওইরবী অত্রবু ধনঞ্জয় শমু থুংনা শোক্লা লানবি-রবগী মুনি তালোয় মরুম্বীদি চেংলৌ মাইথোং মঙ্কবীবু ওইনা হৌগৎ-লক্লবগা অর্জ্জুন মাঙদা লেপ শমু মখুৎ-লোননা রাহমঙ্খিয়ে।

হে মহাশয় নঙগী থৌজাল নরলক্না য়াইকা মহয় কংনা লানবিরে। শাগৈ থরাই হাৎপগী পাপ পোৎলুম কোক্লবা বজ্জ শগোল ঙাকপদা পুন্য মপৈ অয়াম্বু য়োন্দনা তানক্‌জরো কায়না বর লনকুবিরিঙৈদা উক্তান মুনিরেম্না চন্দি তালোয় অকুম্বীবু দোয অয়োন কোক্ল লানবিরে হায়ববু নাতারাবগী য়াঙনা ইন্দাল্লক্লবগা মরুম শমু মাঙদা থানা মুনি মরানম্নাইদা চৎখিরে। থৌরম অম্নম তৌনা চন্দি

মাংলায় মবম্বীদা মতম অচুবৈঙেগীমখৈবু থোইনা লমচৎ মতৌ যবীবু লেপ্পা ওইরবী অদুনে। যজ্ঞ মণ্ডপ শাঙ্গং ওন্থং মাইথং অরান ফংখিরে হায়দবরা।

জৈ মহামুনিরেন্না জন্মেজয় নিংথৌবেন্দা মুনি জালোয় মকম্বীগা যজ্ঞ মণ্ডপ শাগা অনিমানা নুংলেন মশক কোকখিবা অসিবু তাইবং নমু পোংওইবশিংনা উনবি পুন্নিং পিনা মাতাঙ্করবদি পুণ্য মথোই তোংনা চাউখৎনৈরে হায়না পাউমেন য়াংবু মহিরবাসনগী মপান্না গঙ্গা-দাস লোমিংবন পয়ার মীরোল ওইনা লেংলহশিনে।

হে সাধু চাংগু তাইবক ফবশিং-ও! নংখোয়দি নচিল হরি হরি শোয়ন্ নাতাবি-ও!

মাইক মিংলেন চংলেংবন, পুরমাং থমিং মংহন শ্রী চন্দ্র অংহোই বদু হন্না তত্ন পুবংলক্কে। ঈশ্বর মতিক অদদি হন্না খোইগোম লাইতিংবৌ মাচক হাম্মা পানবা মহক্না পুথং মতিক ফংবা হায়ডম-দব অদুনে। হিমগীরী চোহনৌ সন চৌংনা বাক্সি মুবফু ওই মালেম লেমহোয় পত নাংবু ওই কলপতরু উপাল শিদবনী ওলা উশায়না তেনতিং কলম ওই সমুদ্র হাম্বনপুং অচৌবা মহায়া কালি মশক ওইনা বেদ্যান ওইনা সহৌ মতিক চংবোংনী হোইবু স্বরস্বতী অচুম্বী মহায়া কেংগে নাংজা খুদিংবু উনবি চেরেপ লাইদনা য়েত্রবসুং থবিনা মতিক অদবগী মচেৎ খিজিক অমত্তু হায়ডমদবা অদুনে। মংগো মহং ওইব মংহব শ্রীকৃষ্ণ শিদবদু তাংজ লুপ থোংনা হন্না হন্না থুকমজররকায়।

হে নমু মীওই চংখোংদশিংগে! মহাভারত অথোইবা অসিবু থাজা পুন্নিং তিন্না নাতাউ-ও। থৌরম অসি মতুংগী রায়ম মতৌ অয়াম্বু তেংথা পরেং শীন্না হাহনক্কে। মাইফা অরান ফংলবা যজ্ঞ মণ্ডপ শাদো মমায় হাজৈরে খানা পাং লাংজোই মনিঙ-তন্না থাদোক খিবগী খোয়মা নায়ক অশোঙবা উদ্যাদ উমং খুদিংদা কোয়না কোয়না শগোল মপুক তন্না চৎখিরে। লানকম মমায় নৈদবা পাঙ্গল

মখিল্লকপা পুন্নমাংদগী লৌরুং খুত্ত পায় তেন্দোং নখোশেন হয়াউ মীনোক-খোন-মায়না লাখোই মতুং ইনখিরে। কোরৌ নোংশাকোন্দা চৌং-লেন পলংলা রাংখোইবা গুরু লোকন্দুং অশকপা নদা নদী তুরেল লাবা অমোম পুন্নমা অসি খবিকপু কেনখিরবগা চম্পক নগরি হায়না কৌবা লৈবাক নিংথৌ পানব অমা ফংলুরে।

নিংথৌ সন য়োইকোম্নবী সুংঙাই মনিংথিদ্রু কনা পাউমেন-থমগবনে লৈবাক খিম্নম খুদিংবু চোয়নৌ সনা মৈখাঙকোম্না লেংলে ম্নিমতুপনবগী মিৎয়েং শনখৈ ঙমদনা লৈবাক পুন্না ঙাললে। অহৈরে ফিরাল সুংবনা কোরৌ নোংদোন্দা তোংচেং কায়নৌ থরাল মিংক্লা থবা মঙাংলাইনা পানবরুঙুমদে। থোইনা নিঙথি পুকনিং চংদে। পুখরী লাইক্লা ইয়োকংকোৎদনা ঙাম্নু চাকথোকপা থারা পোংপৈবা কাড চাক্লাবা থংগাং ঈরাই ঙানবনা ইথক নানৌ চৈরোই-নবগী ঈশিং লেঙেং হেনএ। লৈবাক নিংথো পানবা অদুগী নিঙথি মংঙী চংখোনবদু লাইবং নোংশাপান্দা সুঙাই পান্দম্নবা কনা হায-কৌরশিবনে ? ব্রাহ্মন বেদ থিবন ইমু শোয়বাড়িদা নোংখিল পুংক্লা হাঙদনা লৈবাক পুন্না নিলয়ে। লৈকাই যুম্নম খুদিংবু লনগৈ মপু ওইনা পালযে। অহল পুনশি মতম নত্তনা অমন থমলৈ-কুম্বা লাইথুং পোংলুম চঙলকপা থৌরম অযোন লৈবগী শনি মিৎয়েং ফংলবা মরম অসি খবিকপু চম্পক নগর মরৈবাক্তা ওইরুদরে হায়দবরা ?

নিংথৌ কোলোয় মমিংখোংদি হংসধবজ হায়না কৌয়ে। থোইনা ধর্ম্মশিংজেল চেল্লে। সিংহ নোংশা মতমগুম পাঙ্গল মঙাল চাউএ। মাতক সমুদ্র ইরেনপুংগুমদে। ইন্দ্রি খুদুম চম্না সত্য বাচুম শুইয়ে। বৈষ্ণব চরিত্র লমচংনৈয়ে। বিষ্ণু ভক্তি মতৌ চঙখোনবদু ওইএ। নিংথৌ সনা মহকশাংদা পুন্থ মপৈ অয়াম্বানা শীনবা থুংনা লৈরবা অদুনে। মালেম তাইবং পানবনা নিংথৌ মতিক অকাবদু ইরাং পুকমনৈয়ে। মদাইরেম মালেম লৈবাক পুন্নমা হংসধবজ নিংথৌ মহারুচিংনা তালোয় মরুম সুংজানবিবু অমা হেয়া সুংশিনাক্তা

থা-নদে। নমু মীপুম-মাবু থাক্তনা বিষ্ণু লাইমরুগী ভক্ত মদাইরেম মুংজানববু ওইয়ে। হরিনাম অহ্নববু নস্তনা খোইমোম কনামগী কোলোয় মমিংথোংবু তাংজ লৈতোন থোংনা শোন্দরবা অক্লুনে।

কোয়ৌ নোংজা খুদিংগীবু নোংদম চৈরেপ নাইদনা বেদ শাস্ত্র পুরাণ ভাগবত তাবদা মুমিৎ শিঙবুম ওৎয়ে। তনবা ািপাকপ মোমমু মুক্তা ওইবৗ নাহা মুবি হনবা হমু থাক্তনা বিষ্ণু মদাইরেম মুংজানববু ওইনা হরি ভক্তি অচেৎপদা লমচৎ মহৌশাবু ওইনৈয়ে। নিংথৌ দণ্ডিরারক অরুণমুং য়াথং হেন্দোক নাইনদে। চেংনা থৌরম রাশরুববু রায়েন য়াথং হেন্দোক্লববদি শাগৈ পঙ্খৌ পামাচ মপারী মনেংয়াই ঙাই র শেনশি থৌজাল শিতিয়ববনে হায়বগী রাখল চি ন লৈতনা চংশৌ য়িৎকুপ ময়মদা কোরি থাংগী কম্বি মৈশাথক্তা শমু পাঙ্গল থেক্লা তমা তগা হুপ্ত-নৈয়ে। থাইনা লহান্নোংদা নিংথৌ মশানৌ অংনা রায়েন য়াথং হেন্দোক্লবগী কম্বি মৈশা থক্তা শমু মথোঙ কক্লা হুস্থববু পূক্লিং চিংন নাইখিদে। লমচৎ মতৌ অম্বন তৌবা হংসধ্বজ নিংথোয়েন্দো খোইমোম লাইবু নিঙবা ব্রাহ্মন মথোঙথাদা ইয়াৎ পূকমজয়ববু উনবি লিতৎ নাইদে। বামন শংখলিদ্দ হায়না কৌবা নিংথৌ পুরোহিত মনাউয়োকপু অনি শুনা থৌগল ইয়াৎনৈয়ে। ব্রাহ্মন অনিমাগী কোলোয় ময়াথংবু নগুনা রারম করিগুম্বা অমত্তবু রাজা নিংথোয়েম্না থৌরম হেন্না তৌঙমদে। চনপক নগর মরৈবাক্তো রায়েল থাংথৈ-নাই মুংঙাই মরাঙ্ কায় খোইমোম লাইবু নিঙ্না অসূম লৈরিরৈদা যজ্ঞ মণ্ডমশা কোয়ৌ নোংশাকোনদি খঙলৌদনা থুঙ্গং মুংঙাই থোইবা অচুদা চঙ্খিরবগী মদাইরেম খোঙ্-লোয় পাউবুয়াঙ্শিংনা নিংথৌ সনা ম:থাঙ থাদা থঙ্হল্লুরে।

হে ইবুংঙো চনপক নগর খুননিংথৌ খোইমোম লাইবু নিঙ্বও!

লাঙ্গোই মতৌ ওম্হোকপা কোয়ৌ নোংশাকোন মক্তবা লাঙ্গোই তাঙজা মরাইথক্তা চোয়নৌ সনা মপাক তোপ্না ময়েক লাইরিক ইবা অমত্তংবু নিংথৌ সনা নরৈবাক্তা চঙ্লকয়ে। রারম ময়েকমুংদা লৈরিবদি থৌরম মতৌ ওম্হোকয়ে। ধর্ম্ম যুধিষ্ঠির নিংথোয়েম্না হস্তিনা লৈবাক ঙ ক্লা লেয়ে

হায়রে। মহান কুরুক্ষেত্র লানফম তমখিবদা শাগৈ থরায় হাৎপগী মহাপাপ অচৌববু কোরবা যজ্ঞ মণ্ডম তৌগে হায়বগী লাঙ্গোই শগোল থারকয়ে। লাম্মী অথৌলিচা হেপ্পা পাঙ্গল মণ্ডাল চাউবা মশেনবু ঙাইরোইনবা অর্জ্জুন তেলহৈবনা যজ্ঞ শগোল ঙাক্না লাকয়ে হায়না রাশক নাগরিক ইরকয়ে। অসুম থোঙলোয় শমু মখুৎলোন নিংথৌ মাঙদা লেপ্পা কোলোয় পাউদম্নবগী হংসধ্বজ নিংথৌরেন্দি পুরিং মথোই তোংনা হরাউরে। অর্জ্জুন তেলহৈববু লাঙ্গোই শগোল ঙাক্না লাকয়ে হায়রবদি নিংথৌ ঐদি চৌংঙু থোইনা লাইবক ফবু লেপ্পা ওইরে। অর্জ্জুন শগোল কাবদগী ঈশ্বর মপুরেনবু শমু খুৎনা থুমনা ফাজববু থোপ্পনা থোক্নাইডনে হায়না শংশং তাঙনা থঙজরে। অর্জ্জুন রথ ডুলাক মখোঙনেঙা কৃষ্ণ শাথোইংয়ে হায়ববু তাইবং নেংশাপান পুম্নমানা থঙলিবডুনো। রায়ম মতৌ অমাসুং কাউরেন যনবি চাজেনবিদা যগনাউ তুংইন থা-নদবডুগুম্না মাধব শ্রীকৃষ্ণ থোইথোইবদি ভক্ত মদাইংমশিংগী কৈনা মতু ইনবিরিয়ে হায়ববু বেদ শাস্ত্র পুম্নমানা হায়নরিয়ে। থৌরম মতৌ অসিগীদমক শগোল চেৎনা থম্না অর্জ্জুন লানশোক্রগে হায়না পাউমেল্লবগী মদাইরেম শগোল তোংবা পুম্নমাদি চেংলৌ মিৎকুপ মরমদা য়াঙনা হুয়োল লানশোক্রুরবৈনে হায়বগী লানফম কৈতেং ফিরোই শেৎলুরবগা নিংথৌ মাঙদা থানা ঙাইথম্লরে হায়দবরা? খোঙমী লাম্মী পুম্নমাসুং সেনাপতি হুয়োল লানজিংলেনমক্না লেংতিন চৈরোইননা কৈররে। নিংথৌ সেনাপতি লানজিংলেন মহাক্তি মশীঙ হুমফুতরা শুইয়ে। থোঙমী অথৌলিচা হেপ্পাদি কোটি লখা অনিবু মপুম পাঙখদে। লাঙ্গোই মওং য়াম্না শগোল মচু ওস্তোকপা মখোঙ চৌংসুং নোংথাং কুপকুম্না মশেনবু লাঙ্গোই লখা অনি চৎয়ে। মচুম য়ারক শিনবা শামু তাঙজ লুরেন্তোনবু লোইমেম ফোকোৎ খিনগুম্না লাঙ্গোই লুরেন হেনবা মশেনবু হাজার লিশিং চৎয়ে। পাঙ্গল মণ্ডাল চাউবা লাম্মী অথৌলিচা হেপ্পা পুম্নমাদো মরুম সুংজানবিবু অনি শুনা সুংওন নাক্তা থাগে হায়ববু উনবি নিঙশিং

ঙৈরুদরবা বিষ্ণু ভক্তি অচেৎপদা লমচৎ মহৌশাবু ওইরবা মশেনবে। মোয়্, মুজা থৈবিকমুং মথংলেন লাইওইনববু নত্তনা নিপা মীওই চঙ-খোনবা কনাবু চেংলৌ মশক খঙনরুদয়বী অদুনে। নিংথৌ মদাইরেম প্রধান লুচিংবা পায়মা লৌশিং থোই মকোই পাউনিংশিংনা মালেম লৈবাক কোয়বা কোন্সোয় মিংনাইবদি ও শুইয়ে। চন্দ্রসেন, চন্দ্রকেতু, বক্রদন্ত, চন্দ্রকীর্ত্তি, চন্দ্রধর, চন্দ্রসুন্দর হায়না কৌবা মাথোয় তরুকমা অসিনা হাউশি ৠমগা চিংয়ে। চৌংশু নোংথৌ সরারেনগুম পাঙ্গল মঙাল চাউব তরুকমা অসিনা নিংথৌ মাঙদা চৎয়ে। হংসধ্বজ রাজা নিংথৌ মপারী মৈরী মানগুম্বরুং মডা শুইয়ে। সুধন্য হায়ন কৌবা পাঙ্গল মঙাল চাউবা চুসয় লমকেৎপানচিংনা সুরথ, সুদর্শন, সমদন্ত, সুবল শাংনৌ মচিল মনাভ মঙামা অসিদা য়াউরৌ শানিংথোকুম্বা মশেয়ে। নিংথৌ মপারী মডামা অসিস্তুং চেংচেং চিবোক মাংক ওকপা মশেনবু তম্না হুদেল লানপোৎ শেৎলে। অঙ্গা পুরকোন্দা কিরট লুহুপ মঙান নাইনা লমচৈ ঙানিংথোবু শাবা মনা কুণ্ডর মনাশিনা চুপলেন নাপ্পহেন, পুষ্প মালা পরেং লেপ্ পোয়না সনা-রিক পুহান লিরাংচানগা থবা ছঙ্গোইনবগী থবাক মচগাচ কৌলোয় খুৎশি পানেন হৌ শয়াং তাঙ্গাউ-শি তানচপ মওয়াই নোপুব খোংশি মরাঙ-হৌ চোয়নৌ সনা ফুরিৎনা হকচাং পুয়া ঙান লৈতেং মশাং শনা রথ চুলাইথক্তা লৌরুং খুত্তা পায়না চৎয়ে। চম্পক নগর খুন-নিংথৌ হংসধবজ নিংথৌরেন মহাক্তি মদাইরেম মালেম লৈবাক কোয়বা চুয়েল লাঙ্গিংলেন পুয়মাগী লানফম লৈতেং পোৎলোই খেবকপু শক্রক তরা থোইনা চোয়নৌ সনা ফিরোই নিঙথিববু নিংথৌ হকশাং মঙান-নাহনা শেৎলবগা চুলাই লেংজাউথক্তা তোংখৎলে। লাম্মী কনা কনা অমমমশিংগী মতৌ চঙখোন থোইবা মহাকপু উনা নিংথৌ সনা উন-কোইমুংবু পুক্রিং হয়াউ থোইরে। মতৌ কয়ামরম্বু মুংঙাই মথৈ লৈতনা চুয়েল লানশোক্লগে হায়বগী লানফম থোক্শান থৌবু তৌরিবদো ঈশ্বর মপুরেনবু চেংলৌ শকউনরঙেনে হায়বগী পুক্রিং হয়াউ থোই

নিংথৌ সনা চোঙলেন খানববু খোঙমী অথৌলিচা হেয়োশিংনা শম্ন খুৎথুম চায়া ফারৈঙেনে নিঙজগুম রাজা নিংথৌরেন মহাকস্তুং কৃষ্ণ সনা মখোঙ থাবু ফানফংজরৈঙেনে হায়বগীদমক পুন্নিং হরাউ চঙনা য়াইফ মপোই তোংননবা ব্রাহ্মন মখোঙ-থাদা কাউরেন ষনবী য়োংমানবী চাম্মগা সনা খূজোক খূজোক লোয়ননা কৎলম্লবগা খোইমোম মিংলেন শোম যাত্রা খোঙশানখিরে। মোম্নু মুজাকুপ পুম্নমাস্তুং মরান লোনয়িম য়ায়দগী মপান য়াংথোকখিরবগা মুজা কনা অমনা মালেম লৈপুংথক্তা কানা য়েংয়ে। মোমন্নু কনা অমনা শারিক লাইথনস্তুং ফক্লাং লোনচা মিক্তৎ য়াৎপা লৈনাই যূম্নুম খূদিংগী লৈরক মফম খৈবিক্তা মিৎয়েংশানখৈনরবগা মরা লাই ওইনবদা য়াইফ রারম অয়াম্ববু মদোম মদোম রাহমজখিয়ে।

হে স্বামী কোরৌ ইনোংথৌও! লানফম মতিক ওরা হুয়েল লানশোক্লরক ও! পাঙ্গল খুৎথুম চন্না ঙমজরবস্তুং তাইবং নোংশাপান্দা কোলোয় নমিং চৎৈঙেনে। লানশোক মাইওন্দা লানফম মাইওক য়ানা নোংমনখিববস্তুং কোরৌ নোংথৌ কাখিৈঙেনে। রারম মতৌ অমস্তুং হন্দক গুয়েল লানশোরবা অসিদা শ্রীকৃষ্ণ শিদবগী সনা খুয়া থম্বাল লৈবু ডেকংরবদি লেপ্ন য়াইফ নত্তিক চঙখোনবা মপোক মহয় য়াল্লবা অদুনে। রাবম অসি খঙনা লানফম পুকনিং লাইরেক চন্দনা কৃষ্ণ সনা উনকোয়স্তুংবু পেন্নবা গুয়েল লানশোক্লক-ও! য়াথং অসি খৈবিকপু অসূম পাউমেঞ্জরবগা মুজা লমচৎ মতুং ইন্না লৈবিক নোং চুথনরবগা য়াইফ মথোই তোংনবা জুগার খোঞ্জেল মনিল নাইনা খোংলে হায়দবরা? হরি কোলোয় মমিংথোংবু মুখ চিনবাস্থল তাংজা লৈতোঙ্গোংনা ফুইনা ফুইনা য়ারা খোঞ্জেল মনিমাইনা শোল্লবগী অত্যা নোংলোন থল্লে। ব্রাহ্মন খোইমোম লাইওইনবশিংনস্তুং বেদধ্বনি মরাঙ হৌনা তোৎংলে। বাদ্য যন্ত্র দুন্দুভি পূঙলেন য়াইওইববু রাংলেন মনিমাইনা য়েরে। বাঁশী শিঙ্গা মুরুলি বীণা শেনবুং কর্ত্তান মরাঙ হৌনা লাম্নী অথৌলিচা হেপ্পা পুম্নমাস্তুং নোংশা লালাউখোনবু য়ারা খোজেল

মনিয়াইনা লাউখৎলে। লাঙ্গোই মোইশায়া কোরৌ নোংশাকোনবু লখা লখা চৎলিবগী শরিক খোঞ্জেল কয়ামরম্না উনবি পুকনিং শুপ্প হলে। শুপ্পা লোইদাম তুমকা থাদা কৌয়ৌ নোংথৌ ঙংবনা মালেম লৈবাক নীক্লা তাবহুগুময়ে। মতৌ অসুম তৌনা লানমী কযামরম্না লৌকং খুত্তা-পায় কনানা থাঙপাং খুত্তা শূনা চৎত্র। খরা কয়ামরমনা তেন্দোংনম্নে শেলয়ে। কনানা চুঙ্গোই কবাকথাং খুত্তা শূনা চৎয়ে। দুপ্পাইরথ তোংনা চৎপনা কয়ানে। শুপ্প চনপক নগর মরৈবাকী য়াংলৌ লমদাং-শাংবু চিন্না শমু লেংথৈ নমঙাননা চৎলকপদি অসুম লৈজহল্লমখিগে।

হংসধ্বজ নিংথৌ মপারী সুধন্য যুবরাজ সনা রাপিহল, অর্জ্জুন মাইয়োকয়ানা হুয়েল লানশোক্লকগে হায়বগী পলেম মমা পোকমাবীবু তাঙজা লুদ-থোংনা বিদায় য়াথং লৌরুবা প্রভাবতি লৈমা মশানৌগী ঋতু দান অথোইববু ঙাক্লা সুংওন পুক্তিন্নবম্বগী ৱারম মতৌ অয়াম্বু য়াগং পরেং শীন্না খজিক্রুং তেংথাক্লাখগে।

সুধন্য লানফম লৈতেং ফিরোই শেৎনা নিংথৌসনা য়োইকোম্নুংবু য়াঙনা চঙখিরবগী পলেম শমু মখোঙ-খাদা খুৎফাং চাং জৌ চেপ্পা লোম্না হে পলেম ইমা পোকমাবী-ও! লানফম মতৌ ওইয়াকপা কুপ্ত লোয়না মপাতাউ অর্জ্জুন রায়রা তেলহৈবগী খোয়মা মাইয়োক য়ানা হুয়েল লানশোক্লরুগে। মঙ্গল য়াইফননবা য়াথং লনকুবি-ও! হন্দক হুয়েল লানশোক্লবা অসিদি মহয় চুম্না য়ানগবরা খঙদে। ধ্যান লাই-মিং অরাবনা ফংঙমদবা শ্রীকৃষ্ণ মপুরেনবু য়োন্দনা তানফংজকঙৈ্নে। ৱারম অসিগীদমক্লা নপারী ঐঙোন্দা লানফম য়াইফ রাবু বর লনকুবিরে। থৌরম খীম্না রাবু পুম্না লৈতরে, অর্জ্জুন লানশোক চৎলগে হায়না য়াথং লম্নিকরবদা পলেম মমা পোকমাবীনা হে ইপারী সুধন্য সনা রাপিহল-ও! নঙনা পার্থ পাঙ্গনববু হুয়েল লানশোক্লকগে হায়রবদি লানশোক মতিক ওকপা মহারা অর্জ্জুন শমু খুৎখুম চম্না ঙমজরক ও! অসুম লানফম ঙমজরবগা শ্রীকৃষ্ণ শিদববু ফানা পলেম নমা ঐগী সনা য়োই-কোনমুংবু তানা পুরক-ও! ভক্তি পুকনিং চৈরোয়ননা কৃষ্ণ সনা মখোঙ-খাদা ইরাৎ পুকমজগে। নারদ মহামুনিরন ভক্ত প্রহ্লাদ

অনিমানা চিংনা চৌংঙু নোংখৌ সরারেন ব্রহ্মা মহাদেব খোইমোম লেংনা তিনবা মুনি ঋষি নাকলৌ শীনবা পুয়মানা উনবি লিতং লৈতনা নিঙঙ্কবদা কৃষ্ণ সনা মখোঙখাবু ফংঙমদবা অত্রুনে। হন্দক মপোক অসিগ্গুং হয়েং লাংওন মরকস্তুং ঈশ্বর সনা মখোঙখাবু হেয়া পাঙ্গল চৈশৌ ওইনবা অমা তৈনা লৈতরে। বসুদেব দেবকী অনিমানদ্রুম পলেম পল্লৌ ওইবগী শ্রীকৃষ্ণ থোইখোইববু কৈরা তান্দা থোংনা তানফংজৈয়ে মতৌ করিগনে। ? গ্বাল মরৈবাকী গোপ গোপী পুয়মাদি চৌংঙ থোইনা লাইবক ফববু মিৎয়েং শানখৈও। ধ্যান লাহমিৎ অরাবনা ফংঙমদবা মাধব শ্রীকৃষ্ণ অথোইববু পুক্লিং অরা লৈতনা কোরৌ নোংজা খুদিংদা শ্রীকৃষ্ণ ঙাইরোইননা শাম্নববু তানফংয়ে। নন্দ যশোদা অনিমাদ্রুস্তুং চৌংঙু থোইনা লাইবক ফবগী মপোক মহয় থোইনা য়ানববু লেপ্পা ওইরবা অত্রুনে। মধুপুর পুঙময়োল লমগী রুক্মিনী অকেনবীনচিংনা লৈমা সিশিং তরাতকুকমাস্তুং ঈশ্বর সনা মখোঙখাবু থোগল লিতং লৈতনা তানফংজৈয়ে। মরম করিগীদমক চৌংঙু লাইবক থিবী ঐথোয়দি মাধব শ্রীকৃষ্ণ সনা খুয়ারেনবু থোগল তানফংজদবনে ঈশ্বর মতৌ অসিগুম্বস্তুং পারী শংলৌ নথোরাং পলেম নমা ঐবু থোগল তানফংহল ও !

থাইনা লহাননোং ব্রাহ্মন অজামিল কৌবা অমা লৈরময়ে। বামন শমু মহকশাংদো মহা পঞ্চ পাণ্ডব মঙামানাচিংনা পাপ মপৈয়া পুয়মানা শান্না লৈরবা অহবু অমন খমলৈ কুম্নাইদমগী লোকলেন থরকচিন মালং নোংশিংহো খাম্বী মৈনিনশু লাইজা ইমন্-কা শিংলি পাকন লিংনা থোরী চাকয়োৎ ফুনজিল্লক্রবগী চেংলৌ মমিৎ উদনা নাকোং থোঙলেন-ফুন তাংজা লৈতোন খৎঙমদনা চিও মন বুবি অহুমমাবু উনবি ফংমাওনশিল্লক্রবগী কৃষ্ণ কোলোয় মমিংথোংনে হায়বদি খঙলুদনা পওনা মপারী কোলোয় মমিংথোংবু নারায়ন হায়না কৌওম্বগী পারী সুংশি রানা হে ইপারী নারায়ন সুংচানব-ও ! হায়না কোলোয় মমিংথোংবু পম্না অমন খমলৈকুমথিরবদা যম

খোঙলোই অকনবশিংনা বামন শমু মহকশাংবু থৌরী মিতময়েৎনা পুল্লবা মহাকপু বিষ্ণু খোঙলোই অয়াঙবশিংনা থৌরী মিতম থোক্লা কোরৌ নোংমদোন্দা পুখৎখিয়ে। খোইমোম কোলোয় মমিংথোংবু শোঙবদনস্তুং অস্রম সংসার রাংমা লাম্নখিয়ে। শ্রীকৃষ্ণ সনা থুম্না থম্বাল-লৈবু শংশং তানফংজরবদি মহয় কয়ামরম্বু ওইশিবনো? রারম অসিগীদমক্লা হে ইপারী! পাঙল নয়িল্লকপ-ও! নঙবু লানফম খোয়মা নমায় ওন্দনা হুয়েল লানশোরদুনা কৃষ্ণ শমু খুৎথুম চম্না থারকপবু লেপ্পা ঙম্লক-ও! লানশোক মাইয়োক য়ানা নোংমনখি-রবস্তুং শিংলেন লৈগী চুলাই মক্তবু ছোংনা বৈকুণ্ঠে নোংমদোন্দা কাখৎখিয়ে। কোংৌ নোংখাঙমাবু য়ৌরবগা বিদ্যাধরী অহেনবী-শিংনস্তুং হরাঔ মথোই ভোংনা কাংহাই মরেং হুমঙময়ে। লানফম য়াইফ রাগী খোইমোম চিঙ্গাক অথোইববু চানা লৈরুইয়ে। রারম মতৌ অমস্তুং অর্জ্জুন রায়রা তেলহৈবা অত্রবু নমু মী মচম্ন হায়না নিঙলুগুনো। মীপা মীওই চংখোনবরক্তগী খোইমোম নারায়ন অথোইবা চেংলৌ মশক অরেপ্পা মহাকপু পুনা পোক্লরবা অদুনে। লানফম মাইয়োক্লনা অর্জ্জুন চেংলৌ শকঙনকরবদা ভক্তি মতৌ অব্দকপবু তৌরুও। হুয়েল লানশোক্লবদি ধনঞ্জয় পাঙ্গনবা মহাকপু শমু খুৎথুম চম্না ঙমজনবা লানফম নমায় লৈগনো? মনাই ভক্ত সুংজাবশিংদো মহয় অসুম ওই হায়ববু বেদ শাস্ত্র পুম্নমাক্না হায়নারয়ে। রারম অসি খঙ্না লানশোক মাইয়োক য়ারু-ও অসুম পাউমেল ঙম্লবগী মপারী সুধন্য পাঙ্গন মথোক্লকপনা কেপলেম ইমা পোক-মাবী-ও! কোলোয় নঙগী নয়াথং অসিবু লেপ্পা থৌজাল নরলবুদা ওইরগুনো। লানফম য়াইথি য়াইফা হায়বদি খোইমোম লাইগী নোংদমনে। কমা খঙলুশিবনো? থৌরম অমা ওইরবস্তুং পলেম য়াথং নথোজান্দগী কৃষ্ণ সনা থুম্নায়েনবু য়োন্দনা তানফংজরগে হায়না মালেম লৈদা তানা হম্না হম্না থুরুয়্রবগা মমোম পলেম পিমাচা চন্দ্রাবতি হায়মা কৌবি অত্রগী মরান লোনয়ময়াইগীবু চেংলৌ মিৎকুপ মরম য়াঙনা

ইন্দাংখিরে। হ ইযোম পলেম ইমা পোকমাবী মহাক্কা লৈরাং মতম মামবী-ও ! নত্তানংথৌ এবু পার্থ অর্জুন তেলহৈবগা তুমেল লানশোক্লকগে লানফগ য়াকফননবা খোঙ্গাল নরলকুবু পিনৌ ও হায়না সুধন্য খুংফাং চাওজো চেত্না লোন মালেম লয়দা পক্কা পুকয়্যবগী চন্দ্রাবতি অমচং মতৌ চঙ-খোনবী। কে কত্তানংথৌ নঙগী কোলোয় নয়াথংবু নাতাবদা নঙগী [illegible] হবক ফবন্দ লেপ্পা ওইরবা অদুনে। মীপা মীওই চঙখোনবা [illegible] অনবগা তুমেল লানশোংবদা। কৃষ্ণ সনা। মখোঙ থাবু য়োন্দনা [illegible] ! নমোম চাংদ্র লাকবক থিরবী ঐদি খোরম লৈবা [illegible] পুক্কং চওববু পুষ্মা লৈরবি অদুনে। কৃষ্ণ সনা [illegible] লৈংদি [illegible] পঙ্গৌ লৌশিং রাথল কিরণস্বদগী কাশি [illegible] বান লুকোং খোংথোংবিরে। কে ইন্দ্রনিংথৌ, সুধন্য পাঙ্গল [illegible] লেদি [illegible] তুমেল লানশোরবা অসিদা লানফম নয়ায় [illegible] য়াকফ [illegible] চেপবু [illegible] তানফংলক-ও হায়না মমোম [illegible] সুধন্য শানফম মরিল্লকপাদি

[illegible] থিংলো অমবক [illegible] মরান [illegible] মতম অসুম ওইদুনা [illegible] মশানৌ [illegible] কে [illegible] পুনা মশক [illegible] ওইরকপী অমা কোনো [illegible] ওইবা [illegible] মহা [illegible] বানী [illegible] মেক্রক [illegible] মথোন-তয় [illegible] লৈরাং ঙংগোই [illegible] পুকিং চৈরোইনবা বর লনক্রনিংঙম্বু [illegible] পুক্কম লাই-নবগী বিন্দ মণ্ডির হায়না কোবা থোইমোয় [illegible] খোক্রকপদা [illegible] স্বামী কোরো মনোংথোগা চেংলৌ শকইনকরে। রাংরম মতো অমসুং প্রভাবতি লৈমা মশানোংলো কমো অও তুমিৎমাদা [illegible] তৌনা চৈরৈ ফিশোংওঙ্গী মায়থো মপুংফা চেংলৌ শকওং মচানাই শক্রবান মচামাবু থোক্রা নিঙথি মীপুম [illegible] বিনু ওইরবি অদুনে।

লৈমা মশানৈগী চরিত্র লমচৎ মতৌ চঙখোনবী অদুনা মচিল মোমোন নোক্লা থাকমখিয়ে।

হে প্রাণনাথ! অরোইবা ও! নঙনা লিংলে অমরুক হন্দ্রাইরকপা অসিবু শুঙ্গ চাওঙু থোকনা লাইবক ফরবী অদুনে। কোরৌ অসি শুম্বিৎমাদা ঋতুদান চঙখোনবা মহাকপু লেপ্লা নইরে হে মহাবত অথোইবা ও নঙনা ঋতু রক্ষা নমদা গুন্না করম লৈয়েল লানচংখিগবনা নপাগী পুংঙানবা অমগু নাউনৌনবা গর্ভদান অথোইববু পীনদ্রদা লানকম তমথিবদা য়াইফ মিংলেন চৎপবু তানফয়ে পাসা চংলো শকশিন্নবা অমবু শুংগন নাঙ থারংদি মওথ রাইবচেনবা নবক লৈখাতাবা নহাক্তু চংলো শবডনা মাইখিরবা অদুনে। সিদ্ধকন্য খোদা লাকপা খুজাক অমগ বিন্দুদান মতৃস্নাগা পীনবনা ম পঙ্খৌ অমন খমলৈ কুমখিননশিং, মনফি পুরং পৈন্নরে। নরম অসি থডনা গর্ভদান অথোনববু পীনরম ও! ভনবি পুক্রিং যানবী কোলোয় পাউমেন রাবু নতে স্বামী লাকওইবা নববু তেম্বা, নবা মীওইবা চঙখোনবা অতি কনঙলা অমবু তংখোনবেন মঙলান চান মহাক্তবু উকনবরবী অদুনে। ঋতুদান অথোইবব পীনবদা খেংচ- মোম ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বর অমনচিংনা যুগিন্দ্র মুনিন্দ্র পুন্নমাক্তং চাউ লাইগী লুপ যাউরো-শা পোনবি উচেক পামেল উরা খোয়মা নাপি শিঙবী তিনবী লুনাইদবা হায়ং খোইনাউরোই লাংবন কোকচং চোংবিশা রাহি মুগ হারো ককচেং খেইয়া অচৎ অরেপ পুখম লমচৎ মকৌশানে। কামরস অথোইববু শমু মহকশাংদা পক্ৰবশি নডন দান মতৌ অসিগুম্ববু পিনরোইদবমনডাই। হে স্বামী কোরৌ ইনোংথৌও নঙবু পুক্রিং চিংনা লৈরুগুনো হায়না কোলোয় মম্নাথং নাতারবদা মশাবী সুধন্য লোশং মথোক্লকপনা হে প্রভাবতি লৈমা ইশানৌ! প্রিয়া চায় থোইবী ও নঙগী য়াথং নপাডমেন অসিবু রারন অওক মহাকনে। তোয়গুম অর্জুন লানফন মায়য়োক য়ানা লানশোক খনঙমলুরবগা গর্ভদান অথোইববু পানা বিবেক হায়না কোববু পারী

খুংচানবা অমবু য়োন্দনা তানফংজহনগে কায়রবদা হে প্রাণনাথ অবোইব-ও। য়াথং মতিক ওক্নবু করি পাউমেল্লিবনো মহাদেব লাইরিংথোবু শমু খুৎথুম চন্না ডমজবা অর্জ্জুন হেলহৈবনে। শ্রীহরি অথোইবসুং য়াউরক্লবা লানফম মরানথোঙদগী অমরক হনবাইরক্লভেনে কায়নবু পূর্ক্লং কনা থাজরসিবনে? অস্তম পান্দমেল্লবদা স্বধন্য পাঙ্গনবনা ঈশ্বর সনা মথোং খাং উনা থোগল তানফংক্লরভেনে কাননবু হেংলৌ মাঙদা খানা নৈরবদা পারী খুংজানবু নাডনোবা ইরল পুক থনবা পুন্নমা অসি খেৎিকপু থোরম কদোনসিবনো? নৈব খাংঙা মথোং। অপায পুক্লিং [illegible] করগী রাহমলিবনো [illegible] হে য়ামী কোরে হনোংথোও নডগী কোনোয় নয়াথংবু [illegible]বদা পুক্লিং ঐবু অডক চডলে। মহেশ্বর মহাদেবনচিংবা চাংডু [illegible] ব্রহ্মা প্রজাপতি মুনি [illegible] লেংনা কিনবা উনবি পুক [illegible] পুন্নমা অসি খেৎিকস্তু নত মায় অথোইবদা। ডন্না উনবি পুক্নং [illegible] অতুনে খেইবোম লাই অসি শংনস্তং মপারী [illegible] পাকা কোলায় [illegible] চংনারয়ে। অতৈ কনা কনা-শি [illegible] করি [illegible] ফাইবং মপাঙ পাকঙমবা পুন্নমাগী মথুংগী [illegible] মপারী নাউনোরে।

অদ [illegible] হে প্রভবতি ইশানো-ও! ঐহ [illegible] অথোইব [illegible] নময়ানা হৃদয়ক কায়বগী য়াথং পাড়মন রাদি [illegible] ত্রিক মতম অসিনা হপন রাজা নিংথোংবগী ঐহ মথাই [illegible] মাংলম নৈবাক পুন্নমাবু ছুমেল লানচংখিরবদা ঐনা লানফম খোঙশান থাক্লবদি নিংথৌ সনা উনকোইস্তুংদা পুকনিং থো[illegible] অয়া চঙশাইভনে। থোরম মতৌ অমস্তুং রাশক য়াথং হেন্না [illegible] ইদিং মথায়মরস্থ, লানচৎ খোঙশাল থাক্লবদি থাং কস্থি মৈশাথক্লা [illegible] কায়বা নিংথৌ দণ্ডি রারক অকন্বস্তুং লেপ্পা নৈরবা অডনে। রা[illegible] পূজা থিনববু নাতারবদা মরাল লোনয়ুম য়ায়দা কনা নৈর[illegible]। র রম অনিনীদমক্না লানথোক থুনডম লুরবদা পুকনিং

চিংন লৈতনা গর্ভদান অথোইববু য়োন্দনা শমু খুৎশিন্নরগে। উনবি পুকনিং শেংবী লমচৎ মতো চঙখোনবীশিংনদি মরাল লোনখুম খোদা পুকনিং বনা পঙ্গ্বা বাবু লৈহলয়ে হায়বনো? কোলোয় নঙগী ন্যায়গংচুম কানফম য়াইফনবা য়াথং লনকু বরো হায়না পাউমেল্লবদা কে ইবুংঙো "থোয়মচা সনা র পিহল। হকশাং পাঙ্গল নথে ক্রকপ ও। নঙগী খোঙই লৈকাদুংদা লৌশং য়াথল লৈতরে। গভদান অথোই ববু পিরবনা থেয়েল লানশে রকবরদি থোরম করিগুমদা লাংথম য়াংফনগবনো? ঐদি মোমনু পুজা ওইবিনে য়াথং কারপাউমেন সিবনো। গভদান অববু যাংঙকলবদি নঙ্গ অথোইবা মচ কপু লাইবি খোঙ হাৎপা মওঙরে। কায়না শাস্ত্র লাইরিকনুংদা লৈরিব। বাবম অয়াম্বা [illegible] শামী কোয়া [illegible] নঙনা মথঙনিবা অহুনে। থোরম মতে অমমু [illegible] পৎমদ [illegible] ক্ষত্রী [illegible] [illegible] মপুশি [illegible] অ [illegible] [illegible] [illegible] জানিদ [illegible] [illegible] কয়াদ কাঙ লেনগবতে [illegible] অববু [illegible] [illegible] শাস্ত্রদান [illegible] [illegible] [illegible] থোরম [illegible] [illegible] ববু শমু [illegible] [illegible] নপ [illegible] হায়বক [illegible] [illegible] প্রিয়া চনবী ও। চাকতে [illegible] থোরম [illegible] [illegible] [illegible] থোইববু [illegible] মাগং লোশিং [illegible] মনম [illegible] শুংশি রাচপ [illegible] নয়নগা এক দশী কবা চাঁকত [illegible] থোরম অসি মতুংদা [illegible] অচৎ বু ওাকটেন হয়না কলৈয় মপাউ খুম্ব [illegible] প্রভাবতি লৈমা মশালোদি য়াথং [illegible] হে প্রাণনাথ অরোইব ও। কোলোয় নপ উটাক অসদগা থোরম অফ-

থোইবা মহাকপু লেপ্পা খঙজরে। চাকহেন ছন্দোকফদরবা অহুম্মাদি ওইদরিয়ে। কোরৌ অসি সুমিৎমাদি ঋতুদান অথোইবদনঙাইরিবা অদুনে হায়না লৈমা পানবোম থম্বৌ লয়রায়োনগুম্বীনা কলপবৃক্ষ পামেল উপুনশিদা উরা খাঙয়েংনবগুম নশাবী নিংথৌমচা নিংথিবগী খোৱী ঙক্কোই-চেংদা পাঙ্গল খুৎঙম থি পুকনিং ময়াই কাবধু চৈরোয়নন। কোল্লুরবগী সুধন্য পাঙ্গল মথোক্লকপাদ পূকনিং ইরৈচম্না চেংলৌ মিৎকুপ মরমদা লৈমা মশানৌবু ঙাইরোইননা নুংওল য়াতাশঙদা চঙখিরবগা নিঙথি ৎরেং লৈওংনা লৈ সনা মোইত্তারিস্তং চিন্না চেক্লা পেনাৎ লিয়েৎনা খুম্নু লুমথিৎ চিরোন চনবদুগুম্বু লৈরাং হেকমাই কানা নুংওল লিতিন্নরে হায়দবরা? কনানা সুধন্য উনবি পূকনিং য়াংবনে হায়না নিঙলুংনো। ধর্ম্ম শাস্ত্র য়েংনা ঋতুদান অচেৎপবু পিথিবনে। যোগী সন্যাসি মুনিঋষি লেংনা ভিনবা পুম্নমাক্তং মায়া ঙমফদবা মহাক্তা কনা উনবি পূকনিং তপঙমদবা অদুনে। সুধন্য লাংচেং মথোক্লকপদি উনবি পূকনিং য়াংবগী মায়া খুৎথুম চনখিবধু নত্তে। গর্ভদান অদ্ধবু খোয়মা নম্মুরফদবগী তৌশিন্নবনে। জৈ মহামুনিরেম্না পাউমেনখিয়ে।

হে জন্মেজয় নিংথৌরেল-ও! য়ারম মতৌ অসিবু পুকনিং থাজ থোইনা নাতাজৌও! অশ্বমেধ পুন্য য়ারম অচেৎপা অসিবু অসুম উনবি পূকনিং পীনা নাতাজরবদি পাপ মপৈ য়াম্বা পুন্নমানা মদোম থাপ্পা মাঙজখিয়ে। য়াথং য়াওয় খুদিংদম্ব কৃষ্ণ মতৌ ওংস্তাকপা য়াং-ঙাবু ওইরিবা অদুনে।

সঙ্গিবর সেনগী মপারী গঙ্গাদাস লৌশিংবনা পয়ার মীরোল ওইনা লেংলম শৈনে। হে নমু মীওই চঙখোনবশিং-ও নঙখোয়দি নচিল হরি হরি রাম শোম্না নাতাবিয়ো।

জয় য়াইফা থোইনা বনমালি শ্রীকৃষ্ণ নিঙথিবধু তাঙজা লুদা থোংনা কন্না কম্না খুকম্লবগা থৌরম অসিমতংগী য়ারম অয়াম্ববু তেংথাজ-রককে। মতৌ অসুম তৌনা জন্মেজয় নিংথৌ য়াথং মপাউহংদগী খাম্বী মৈরী মতম মানগুম্বা জৈ মহা মুনিরেম্না য়াহমখিয়ে।

হে পরিক্ষিৎ নিংথৌ মপারী-ও! থৌরম অসি মথঙ্গী র'রম মতৌ অয়াম্ববু উনবি পুক্কনিং পীনা নাত্তাউ-ও।

স্থধন্য পাঙ্গল মথোক্লকপদি লৈরাং হেকমায় লীতিনশঙদগী মপান য়াথোক্লবগা মনম সুংশি থোইনা লাইজা ইরিক্লাইনা ইরু শান্দে'লবদা প্রভাবতি লৈমা মশানৌনা লানফম লৈতেং ফিরোই শেৎহল্লবগা শমু মথূৎ লোম্না পাউমেঞ্জখিয়ে। —

হে প্রাণনাথ অরোইব-ও! মতম লৈবা খৈবিক্তা শ্রীকৃষ্ণ শিদববু পুক্কনিং থৌকাউ লৈতনা নিঙশিংজো-ও। লানফম তমথিবদসুং খোয়মা নমায় লয়্গুনো হায়না রাহমজরবগা স্বানী কোরৌ মনোংথোগী থোগল মজিক ওকপবু তৌনা সনা গ্বাকোক-পুংদা পানা থম্না শেম্লবগা শিংলেন মালা পরেং লৈবু লৈরাং ঙংকোই লোয়নবা মশাবী নিংথৌমচা সনা মখোঙ খাদা কৎচরে। স্থধন্য ককশাং পাঙ্গল মম্লিকপদি লানপোৎ মশীঙ শুনা নপুর খোঙশিখোন শয়াং তাঞ্জাউ-শি তানচপ্ মঙাম্নাইনা তাংজা লুরেস্তোন্দা চোয়লৌ সনা লুহুম্রবু লুহূপ মঙাম্নাইনা উবনে। সনা লুহুপথক্তা পশোৎ কোনয়া তক্পগী ফাকুরী কোকশেৎ মচি-লাং নাম্না কোস্থোল্লম অনিমাদা নায়ান চেংলৌ মিৎপু-লং নিংথৌ মচা মতিক্কী অলঙ্কার পোৎলোই মশীঙ শুনা অসূম লৈতেংলবগা লানফম ফুরিৎ মঙাল নাইনা সনা তেম্দোং নমদা হুন লিরুং খুত্তা পায়না মালং নোংলৈ য়াঙগুম রথ দুলাইথক্তা তোংনা চৎখিরে। মপল হংসধ্বজ নিংথৌরেম্নদি লানফম তেঙ্গোল্লক্তা মদাইরেম লাম্মী অথৌনিচা হেল্লা হুয়েল লানশোক ফমদা লাক্তববু কনা কনাগুম্বনো হায়না নমু মীপুম পানা য়েংলকপবু নিংথৌ মপারী স্থধন্য সনা রাপিহলবু চেংলৌ মিৎথিৎতরবগী য়াইবি কললৈ-নীক্লা পাউমেল্লকলে।

স্থধন্য ইপারীবু মতৌ করিগীনো? উনবি পুক্কনিং মাংলবগী লানফম তেঙ্গোম্নু অসিদা মরান লোনয়ুম য়ায়দগী হুয়েল লানজং লক্তবরা? খাং কম্বী মৈশাথক্তা গুপ্তনসে হায়না য়াথং রাশক্লববু উনবি নিংশিংদরবরা? মতৌ করিগীনো? পার্থ অর্জ্জুন তেঙ্গহৈববু

লান্‌কম নাক্তা থানা লৈরবা অসিদা হুয়েল লানশোয়রগে হায়রবু নিশিংদনা মরাল লোনয়িম য়ায়দগী লানকম খোঙশানলক্তরবদি ক্ষেত্রি ধর্ম্ম মাঙ্‌হনবগু লেপ্পা ওইরবা অদুনে। লানশোক মায়যোক য়াদনা লানকম খোয়মা মমায় ওল্লবদি শাগৈ লেংনা তিনবরক্তগী থাম্মী মৈঙান শীগুম্মবা অদুনে। মাদি ইদাইরেম চম্পক নগর মালেম লৈবাক পুন্নমাবু কান্না লানকম মাঙদা থানদুম চৎঙেনে হায়না নিংথৌ য়াইবি কলৌ নক্না ইদাইরেম খোঙলোই পাউপুয়াঙশিং-ও! নঙখোয় তুরেৎ মঙা চৎনা ইপারী সূধন্য মথোকলকপবু পাঙ্গল খুৎঙম থি পরৈ লাংশা পুন্না নিংথৌ ইমাঙ শংশংবদ য়াঙ্‌না পুরক ও! হায়না পাউমেল্লবগী মদাইরেম খোঙলোয় পাঙ্গনবশিংস্তং য়োৎশূক শ খুঙা প য়্‌না য়াঙ্‌না য়াঙ্‌না ইন্দানখিববু সুধন্য পাঙ্গল ময়িল্লকপস্তং রথ চুলাই খোঙওইনশা লাক্লবগী য়াংলৌ লমখাংমাদা লমওরক্লরবদা খোঙলোয় পাউপুয়াঙ অদুশিংনা নিংথৌ য়াইবি কলৌ লৌকপগী য়াথং মতুং ইন্না কোলোয় শাউনা পাউমেল্লুইরে।

হে নিংথৌ মপারী-ও! নঙবু হুয়েল লানশোয়রগে তৌবদা করিগী লানকম খোঙশান থিল্লকপনো? কদাইরেম রথ চুলাই তোংবা লাঙ্গোই শগোল শামু তোংবা খোঙমী অথৌলিচা হেল্লা শানৌ নচিল ননাউ সেনা লাঞ্চিংলেন পুন্নমাস্তং নপল রাজা নিংথৌরেম্নচিংনা ঙম্না লানকম তেঙ্গোন্নদো। লৈরবদা নঙদি করিগী লানকম মাঙওই লাক্তনা ক্ষেত্রি ধর্ম্ম অথোইববু মাঙহল্লবনো! নিংথৌ মপারী পাঙ্গল মপা তাম্বা নঙনদি থৌরম মত্তিক ওইদবা অসুম্ববু করিগী তৌরিবনো? য়াথং রাশক্লবস্তং পুকনিং শোঙকি লৈতনা নরাল লোনয়িময়ায়দা করম লৈঙম্বনো? কোয়ৌ অসি সুমিৎমাদিনংগী পায়মা উনকোয়মুংদা খঙ্‌জরো নিংথৌ সনা ময়াথংবু থাম্মী মৈশাথক্তা হুম্বসে হায়রৌরে। বারম মতৌ অমস্তং নিংথৌ কোলোয় ময়াথংনে। পুকনিং চিংন-থৌবু করি লৈতে। পাঙ্গল খুংঙম-থি

পরৈ নঙবু লানশা পুন্না পুরকও হায়রকয়ে। অশূম পাউমেল্লুরবদা সুধন্য পাঙ্গল মথোক্লকপদি নিংথৌ সনা ময়াগংবু লেপ্পা ওইরে হায়ববু শংশং তাঙনা খঙ্লবগী পুকনিং শোঙকি চঙবনা চেংলৌ মায়থোংমক উনবি ইরৈ চন্না নিঙখঞ্জখিয়ে।

হে ঈশ্বর কৃষ্ণ থোইথোইব ও! থোরম রাচুম অবেপ্পনে। পুকনিং লোইনা খোয়ববু নত্তে হায়বগী লানফম খোঙ্শান থিল্লকপা অসিবু করিগী থৌরম ওন্ন ভয়্নবঙম ওইরবনো হায়না। নিঙখঞ্জরবগা হেন্দোং নমদা হুন লৌরুং খুত্তা পায়না য়াংনা চুলাই শাথৌঙিনখিরবগা নিংথৌ মাঙদা থানা লেপ্লুরে। মপল রাজা নিংথৌরেন্দি সুধন্য চেংলৌ মশক উবদা পুকনিং কঞ্জাউ থোইবনা চকমোম লৈম্মে চাকপচুগুমলে। কেশরী নোংশা খাংনৌবনা গজেন্দ্রো লাঙ্গোই মোইশায়াবু উবা মত্তৌ পান্দমচুগুম্না চেংলৌ মমিৎ খানা য়েংনা পাউমেল্লকয়ে।

হে ইপারী! উনবি পুক্লিং মাঙ্লব ও নঙবু! লানফম মত্তৌ অসি খঙ্গুম্বদা লানচৎ খোঙশাল্লক্তনা নরাল লোনয়িম য়ায়দা করম লৈঙম্বনো? ঐনা উননি পুক্লিং খঙলে। নঙবু পাঙ্গল মপা ভাময়ে হায়রিবা থৌরম পুন্নমাদো লৈরাং অতিংঙাবু ওইরে। লানশোক মতম ওইরববু লানফম লম্মুরুবদি শাগৈ লেংনা ভিনবরক্তগী খাম্বী মৈভাল-শীবগুম্নবা অচুনে। নিংথৌ ঐগী ঔরস অথোইবদগী পাটেশ্বরী পলেম নমা পোকমাবীনা করম লাউনৌরবনো? পার্থ অর্জ্জুন ফেলহৈববু লানফম য়ায়দা লৈরবা শ্রীকৃষ্ণ মপুরেনস্তং অর্জ্জুন নাক্তা মরাক্লঙেনে হায়ববু খঙ্না নংগী নরাল লোনয়িম য়ায়দা করম লৈঙম্বনো? কৃষ্ণ সনা মথোঙথাবু উনিংদবা লানফম ধর্ম্ম অথোইববু কায়হনবা হে নমু মীচন্থি অত্তোনবা নঙগুম্ববু করম নিংথৌ ইপারীবু ওইরবনো? লমচৎ নত্তে থীববু খঙলে। লানফম মৈশা লাংববু পুক্লিং শোঙকি চঙববু মরোইরে। ক্ষেত্রি শাগৈ ওইনা পোক্লরবদি লানশোক মায়য়োক যানা নোংমল্লবস্তুং কোরৌ নোংথৌ কাথেঙনে। লানফম থুংথুম চন্না ঙমজরবস্তুং তাইবং নোংশ.পান্দা কোলোয় মিংলেন চৎথেঙনে হায়না অস্থম নিংথৌ সনা

ময়াথংবু খাম্বী মৈশা লাংগুম তিলাং মখোয় শাউনা পাউমেনববু নাতারবদা মপারী সুধন্য শাঙ্গল মখোক্লকপনা থূৎফাং চাংজৌ চেপ্পালোন ভক্তি-মতৌ অনোনববু চয়্রোয়ননা কে নরেশ্বর মহারাজা নিংথৌরেন-ও! য়াথং ব্রাশক কায়হনবা লানশোক শোঙকি চঙবা কৃষ্ণ সনা খুয়া থঙ্গাল লৈবু উনিংদবা মরম অসি খৈবিকপু খনবিরুগুনো! ক্ষেত্রি শাগৈ ওইনা পোক্লরবদা হুয়েল লানশোরববু পুক্লিং অকি চঙবা হায়রবদি ইন্নুং খোয়েন মংলানচান মহাক্তবু উক্রদরিয়ে লানফম খোঙশানগে হায়না তৌরিবৈঙদা উনবি ঐগী পুক্লিং অয়াংবসুং নতুনা খোইমোম লাইগী নোংদম ইরৈবু ওইশীক্লা? লোইদাম থা ইহুল্লে কোরৌ নোংশিং চাস্থরৈবু শিংলেন ৈশমায়-ভুট লৈরাং মমায় ওন্না চৈরৈ ফিশেং নোংবু থোক্লবগী ভিল থোইদিং মৎমদবু লানফম খোঙশান কোল্লক্লে। থৌরম অসি নওনা অতৈ কবিগুম্বা অমগী য়াথং মিনম রাবু ওইরবদি খোই-মোম বঙ্গা বিস মহেশ্বর মাংলম লৈখারোন কোরৌ নোংমদোন তাইবং নোংশাপান মরোল অঙ্গানসুং খাম্বী মৈতরেং লাইজা ইবিকলাই মালং নোংশিং অকনবা পুন্নমা অসি খেবিক্লা নদাইরেম ঐগী দমকপু সাক্ষি র চুম শিরশংনো! চৌংথ লেংনা তিনবা অসি খৈবিকপু শুনা খঙ্হৈবা ঈশ্বর নোংদম মপুরেন শ্রীকৃষ্ণ থোইখোইবা মহাক্তা রাচম বিরশংনা অসিনসুং মদোমদে। কোরি খাংগী কশ্বি মৈশা থক্তা খাম্বী মৈনা চাকশনো। হায়না সুধনা রাচম শংক্ ওক্তা পাউথুমক্তবু নিংথৌ হংজাউ মৈচাক শেস্থিদন। অমরক পাউমেন হৌরকয়ে। নঙৌ কোলোয় নয়াথং অসিবু নহাক নদোস্মগী লঙজ শেংনবা পঙনা য়াথং পাউমেজ্ঞবনরিবৈংনে। পায়মা ঐগী উনকোয়মুংদা পুক্লিং থাজ লৈরুদে। য়াশক য়াথং হোনববু কায়করোইয়ে, কশী মৈশাথক্তা মহুস্থবৈঙনে। কে রৌ মুমিৎ কদৌনোংদা নতৌ নরমচৎ অসিগুম্ববু কনা তৌথিদরিয়ে হায়না নিংথৌ তিলাং মখোয় শাউববু লৎপিদনা ব্রাহ্মণ শংখোলিদ্দ অনিমাগী বামন য়াথং লৌরুও হায়না খোঙলোয় য়াঙনা থৌশীথোকখিয়ে।

ব্রাহ্মন লাইওইনবা অনিমাদা উনবি পুক্লিং তপ্তা মরান্ লোনমিময়ায়দা

বেদ লাইরিক থীনা লৈঙময়ে। নিংথৌ মদাইরেম খোঙলোয় পাউপু-য়াঙনা বামন মাঙদা লেপনা হে ব্রাহ্মণ লাইওইনব-ও! উনবি পুক্লিং ওপনা নাত্তাবি ও! নিংথৌ সনা য়াথংলেননে। মপারী সুধন্য পাঙ্গনবনা কোরৌ অসি সুমিৎমাদা প্রতিজ্ঞা রাশক হেন্দোকলে। খোইমোম লাইবী নোংদম্না করম থোকপনো? লানকম খোঙশাল্লাইদমদা লৈমা মশানৌনা চৈরৈ ফিশেং নোংবু থোক্লবগী ঋতুদান অচেৎপবু খোয়মা নম্মুক্লুঙমদবনা লৈমা থৌখাম ময়াথংনা ঙমজরবগী য়াৎং রাশক কায়না লানচং খোঙশান কোল্লকলে। থৌরম মতৌ করম ত্তৌও হায়বনো হায়না রাজা নিংথৌরেম্না য়াথং পাউহংহল্লকয়ে। অসুম লানকম রাথোক ওইরৌরে। হে ব্রাহ্মন খোইমোম লাইবু নিঙব ও! কোলোয় য়াথং মতিক ওকপবু থাবিরৌ হায়না খোঙলোয় মপাউমেনবু নাত্তারবদা বামন লাইওইনবা অনিমাদি য়াইবি কলহৌ নীনা পাউথুল্লকয়ে। য়াথং মিনম হায়না কোলোয় পাউহংগল্লবা অসিবু করিগীনো? খঙলে নিংথৌ মরমচৎ অসিবু রাশক মাঙওইনখিবদো থৌরম অরেম্ববু ওইরবা অত্রনে। নিংথৌ মপানীবু দণ্ড রানকলাইদমদা রায়েল নিয়ম অচেৎপবু শমূ নমদা গুম্না কোলেয় অমরক হন্না, পাউহংহল্লরবা অসিবু উনবি পূকনিং চুমদনা যাৎং রাপৈ হায়বা নত্তবরা? রাজা নিংথৌবেনগী শাগৈ মচংপাচামা মপারী মনোংম্নাই মরূপ খোঞ্জাল লিত্তিম্নবা মঙাক্ত ঙাইরংচান অচেৎপা পূম্নমা অসি থৈবিকপু ওইরবস্তুং য়াথং রাশক্লববু কায়হল্লবাদ অমরক লৌশিং মরোল য়াম্না নিঙথনহৌরগুনুসে হায়বা নত্তবরা? কোলোয় পাউহংহল্লবা অসিবু পান্দম মপা খঙলে। নিংথৌ মপারীবু দণ্ড রারক কনগে হায়বান য়িহৈনে।

থাইনা লহান মাঙদা সুমিৎ শাগৈরেন্দা পোক্লকপা হরিশ্চন্দ্র কৌবা নিংথৌবু লৈরময়ে। য়াথং রাশক কিবগী বিশ্বামিত্র মুণিরেন্দা লৈবাক খুংশিম্নরল্লবগা নিংথৌ লৌনম মত্তৌ ওম্না য়াউরৌ শাদান চৎকে হায়শিম্ননা খোয়মা নারক চঙখিয়ে। নিংথৌ পোৎলোই অয়াম্ববু নমদা

হুয়া সনা মহকশাং পাটেশ্বরী লৈমা মশানৌগা মপারী সুংজানবা অমদগা ভাইরোইননা খোয়মা নাপিরকপু য়ৌরবগা পামেল উকুশেৎ গঙ্গা মপাল ইয়া চৎখিববু তরা চাপুক লাম্বা লাইজা ইখৌ লাংবা খৈবিকপু লায়'বস্তুং পূকনিং অপন লৈতে। অরা ইশৌ লাংলবদা খোইয়োম লাইবু নিঙবা উনবি ধ্যান তৌবত্তুম মতিক মতিক খোইনা চাউথৎলকয়ে। খৌরম অসি মতুংদা লৈমা মশানৌস্তুং মপারী সুংজান-বস্তুং মমল মতিক লৌনা য়োঞ্জরে। নিংথৌ মহাক মদোম্মাস্তুং য়োঞ্জরে মতৌ অসুম তৌনা মথং মথং মমল মতিক লৌরবগা গঙ্গা লাইজ মপান ইয়া লৈঙম্বা ব্রাহ্মন খোইমোম লাইপনবশিংদা শরুক কোঙ্গায়মানা দাণ দক্ষিণা পীনরে। মমল কোঙ্গায়মানদি যজ্ঞ মণ্ডম তৌনৈরে। মতম অসুম ওইরিঙৈদা নিংথৌ মপারীবু তাংজ লিললা চীরা অমন্ থমলৈ কুমববু চেংলৌ মিৎথিলবদস্তুং হরিশ্চন্দ্র নিংথৌরেন্দি পায়মা উনকোয়সুংদা উনবি অরা চঙলুকে। মহাক মদোম মদোম্মগী খৌরম কেন্দোকফদবা মহয়বু খোইমোম বিধি নোংদম্বনা মচাহল্লিয়ে হায়না পায়মা উনকোয়সুংদা অসুম নিংথন্থোকখি। ভাইবং নমু পো বু ওইনা পোক্লরবদি মাগী মাগী খৌরম মতুংইয়া মচৎখিবা অদুনে। কোরৌ অসি সুমিৎমাদা নিংথৌ ইপারীবু তাংজ লিললা চীরা অমন থমলে কুমখিদরবস্তুং চাহি চাম্মানুংদা কোরৌ নোঙ্গাখিগে তৌববু মরৈরবা অদুনে। মরম অসিমক্রা বিধি নো দম্বনা চিঙ্গাক মতিক ওকপবু চাহল্লি। করিগী অরা পূকনিং চঙলুনভাই লৈতে হায়না পারী সুংশি রাবু হরিশ্চন্দ্র নিংথৌরেনদো শমু নমদা হুয়া ইনথোকখিয়ে। অসুম অরা মৈশা ফংলবা মহাকপু নিংথৌ সত্য রাশক কায়হল্লমদে, অতুস্তুং মদোমদে অযোধ্যা লৈমাবা দশরথ নিংথৌরেনস্তুং য়াথং রাশকীদমক ভরত চীংখোং রাইমবদা অযোধ্যা লৈবাক পীনা মপারী চীংঙু নারায়ণ অহেনববু খোয়মা নারক চৎহল্লি। সত্য রাশক অরেপ্পদি কায়হল্ল-মদনা নিংথৌ সনা মহকশাংদি রাম সুংশি মৈচাক্লা য়াইবি থরাই থাদোকখিয়ে। হায়না পাউমেয়রিবা রারম মতৌ অসিবু নাভারবগী

য়াথং য়াশক কায়হনগে হায়বনৰিঙৈঙেনে। পুকনিং য়াচুম লৈতবা নিংথৌ সনা মৰৈবাক অসিদা ব্ৰাহ্মণ ইফম ওইনা কৰি লৈৱশিবনো। খোইমোম ঐখোয়গী লাইনিংকম তপবন সুংঙাইবদুম ইস্তাল্লসে। কৃষ্ণ সনা খুয়াবেনবু উনবি পুকনিং পৱৈ-চেৎ জপ্, তপ্ তৌনা কোৱৌ নোংলেময়ৰুৱসে হায়না য়ুবি খুজাই খুত্তা-সূ ছত্ৰ ইনপাক কোক্ত-তূপ চৈশূ খুত্তা পায় কাপ্পা লেংদোন য়াম্না হৌগৎখিৱববু খোঙলোই চেংলৌ মিৎখিৎলবদা উনবি অঙক-চঙ্ য়াথং অমৰক কন্না কোলোয় পাউমেনঙদৰবগী নিংথৌ সনা মখোঙখাদতুম য়াঙনা খঙহল্লৱে।

হে নৰেশ্বৰ খোইখোংবও! সনা নয়াথংবু বামন চংলৌ মাঙদা থানা খঙহল্লুববু ব্ৰাহ্মণ মহকশাংদা শমু খুংনা য়েবগুম য়াইৰ কলহো লৌৱা শাউঙময়ে। য়াথং য়াচুম লৈতবা নিংথৌ মৰৈবাক অসিদা ব্ৰাহ্মণ ঐখোয়গী ইৱান কম্বি ওইনা কনা লৈতৈবনো। খোইমোম লাইনিংকম্ ইন্দাল্লসে হায়না য়াঙনা হৌগৎলেংৰে। অস্তুম শমু মখুৎ লোয়া খোঙলোয় মপাউভস্ নাতাৱবগী হংসধ্বজ ৰাজা নিংথৌৰেন্দ্ৰ তিলাং মখোয় শাউববু মতিক মতিক চেনগৌৰে। কঞ্জাউ মৈয়াথোক মমিৎ থান। য়েংনা হে সুধন্য লৌশিং পুকনিং মাঙলব-ও! নঙগী ংতৈ অয়োনবনা য়াথং য়াশক কাংহল্লবগী ঐগী ব্ৰাহ্মণ পুৰোহিত অনিমাবু উনবি পুকনিং শাউহল্লে। হে ইদাইৱেম মালেম লৈবাক কোয়বশিংও। পুকনিং চিংন লেতনা সুধন্য ইপাৱৌ অসি কোৰি খাংগী কম্বি মৈশাথক্তা হুখুৰুৱো। নিংথৌ পুৰোহিত ইনাউ অনিমাঙং খুনা পাউকৌবিৰুৱো হায়না পাউমেল্লবগী কোলোয় মমিংথোংবু বলাধিক হায়না কোৱা মন্ত্ৰি মালেম লৈবাক কোয়বা অদুনা য়াঙনা হৌগৎলৱগা সুধন্য পাঙ্গনববু কোৰি খাংগী কম্বি মৈশা নাকপু তানা পুখিৱে হায়দবৱা?

হে সুধন্য পাঙ্গল নখোল্লকপা নঙবু থাং কম্বি মৈশা থক অসি দা লেপ্পা হুম্বৰঙৈনে। তাংজা ইক.ই খুমৱাইবু পুন্না লৈতৱে হায়না পাউ-

মেল্লবদা সুধন্য লৌশিংবদি উনবি পুকনিং অমথক লৈত্তনা কৃষ্ণ খুয়ারেনবু নিঙশিংজরে। হকশাং খান্নী মৈনা চাৎলৈ ন হায়বগী পুকনিঙ অকিচঙ্‌ববু লৈকদনা কোরি খাংগী বৃত্ত মপানকেন্দ লেপলুরবগা শ্রীকৃষ্ণ সনা মখোংথাবু য়াথং লৈশি থে শিনা হা হা হে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৌব—ও। পাঙ্গল ঐবু থরিনা চৈশেং ওইনরশিব, হায়না থম্মোই লকান্নুংদা উনবি পুকনিং পরৈ চেৎন-কোন শেল্লোন মপুক থয়া কৃষ্ণ মিংলেন শোংন্না খান্নী মৈচাক থোইদ্নবা অত্তু শমু মথাং লোন্না হায়জখিয়ে।

হে ইবুংঙো! অগ্নিগুন! থোইমে ম লাইগী লাইবু ওইরিবা নঙবু উনবি পুরিং শন্না নাত্তাবি ও কে খান্নী মৈত্তরেং অরাবা নঙবু হেন্না কোরৌ অসি নুমিৎমাগী এগী য়া ক অবান ওইনবা পাঙ্গল কনা লৈতরে। রাংচুম থোরন পুন্নমান, পাঙ্গল ঐগী খাঙ্‌নপনবু ওইরিবা অদুনে। থৌরম মথৌ অসিগী দংরা থাংগা মশা লংনা চাকশিন্নক্কে তৌবদি থোইদিং মখাংমরংদবু পুরনিং শোংঙাক লৈকদে। খান্নী কোরৌ ইনোংথো শ্রীকৃষ্ণ শিংঙ্‌বিবগী পাদপদ্ম সনা খুয়া থম্বাল লবু মিৎয়েং শানথৈ যংদনা হকশাং পেনাং অশিংঙাদ অমন থমলৈ কুমগে তৌরিবা অনিরুদ্ধ নমু পোংশিবরঙগী থরাই অত্তোনবদু লেপ্পা ওইরে, শূন্না অমন থমলৈ কুমখিনদি পুকনিং অকি লৈকদে। তাইবং নোংশা-পান্দা নমু পোংবু হৈনা পোংক্লরবদি কোরৌ অসি নুমিৎমাদা মাইবি থরাই থানা কমবি মৈশান্নুংদা চঙ্‌না নোংমন লোদরবস্তং লাংথৈ কুমশিং চান্দনুংদা অমন থমলৈ কুমখিগে তৌববু শমু মাঙদা থানা মবোর। নমু পোংওইবশিংনা অমন লাংওনখিগে তৌবদা পুকনিং অকি চঙলুঙেবু পুন্না লৈতে। শ্রীকৃষ্ণ থোইখোইবা নঙগী মাইথোং মঙাল নাইববু চেংলৌ নশক উংন্দরবা অসিদত্তুম সুধন্য চৌংঙ্‌ লাইবক থীরবা ঐঙোন্দা লাইপুং পোৎলুম পুনা অৱা ইরৈ চনববু থোকফল্লে। রারম মতৌ অমস্তুং অর্জ্জুন রায়রা তেলহৈবগী লানফম মাইয়োক-য়া লান শোক ঐগী মখৈ লৈতবনা রথ তুলাই মথুনেংকা লাক্লোই শগোল শামু চৈরৈ ফিরাল লমঙানবা সনা চোংলেন শিঙথিবা সেনা লান্মী পুন্নথাবু

পাঙ্গল ইত্তিক উৎনা কক্থৎত্তরিবৈঙদা হকশাং অরেম্বু ওইনা খাম্বী মৈদা চাকহনগে তৌরিবা অসিদদুম পুকনিং অৱা চঙ্লুইয়ে। হে শ্রীহরি গোপালজী থোইখোইব ও! হায়না মিৎকোয় লাইজা ইকম-ভাউ য়াথং মীকহাই চৈরোয়ননা কৃষ্ণ কোলোয় মমিংথোংবু ফৃইনা যুইনা য়াৱা খোজেল লাউনা শোল্লে। মতৌ অসুম ওইরিবৈঙা গঙ্গাদাস লৌশিংবনা পাউমেনয়ে।

হে সুধন্ব পাঙ্গল নথোক্লকপা নঙবু উনবি পুকনিং তপও! য়াচুম থোৱম তৌরিবদো মকম করি করিগুম্বা খৈবিক্তসুং লৈরাং অতিং-ঙাবু ওইনা থোৱম পঙ্না মাঙফদবনে হায়না অসুম খোদোংবিরবদা সুধন্য লৌশিংবনা পায়মা উনকোয়সুংদা নিঙথনজখিয়ে। থোৱম অমা অমা ওইরবসুং শ্রীকৃষ্ণ থোইখোইবনা পাঙ্গল এবু চৈশো ওইবিগুনো। নমু মীচনখিবু লানবিহৈবা খুংশি ইম্বোক্লবশিংবু লোয়না মকপ ওইনা থম্মোই থৌজাল পিরিবা অদুনে। হে শ্রীভগবান অথোইব ও! নঙ্না কম্বি মৈশা য়ায়দা খাম্বী মৈচাক উৎপু ওইহনগে তৌরিবা অসিবু ঙাকপি-ও হে দামুদর হে লক্ষ্মীনাথ! হে যদুনাথ! হে পরং ব্রহ্ম থোই-খোইবা নঙনা ঙাকপি-ও! থাইনা লহান মাঙ্দা সতী দ্রৌপদি অচুম্বীবু লানবিরকপদুগুম্ববু সুধন্ব পায়মা লৌশিং ভাম্বা এবু হে লক্ষ্মীনাথ মপুরেন-ও। নঙনা লানবি-ও! কৃষ্ণ সনা নথোং-খাবু হেন্না হকথক লাংওন অসিসু' হয়েং লাংওন মপোক অমরকসুং নমু পোংওইবা এখোয়গী লায় খোঙজিল অমা তয়্না লৈতরবা অদুনে হায়না থাউ কম্বি মৈশা লাংনা চাক্লিবা খাম্বী মৈরীসুংদা চোঙশিনখিরবগা শ্রীকৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্না কুংঙাই ধ্যান তৌনদুম লৈরুরে। মতম অসুম ওইরিবৈ ঘী চাংফু মশীঙ য়াম্বা থাউফু মপুম লাকঙমদনা হয়্জিল্লবগা খাম্বী মৈরাং হৌনা চাকহল্লে। সুধন্য পুকনিং য়াচুম শুবদি কৃষ্ণ মিংলেন শোনবনা উনবি অপাঙ্ কংলবগী কম্বি মৈশা লাংনা চাকলিবা অদুবু মালেম লৈখোম অচীকপদা শোক্লবদুগুমলে। খোইদিং মথায় ময়মদবু খাম্বী মৈগী অশাববু ওইরুদরে। পুকনিং অমক লৈতনা কৃষ্ণ মিংলেন শোম্না শরেং

মতানবোম অনিমাবু রা'না থাঙ্গৎলবগা চুকোই মথেন্দ নৌনা শারে। মতৌ অসিগুম্বা থম্মোই পূকনিং মকুবা অদুবু শ্রীদেবহরি অথোইবনা চেংলৌ মিৎথিৎলবদা পূকনিং অপেন ফংলবগী কৃষ্ণ থম্মোই লৈকামু'দা রায়রা হূপু তেম্না থাকবদুগুম্নবগী ঈশ্বর থৌজাল মিৎয়েং অথে'ইবনা সুধন্য অরা মৈশা লাংববু পুম্ন লৈকন্দরে। ভক্তি মতৌ অচেৎপবু থৌরম অসূম তৌনা হে কৃষ্ণ কৃষ্ণ হায়না কোলোয় মি'লেন শোনবগী থাম্বী মৈরীপুংদা সুধন্য ভাংজা লৈতোন থংলকপবু উবদি পূগ্রি লাইজা ইয়াইরেন্দা শি'লেন থম্নাল লৈকা ফম্না শাৎথোক্লকপদুগুময়ে। থাম্বী মৈশা লাংববু পুকনিং মুংঙাই থোইবদি কানবি ওলাংথাদা শি লেন চন্দন অখেঙবনা হকশাং পুম্না চীকহনবদুগুম্না কুণ্ড থাম্বী মৈরীপুংদা ধ্যান থোইমোম লাইবু নিঙবগুম মুংঙাই চাউখৎ মথোই তোংনা লৈরিবা অদুবু চেংলৌ মিৎথিৎলবগী কম্বি মৈশা নাক্তা লৈরিবা পুম্নম দি পুকনিং অঙক-চঙ মুংবং ইরৈ চল্লবনা হায়নখিয়ে। সুধন্য পুকনিং রাচুম অরেপ্পবু শংশং তাঙনা খঙলে। নমু মীওই চঙখোনবা মহাকপু লেপ্পা ওইরে হায়না নমু পোংওইবা খৈবিকনা মিৎয়েং শানখৈনবগী মুংঙাই মথোই তোংবনা হকশাং মতু চুংনা অসূম অফ মতিক থাগৎ-নিংয়ে হায়দবরা ?

মপল রাজা নিংথোরেনগী সনা ময়াথংনা খোঙলোয় য়াঙ্না থৌশীখিবশি'দো কোলোয় য়াথং অচেৎপনা পুরোহিত ব্রাহ্মন অনিমাবু নিংথৌ মাঙদা থানা পাউকৌরক্লবগী আসন কম্নফানবু থাদা ফম্ফম-হল্লবগা সনা থাগোক-মু'গী শুম্নু কর্পুর য়াউববু পান্না খুংশিম্নবা নিংথৌ থৌজাল মহৈরোক্লরিঙৈ থাং কম্বি মৈশানাক্তগী বল'ধিক মন্ত্রি মালেম লৈবাক কোয়বনা য়াঙ্না শমু মথুৎলোন নিংথৌ মাঙদা লেপ্পা কোলোয় পাউদম্লেয়ে।

হে নরেশ্বর মপুরেন অথোইব-ও! সুধন্য নপারীবু কোরি থাংগী কম্বি মৈশা অকনবনম্নং চাকপিদনা মুংঙাই মনিং তম্নতুম লৈরে। কোলোয় মিংলেন কম্বিগুম্ববু মুখ চিনবান থম্না শোনবগী থাম্বী মৈনা

খাংলিবনো হায়বসুং খঙহমদদে। চকমোম মৈশা লাংববু পুয়া লৈহবদুগুমলে। নিংথৌ নপাৱীগী থৌরম মতৌ ওস্থোকপা অসিবু করম্বনো? হায়না কোলোয় অসুম পাউদম্নববু নাতারবদা মপল রাজা নিংথৌরেম্নচি'না মদাইরেম ম'লেম লৈবাক পুম্নমাদি উনবি পুকনিং ঙঙ্গা লৈরিঙৈ নিংথৌ সনা ময়াথ'না পাউমেল্লকয়ে। হে ব্রাহ্মন লৌশিং পুকনিং তপ্প ও! নবিঙানা ফিংগ্রে' শানথৈবিরু-ও! খাম্বী মৈতরেং অরাবনা নমু মীহকশাংবু চাকপিদে হায়না কোলোয় পাউদম্নবা অসিবু ইনুং খোমলেন ম'শানচানগুময়ে। পায়মা ঐগী উনকোয় মু'দা পুকনিং থাক 'লক'দ অসুম পাউমেল্লবগী ব্রাহ্মন শংখলিদ অনিমাদি কম্বি মৈশা'াকা মাঙ'। ইস্পানখিরবগা সুধন্য খাম্বী মৈদা চাক্রবগী মুংবং ইবৈচন্না নিংশপ্ন'খয়ে। লাইশে'ন হিদাক করম্ববু খঙলবগী সুধন্য খ'াম্বী মৈদা খ'ঙনা 'লংম্বনো? মকে মতিক অরুববু ওইরবসুং খাম্বী মৈনা চাকহ'দবা অসিবু মতৌ ওইথোক্রবনো। কনাগী মতিক মহৈ কবম করম্নশি'না হকশাং মৈদা খাঙনা চাকহলদবা অসিগুম্ববু উখিদরিয়ে। খাং কম্বি মৈনা শাদবগী তৌশিক্রনে হায়না খঙলে। অসুম নিংখল্লুবনা লৌশি' রাখল লোক্লবগী নিংথৌ সনা মখোংখাদা কোলোয় পাউদম্নরে। হে ব্রহ্মা নিংথৌরেন-ও! সুধন্য নপারীবু খাম্বী মৈনা চাকঙমদবা মতাকপু লেপ্পা ওইরে। তৌইগুম পায়মা ঐখোয়গী উনকোই.ংদা নিংঙ্গকপদি খাং কাম্ব মৈনা শাদববুনরিঙৈনে অসুম নিঙখল্লকয়ে হায়-া ব্রহ্মন কোলোয় ময়াগংবু নাতারবদা হংস ধবজ নিংথৌরেম্না হে পুরোহিত লৌশিংব ও। নবি'ঙাগী কোলোয় নয়াথং অসিবু য়াথ' মতিক ওকপা মহাকনে। খাম্বী মৈনা চাক্রববু কনা লৈথোক্কে। শাক্তি রাচুম খঙনবা পোৎশক করিগুম্বা অমবু কম্বি মৈশা থক্কা হপ্পা নিংগ্রে' শানথৈবিরু'ও হায়না পাউমেল্লবগী ব্রাহ্মন লাইওইনবা অনিমাদি যুবি মপুম্মাবু শমু খুত্তা শূনা খাং কম্বি মৈশা থক্কা য়াঙনা হুগ্নরুববু চকমোম মহৌশাগী কোরি মৈশা লাংঙমদবনা চেংলৌ মিৎকুপ মরমদবু ত'নিদনা য়ুবি শুংদাই মচেং থোক্লা পোক-

থাইরবগা শমু খুৎনা শেম্বগুম বামন তাংজা ময়াইবক্তা য়ুবি মচেৎ অনিমানা থাক্লরে। খাম্বী মৈশা লাংলবনিগীনা ব্রাহ্মন পুরোহিত অনিমাদি লাইবক ইঙাং চেন্না পোকখোক্লবগী অনা মৈশা লাংনা রাম্ব-থিরে। তাংজা লৈতোল থৎনা চিনগোয় পাউমেন্নিংদা নাতোল মাল-নোংশিৎ থোঙদন্নুং পায়মা নিংশা মপি চাউনা হোন পামেল উগী মতমগুম কোলোয় পাউনৈদনা লৈরমলুরবগা বামন উনবি কৈনিংশিং-লক্লবগী কম্বি মৈশা থক্তা শৈরিবা সুধনা পাঙ্গনবদা পাউমেনখিয়ে। য়ুবি শুংদাই মচেৎ থোক্লা পোকখাইরকপতনা তাংজা ঐখোয়গী ইর ইবক্তা থারবদনম্নুং পূকনিং অঙক চঙনা অরা মৈশা ফংয়ে। কে নিংথৌ মপারী-ও নঙদি কম্বি মৈশান্নুংদা পূকনিং সুংঙাই থোইনা লৈরিবা অসিবু থৌরম মতৌ করম্বনো হায়-ও হায়ং-ও হে নমু মীওই চঙখোনব-ও। তাংজা নরৈরতোন্না করি-শোন পায়মা উনকোইন্নুংদা পূকনিং করি নিঙনা খাঙলিবনো? অসুম পাউহংলবদা সুধন্য পায়মা লৌশিং পোইবনা পাউথুম্লকয়ে। হরিনাম অরূববু হেন্না অতৈ করিগুম্বা অমবু তাংজা ইরৈতোন্দা শোনগবনো? কৃষ্ণ হায়বা কোলোয় মমিংথোং অসিদি খাম্বী মৈতরেং অরাবা লাইজা ইরিক্লাই মালং নোংলৈয়াঙ অহুমাগী মবুংঙো তাইবং থরায় নিংশা পাল্লিবা খৈবিকী নোংদম মপুরেন শোয়না মরূপ ওইখিবা থৌরম মতৌ খৈবিকপু পুয়া চঙখোনহল্লিবন্নুং হরি খোই মোম লাইমরুনে। থৌজাল মানকুনা অমম মথে লৈতবা তাইবং নোংশাপাল সমুদ্র ইরেন-পুংগুম্বা অসিদগী অরা ইশৌ লাংদনা লাম্নখিরে হায়না রাহম্নরিবা অসিবু রারম তাঙনা থঙলে। পায়মা উনকোইন্নুংদা পূকনিং ঐবু থৌকাউ লৈত তাংজা ইরৈতোন্দা করি কোলোয় ইমিং-থোংবু শোন্না মরৈজরিবা অদুনে হায়না পাউথুম্লক্লবগী ব্রাহ্মন শংখলিব্দ অনিমাদি পূকনিং অঙক চঙনা নিঙখমখিয়ে। সুধন্য নিংথৌ মপারী অসিদি উনবি পূকনিং পাঙনা কৃষ্ণ ভক্ত অরেপ্পবু শংশং তাঙনা ওইরে হায়ববু থঙদনা রাখল ঐখোয়গী লৌশিং রাৎপনা লৈরাং অতিংঙাদা অরা মথে লৈতনা পঙলী দণ্ডি রারক্লরে। মতৌ অসিগুম্বা মহা-

পাপকী লৌশিংবু হে জগন্নাথ অথোইবা ! থৌরম করিগী ওইহল্লবনো ? ভক্ত মীশই চঙখোনবশিংগী ব্রাহ্মন ঐখোয়না অরা ইশৌ লাংহন্দনদুম ঙাকখৈনে। পাপী শিংজেন চেনববু ব্রাহ্মন ঐখোয়গা মান্নবা অমকা লৈররিরোইয়ে। সুধন্য শমু মহকশাংবু পোকচবদা প্রায়শ্চিত শেংনববু ওৎরে হায়না কম্বি মৈশাঙ্গুংদগী সুধন্য পুকনিং অমক লৈতববু য়াঙনা খাম্নী মৈচু মুংনা থাঙ্গৎলুরবা। কুলিকুলা পৌক্কাল মিৎয়েৎননা কোয়রে। সুধ া চে লৌ শককোক চিংনয়ে ভক্তি মতৌ অরুকপনা ব্রাহ্মন লঙজ পা য়, কোরবা যাশং লননিজরে। হে ভক্ত সুধন্য লৌশিংব-ও ! নঙবু শিংদৌ মপারীবু ওইনা তসুম বৈষ্ণব শিংজেল চেলয়ে হায়ববু খঙলুদনা রায়ন লঙজ থোইরে। মহাভক্ত লুচিংবা জগৎ তাইবং পাংবদগী নতিক থোইনা চঙখোনবা উনবি পুকনিং পাঙলবনে হায়ববু হেক্কিক শংশং তাঙনা খঙলে। হে মহাবৈষ্ণব থোইখোইব-ও। নঙোন্দদি পাপ মতৌ করম্ববু শমু হক্কা পক্লা খাম্নী মৈনা চাক্লগবনো ? নমু মীপোক্লক্তগীসুং তাংজা মীক হোংবা শিংথৌ মপারীবু ওইয়ে। নতিক ঙোল চউনা থোইনা পাজন নপা তাময়ে। হে নমু মীওই চঙখোনর নঙবু পুকনিং কঞ্জাউ তেম্না লানশোক মাযয়োক য়াক্লয়ো-ও ! খোইমোম নঙগী লাইনিং অচেৎপনা গোবিন্দ সনা মথোঙথাবু উনবি ননিং থুংনা য়োন্দনা তানফংলঙেনে। লাঙ্গোই মোইশা য়া কোরৌ নোংশাকোন খোঙমী চুলাং পুন্নমাসুং ঙাইনা লৈরে। পার্থ অর্জ্জুন তেলহৈবগী লাঙ্গোই শাথৌবিগে তৌবগা নঙগী খোইমোম লাইনিঙ্ অচেৎপনচিংশিল্লুবগা শ্রীকৃষ্ণ থোইখোইবদো থৌরম য়োনফদনা মরাক্ল-ঙৈনে হায়ববু শংশং তাঙনা খঙলে। অর্জ্জুন পাঙ্গনবা মহাকসুং লানশোক থুগম চন্না লেপ্পা ঙমজরঙৈনে হায়না অসূম সুধন্য পাঙ্গল মথোল্লকপবু উনবি পুকনিং তপৎলে হায়দবরা ?

জৈ মহামুনিরেম্না, হে জন্মেজয় নিংথৌ অথোইব ও ! উনবি পুকনিং তপ্পা নাতাউ-ও ! সুধন্য খাম্নী মৈদা থৌরম বাচুম খঙনববু কোলোয় য়াথং শূপ্ন হায়খিরবা অসিনে। ভক্ত তমম নাইন্নুংচঙ উনবি

পুকনিং সোঙদরবশিংগী মতিক অক্ববু চিনকোয় ঐনা পাউমেনখিবা লমচৎ মতৌ অসি থৈবিকপু মওইরবা অদুনে। থৌরম অসিগীদমক্তা নমূ মীপোক অকবশিংগী গুণ মতিক ফংনা কনা হায়ঙমগবনো হায়-ঙমলোইয়ে। লমচৎ মতৌ অসিবু উনবি পুকনিং পীনা নাতাজরবশিংদি বৈকুণ্ঠ কোয়ৌ নোংমদোনবু থৌরম অথীন লৈতনা তানফংজৈয়ে। শ্রীকৃষ্ণ থোইখোইবনা মীওই লাংওন কবশিংবু থৌজাল লনকুবিবা অসিদা মতৌ ওস্তোকপা মশেন্নে হায়না থঙও! মহাভারত অথোইবগী পুনা বারম অয়াম্বু নমূ কনাগুম্বনা তায়োই শেল্লোং নীক্ববনো সঙ্কিবর সেনগী মপারৌ গঙ্গাদাস লৌশিংবনা য়াংয়ম্বা অসিবু থঙনা হে নমূ মীওই চঙ লোনবা ঃথোয়দি নচিল রাম রাম শোন্না তাবিয়ো॥



